[illegible]

[illegible]

ডাক্তর কমল : পুন্সি অমসুং মতোন



লাইরেনলাকপম সরৎ



ডাক্তর লমাবম কমল সিংহ
(১৯০০-১৯৩৪)

ꯗꯥ: ꯀꯃꯜ
ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯉꯂꯥꯟ

ডাক্তর কমল ঃ পুন্সি অমসুং মঙলান

লাইরেনলাকপম সরত



মণিপুর এসোসিএসন ফোর সাইন্স এণ্ড সোসাইটি, (MASS)

ডাক্তব কমল ঃ পুন্সি অমসুং মগুলান
অইবা- লাইবেনলাকপম সবত,
লিলোং চজিং, ইম্ফাল বেষ্ট, ৭৯৫১৩০

ফোঙজবা ঃ এলঃসিঃ মাবতিনানা মণিপুব এসোসিএসন ফোব সাইন্স এণ্ড সোসাইটি (MASS) ইম্ফালগীদমক ফোংজবা

অহানবা ফোঙবা ঃ জানুবাবী, ২০১৪

লাইবিক মশিং ঃ ১০০০ (লিশিং অমা)

মমল ঃ লুপা ২০০/- (চনি)

মখুম ঃ মণিপুব এসোসিএসন ফোব সাইন্স এণ্ড সোসাইটি, (MASS)

মনুংগী ফোটো ঃ অইবা

© ফংফম থোকপা পুন্নমক অইবগীনি।

লাইবিক অসিগী শরুক অমত্তা নৈনবা অমদি বিসার্চকী থবক নত্তনা অতৈ হীবমদা শীজিন্নবা পাম্মীববদি অইবদগী অয়াবা লৌবিয়ু।

লাইবিক ফংফম ঃ সত্য বুক হাওস, পোলোগ্রাউন্দ মনিং ইম্ফাল,
অইবগী যুম, লিলোং চজিং মমাং লৈকায।

ISBN: 81-900689-5-5

নম্ফম ঃ লময়ানবা প্রিন্টর্স, কোনুং লম্পাক, ইম্ফাল (মণিপুব)

পুন্সিগী অঙনবা অয়ুক্তা
লৌশিংগী মৈবা চুখৎপিবম্বা
খুবাতোন (জুগিন্দ্রো) গী
খুযাখাদা কচ্চবি
ঐগী অহানবা লাইবিক
নৎনদনা লৌশিনবীযু।

পরিশরগী ৱারোল

নুংশিজববা ইয়াম্বা লাইবেনলাকপম সবত হোৎনবা কনবা, নৈননিংবগী লেপ্পা নাইদ্রবা ৱাখল্লোলগা ঈরোইনবক্রিবা মীওই অমনি। মীযাম্না ওজা সবত হাযবগা খঙনবিবা মীওই অসি ইং ১৯৪৫গী নবেম্বর২৫ নোংমাইজিং নুমিৎ পোইনুগী ২০নি পানবা নুমিত্তা লিলোং চজিং মমাং লৈকায়দা তাইবঙদা খোঙদাবকখি। নৌবিঙে মতমদগী লৈত-লাইব, মীনোক মীচে মবক্তা তৌফম থোকপা মথৌ নিংথিজনা পাংথোক্রকপা ঙমখিবা ফীদমনিংঙাই ওইববা মীশক্রি। ইং ১৯৬৫দা মণিপুব কলেজগী কেমিষ্ট্রি ডিপার্টমেন্টতা লেবোবেতোবি এটেন্দেন্ট ওইনা ওইনা ইং ১৯৬৮দা প্রাইভেৎ কেন্দিদেৎ ওইনা মেট্রিক পাস তৌখি। মসিগী তুংদা নুমিদাংদা মণিপুব কলেজদা লাইবিক মখা তানা তম্লকখি। ইং ১৯৭৩দা বি এ পাস তৌখি। ইং ১৯৭৬তা মণিপুবী লেঙ্গুএজ এণ্ড লিটবেচবদা জবাহবলাল নেহরু য়ুনিভবসিটি, ইম্ফাল সেন্টবদগী এম এ পাস তৌবকখি। ইং ১৯৮০-১৯৮৪ ফাওবনা থৌবাল কলেজদা অমসুং ইং ১৯৮৪-১৯৯৩ ফাওবনা মোইবাং কলেজদা মণিপুবী ওজা ওইবকখি। চহী ১৪গী মতুংদা মণিপুব কলেজদা অমুক ট্রান্সফব তৌবকখি। ইং ২০০৪দা মণিপুব য়ুনিভবসিটিদগী "তোপোনিমস ওফ মণিপুব" (স্পিসিএলি মণিপুব ভেল্লি) হায়বা হীবমসিদা ডোক্তব ওফ ফিলোসোফি ডিগ্রি ফংখি। ইং ২০০৮ দা মণিপুব কলেজদগী থবক্তগী পোথাখি।

শুবা, নোম্বা কনবগা লোইননা থেংনবকখিবা ৱাখল অমদি নৈন-মীফমশিংদা শরুক যারুবদগী মণিপুবী সাহিত্যগী লময়ানবা ওইখিবা ডা লমাবম কমলগী মাধবী, লৈপবেং, দেবযানী ড্রামানচিংবা কয়াদা থোইদোকপা ৱাখল্লোল থমদুনা অশেংবা মশক খঙননবা হোৎনবকখি। হীবমসিদা চহী তরেৎ-নিপান চংনা মহাক্কা মবী নৈনবম্বা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্তুনা হকথেংননা থীজিল্লুববা মতুংদা "ডাক্তব কমল পুন্সি অমসুং মণ্ডলান"

হায়বা য়ারেং লাইবিক অসিবু মণিপুর এসোসিএসন ফোর সাইন্স এণ্ড সোসাইটি (MASS) না ফোঙদোরক্লবগী খুদোংচাবা পীবিরগীদমক ইয়াম্নবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। অরোইবা ওইনা লাইরিকসিনা মণিপুরী সাহিত্যগী অরাৎপা ৱরদি মেনখৎপা ঙম্লগনি।

আর কে রঞ্জন সিংহ

ৱাহৈ খরদং

মীওইবনা থরায পানবা অমসুং পান্দবশিংগী মবমদা থীজিনবা নোংমা নোংমগী খুমাং চাওশিল্লকলি। চুম্নতগী থীজিনবতা নত্তনা অনৌবা মখলগী আশাগা লোযননা চাংযেং কযাসু তৌনবি। নোংমতা কাংদে, মানা মানা থীরু-থেংনরুবশিংদু মীয়ামদা পাউদম্নবি। অসিদসু নত্তনা লৈবোলনুংদগী ফংলকপা শরু-শয়াং কযাদগী ফাওবা বিজ্ঞানগী পাম্বৈনা মশক খঙনবা হোৎনবি। অশেংবা মশক মমিং (হৌবকফম) ফাওবা শরুদগী জিন/দি এন এ য়েংদুনা তাংদাংবা খঙবা ঙম্নবে। চাওখৎপগী খোঙজেলদা অবোন-অথুপ হাযবদু লৈবক্তুবগুম তৌনবকলে। ঙসিগী অরোনবা থবকশিং হৃযেংগী অফোংবা ওইরকপা হাযবসি অঙকপা নত্রে। চিন্থাং চিন্থাং য়ৈনা লীনবকপা ৱাবী কয়াদগী পাবী পুবীগী খোঙ্গুল ফাওবা লীবা ফংনবে।

মতমগী অহোংবা কনানসু থিংলুবা ঙমদ্রি। অহোংবদুদা ঐখোযসু অদুম য়াওদুনা লাকলি। চেম্ববিবা তুরেলগী ঈচেলদা তাওথবিবা কাওশিংনা মচি মচিদা ঙাইহাক পল্লম্নবসু ঈচাও অমুক লাকপদা লেংদনা খক লৈখিদে। ইবমদম অসিদসু পৃথিবীগী কাচিন-কোযা কয়াদগী হুমজিল্লকখিবা অকনবা ঈনোৎতুদগী নাম্থোকপা ঙমখিদে। ঈনোৎতুনা য়ৌবকপদা থেংবা, ঙনবা হাযবদুনা ৱাফম অমনি। অহোংবদুদা হৌখ্রবা মতমগী চৎনবীবু হঙ্গৎনা যেংদুনা পুন্সিবু মশক তাকনিংবসু যাওগনি। উপাল-বাপালগুম মীওইবদি খক লেংদনা লৈতে। উরু-তারুবা অমদি থেংনরুবা কযাদগী সমাজদুগী পুন্সি মহিং অমসুং সাহিত্যবু মশক তারুবা হোৎনবকপসু য়াই। হোৎনবক্রিবদুদা হোংলকলিবা পুন্সিগী মীৎযেং থম্বা হাযবসিসু তঙাইফদবনি। অদুবু মদুনা মবোইবে হায়বগী পনখৈনুংদসু খক ফাজিন্দুনা থম্বা ঙম্নদ্রি।

মণিপুর ভারতকী অতৈ ষ্টেৎশিংগা চাংদম্নরুববদি পীকখ্রবা লমদমনি। লমদমসিদা পোকখিবা মীয়াম্না শকখঙলবা মীওই অমগী মবমদা খোঙ্গুল লীরুবদা থোয়দোক্লা মীওইদুগা থেংনহৌবা শামান-লেংমান্নবা কযাদগী অমসুং থৌদোক ৱাথোক খবদা য়ুমফম ওইবগা ৱাবীগী পবিং অমদি শেমজবে। অদুবু মসিমক্লা অরোইবনি হায়বা লৈতে, অৱাৎপা কয়ামসু লৈবম্বা য়াবি। খঙনিংবনা ৱাখল লীশাং থারুবদগী পুন্নমকসি

ওইবকখিবনি। ডাক্তৰ কমল লৈখিদবসি চহী ৮০ বোমদা মঙাইবি। মহাক্কী লাইবিক পারুবা অমদি মাগী মবমদা ফোঙলকখিবা চেফোঙ কয়াদগী মতমদুগী সমাজ অমসুং সাহিত্যগী মশক অমদি খঙবা ঙমলে। কমলনা শিলং গোভর্নমেন্ট হায়স্কুলদা ক্লাস তেন তন্নম্বা, ডিব্রুগড়দা এল এম পি (লাইসেনসিয়েৎ মেদিকেল প্রক্তিসনৱ) তন্লুবা, মাইজান খুলদগী মৈতৈ চনুবা নিংঙোল অমা লৌরুবা, তমেংলোংদা পোষ্টিং তাবিঙৈগী রাবীশিং যাওবি। থিরুবা, থেংনরুবা খবদগী ফংলকপসিনা পুন্নমক্কী থম্মোযবু পেলহনবা ঙম্বা ঐগী ইতিক লৈজদে। কবিনা, হৌখ্রবা থৌদোক খবগী মবমদা থীরুবা হায়বসি থোইদোক্লা অবায়বা অমদি ওইখিদে। লাইবিক মচাসিনা মণিপুরী সাহিত্যগী মবমদা শরুক খবদং য়াজবা ঙন্নবদি হোৎনজরুবগী মহৈ যানবা হাযবদু ওইজগে। পুন্নমক্কী মফমদা শীন্নজবে।

লাইবিকসি পুথোরুবা হোৎনবকপদা পাংদ্রবা ঐবু থৌনা হাপ্পিবম্বা মণিপুরী সাহিত্যগী মখোঙ শোন্নম্বা লৈখিদ্রবা শ্রী এলাংবম নীলকান্ত সিংহ অমসুং লৈখিদ্রবী মহারাজকুমারী বীনোদিনী দেবী অনীবু ইকায়খুম্নবা উৎচবি। অতৈ মরুপ-মপাং কযামকমগী মমিং মথাদি যামনখিবনা পনজদ্রে। তোঙাননা একনোলেজমেন্ট ওইনা লিস্ট অমা শেমদুনা হাপচবি। প্রেসকী মরুপ-মপাংশিংগী মতেংনা লাইবিকসি নম্বগী দাযিত্ব লৌবীবগীদমক থোইদোক্লা শিংঙমদ্রবা লমন অমদি তোনশিনজবে।

পাঙদ্রবা অইবা
সরত

মনুংগী লমায়দা

১	হৌফম-শাংফম, মণিপুব	১
২	শিলংদা চহী অমা	৩
৩	ডিব্রুগডদা চহী মঙা	৯
৪	তমেংলোংদা চহী মঙা	২৬
৫	কাযনমৈবিলক্তগী	৪২
৬	কমলগী কাঞ্চীপুব	৫০
৭	অনৌবা শিক্ষাগী মহাও	৫২
৮	সাহিত্যদা কমলগী মীৎযেং	৫৪
৯	অনৌবা মণিপুবী সাহিত্য	৫৮
১০	'মাধবী' উপন্যাসকী লংলা লংজিল	৬১
১১	'মাধবী' উপন্যাসকী পাউজেল	৬৫
১২	'দেবযানী' ড্রামাদা প্রতিবাদ	৬৯
১৩	মণিপুবী সমাজদা 'দেবযানী' ড্রামা	৭২
১৪	'দেবযানী' ড্রামাদা মতমগী মঙলান	৭৬
১৫	'দেবযানী' ড্রামাগী পাউজেল	৭৮
১৬	'লৈপবেংদা' কমলগী মীৎয়েং	৮০
১৭	সাহিত্যগী মীৎয়েংদা	৮০

১৮ কমলগী মীৎযেংদা প্রকৃতি ৮৪

১৯ হ্যুমেনিজমগী মীৎয়েংদা ৮৮

২০ কমলগী মঙলান ৯২

ক) হ্যুমেনিজমগী মঙলান ৯২

খ) সোসিএল বিফোবমেসনগী মঙলান ১০০

গ) সোসিএল ইন্টিগ্রেসনগী মঙলান ১০২

হৌফম-শাৎফম, মণিপুর

কুনশুবা শতাব্দীগী অঙনবা শরুক ফাওবদি মণিপুরী সমাজদা ধর্ম্মগী চৎনবীনা অকনবা চৈথেং অমা পীবি। ধর্ম্মগী থাজনবীদা পুন্সিবু মশক তাকুবা হোৎনবা মতমনি। ঈশৈ-নোংমাইগী থবক তৌবা(ঈশ্বরগী নাম শোনবা) মীওইবু মীবক তিনবনি হায়না লৌনবম্মী। খুল, লৈকাযগী বাবী লাইবিক থীবা হাযবনচিংবা তৌবা মীওইবুসু শঙ্গ তৌবনি হাযনা খন্নবম্মী। অসিগুম্বা মীওইবু কয়ামুক যান্না মকওইনা লৌনবম্বগে হাযববু গৌড়িয়া তৌজবা মীওইনি হাযনা শিংথানবম্মী। তশেংনমক মতমদুগী মণিপুরী সমাজদি ধর্ম্মগী চৎনবীনা পুল্লবনি হায়বা যাই। গৌড়িয়া সম্প্রদায়দা লুপচবা মীওইশিংনা মশীং যামলি। লমাবম কমলসু লাংথবাল কুঞ্জ ময়াই লৈকায়গী গৌড়িয়া তৌজবা ইমুং অমদা ইং ১৯০০ গী মার্চ ৩ লমতা থাগী থাঙজ নুমিৎতা পোকখি। হান্নদি কমলগী মবমদা ফোঙখ্রবা লাইবিক, চেফোঙ কযাদা ইং ১৮৯৯ মার্চ ৭ তা পোকই হাযনা পীবম্বা থেংনৈ। অনীশুবগী শোক-তাবিক অসিদি লমতাগী থাঙজ নুমিৎ তাদে, শগোশেল নুমিৎনি। কমলগী মপোক নুমিৎকী থৌবম তৌবদা চয়েৎনবা লাকপদগী মচা ইবুংঙো ব্রজেন্দ্র সিংহনা তাকপিবকপদগী অশেংবসি খঙনবকখিবনি। কমলগী অপোকপা যাত্রা সিংহ লৈকায খুলনা শকখঙলবা লাইবিক থীবগী শিনফম তৌবম্মী। অপোকপী মমা লৈবিক দেবী খুঙ্গংগী নুপী ওইজববসু লাইশু খঙবীনি। অপোকপা অমদি অপোকপী অনীগী অকনবা মীৎয়েং মখাদা মচা অহলবু লাইবিক লাইশু হৈবা মীওই অমা ওইহন্নিংখি। মতমদুদা লাইবিক লাইশু তম্বা হায়ববদি নোংচুপলোমগী শিক্ষা অসিতবু খঙনবম্মী। অসিগুম্বা মখলগী শিক্ষা তম্বা মীওইশিংবু থবক শুনিংদবা কতননি হাযনা ফাওবা নোকুবি। অপোকপা অপোকপী অনীনা লৈকায খুলগী মীনোক মৈশা কয়াবু নাচুংদনা মচাবু মহে তমহন্নবা হোৎনখি।

পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মমাংদদি মণিপুবদা সবকাবগী প্রাইমাবী স্কুলগী মশীংসি অসুক্কী মতিক যান্নমদে। খুল মঙা তরুক্কী মনুংদা প্রাইমাবী স্কুল অমতমক অখন্ননা থন্নম্মী। অখন্নবা প্রাইমাবী স্কুলশিংদুগী মবক্তা 'লিলোং হিন্দু প্রাইমাবী স্কুলসু' অমনি। স্কুলসিগী অকোযবদা লৈবিবা খুলশিংদি লাংথবাল কুঞ্জ, ক্যামগৈ, নবান কোঞ্জিন, কবাম, হাওবৈবী, অবাপতি, লিলোং চজিং অমসুং লিলোং মুসলিমনচিংবনি। খুলশিং অসিদগী লাকপা ছাত্রশিংনা স্কুলসিদা লাইবিক তন্নম্মী। স্কুলসিগী মশাগী শঙ লৈত্রিঙৈদা অহানবদা লিলোং চজিং কৈথেলগী মনিংথংবদা লৈবম্বা লৈখিদ্রবা থৌনাওজম তুজোম সিংহ (মীযান্না থৌনাও তুজোম) হাযনা খঙনবা অহলসিগী মমাং শঙ্গোযদা ওইবম্মী। হায়বিবা এল পি স্কুলসি মণিপুবগী ২০ শুবা স্কুলনি হাযনা ডা য়েংখোম ভাগ্য সিংহনা পল্লম্মী (সাহিত্য ১৯৭৬ ৩০ শুবা মশীং)। স্কুলসিগী অহানবা ওঝাসি সলাম গুলাপ সিংহনা ওইখি। ওঝাসি শগোলবন্দ সলাম লৈকাযদগীনি। ওঝাসিনা লিলোং চজিংদা মতম শাংনা ওঝা ওইবিঙৈদা চজিং কোঞ্জেং লৈকাযদগী লাইশ্রম নিংঙোল অঙাংজাওবী দেবীবু লোইনবী ওইনা লৌদুনা লৈবম্মী। ওঝাসিনা লৈবম্বা ইংখোলসিবু ঙসি ফাওবা সলাম ইংখোল হায়না খঙনদুনা লৈবি। সলাম ওঝা গুলাপকী ছাত্র অমা ওইনা লমাবম কমলসু লাইবিক তম্বা হৌবকখিবনি হাযনা লৈখিদ্রবা নিংথৌজম বীবচন্দ্র সিংহ, এসিস্টেন টিচব লিলোং হাযস্কুলগী ওঝাসিনা তাকপিবম্মী। মতমদুদা লাইবিক লাইশু তম্বা মীওইসি অদুক হাক্লা যান্নমদে। খুল তবেৎ নিপালগী মনুংদা ইমুং খবতংগী মীওই খবদমক লাইবিক তম্বগী চৎনবী লৈনবম্মী। লাংথবাল কুঞ্জদগী লমাবম অমসুং চোংথাম শাগৈ অনীসি অদুগা চজিংদগীনা যেংখোম শাগৈসি নত্তনা অতৈদি লাইবিক লাইশু তম্বগী পাখল ফাওনদ্রি। লাইবিক লাইশুগী মবমদা হাযবিবা শাগৈ অহুমসি মতমদুগী লমযানবনি। কমলনা চজিংদা লাইবিক তন্নম্বদগী মথং মথং নাওবেম লৈকাযগী স্কুল, মোইবাংখোম এম ই স্কুল, জোনষ্টোন হাযস্কুলদা ক্লাস নাইন ফাওবা তন্নমখি। মতমদুগী জোনষ্টোন হাযস্কুলগী হেদ মাষ্টবসি যামিনী সুন্দব গুহানা (১৯১৯-১৯২২) ওইখি। ওঝাসি স্কুলসিগী তবেৎশুবা হেদ মাষ্টবনি। জোনষ্টোন হাযস্কুলগী অহানবা হেদ মাষ্টবসি মিষ্টব পিতিগ্রু (১৮৯৪-১৮৯৫) না ওইবম্মী। মতমদুদা স্কুলসিদা ক্লাস নাইন ফাওবদং তম্বা ফংনবম্মী। ক্লাস নাইন পাস তৌববা মতুংদা শিলং গোভর্নমেন্ট হাযস্কুলদা ক্লাস টেন (প্রবেশিকা) তম্বা চৎনবম্মী। কমলনা জোনষ্টোন হাযস্কুদগী ক্লাস নাইন পাস তৌখিবা মতমসি ইং ১৯২০ দনি। শিলং গোভর্নমেন্ট হায়স্কুলদা ১৯২১ দা ক্লাস টেন তন্নগা ১৯২২ দা কলিকাতা য়ুনিভবসিটিগী মখাদা পবীক্ষা থাখি।

শিলংদা চহী অমা

মণিপুরদা নোংচুপলোমগী শিক্ষাগী মহাও তংহন্নবা হোৎনবকখিবসি বৃটিসকী পোলিতিকেল এজেন্টশিংগী খুজিল থৌবাংদগীনি। পোলিটিকেল এজেন্টশিংনা ইংরেজি লোল তমহন্নবা হোৎনবতা নত্তনা স্কুল লিংখৎনিংবগী অপাম্বসু লৈখি। অদুবু মখোযনা হোৎনজবিবা খুদিংমক লৈবাক নিংথৌগী অযাবা যাওদনদি ওইথোকপা যাখিদে। মতমদুগী পোলিটিকেল এজেন্ট ওইনা লৈবম্বা সাব জেমস জোনষ্টোননা থাঙ্গাল জেনেবেলগী খুৎথাংদা চন্দ্রকীর্ত্তি মহাবাজদগী অযাবা ফংজখি।



Johnstone Higher Secondary School Gate

জোনষ্টোন স্কুল লিংখৎলকখিবগী অকুপ্পা বাবোল— "My Experience in Manipur and the Naga Hills" হাযবা মশামক্সা ইবম্বা লাইবিক্তুগী লামাই ১৪৪ দা যাওরি। ইং ১৮৮৫ দা জোনষ্টোন স্কুল লিংখৎলম্বনি।

স্কুলসি অহানবদা খাইবম্বন কৈথেল পুবাণা বাজাবগী নোংপোক সবক রাংমদা লৈবিবা নিউ মার্কেট হায়না খঙনবিবা মফম অসিদা লৈবম্মী। খোংজোম লালগী মতুংদা কংলাগী মনিংথংবা সম্বোংগী শরুক্তা লৈবম্বা সনা কৈথেল অমসুং মখা কৈথেলগী শরুক খবা যাওবগা হৌজিক লৈবিবা মফমসিদা স্কুলসি নৌনা অমুক হোংজিল্লকখিবনি। ইং ১৯২০ ফাওবদা স্কুলসিদা সুপ্নতগী ক্লাস নাইনদগী হেন্না মখা তমথবা যাবমদে। স্কুলসি খোংজোম লালগী খুদোংথীবা পুন্নমক মাইয়োক্লবকখি। লিংখৎলকখিবা কুইববসু চাওবাক্লা চহী কুম্ম্বা মঙাবোমগী মতুং অদুরাইফাওবদি মেত্রিক পরীক্ষা থানবগী খুদোংচাবা ফংদ্রি। তঙাইফদনা মখা মহৈ-মশিং তমথগে হাযববদি অরাং নোংপোক ভাবতকী অহানবা হাযস্কুল ওইবিবা শিলং গোভর্নমেন্ট হাযস্কুলদা তম্বা চৎনবম্মী।



Old Shillong Government High School Building

শিলং গোভর্নমেন্ট হায়স্কুল ইং ১৮৮০ দা লিংখৎখিবনি। হায়স্কুলসি ওইবক্লবগীদমক বাবু জিবন বোই কৌবা পুকচেল চাওববা নুপা অমনা মাগী লৈজবা শেনফমদগী লুপা ৯০০।- (লুপা চামাপল) খক দান তৌখি। (Centenary Celebration Souvenir 3 1980)। মহাক্লা স্কুলসিবু হৌদোক্লম্বনি হায়দুনা ঙসি ফাওবা খাসি মীয়াম্না কাওনদ্রি। হাযস্কুলসিদা লমাবম কমলসু ইং ১৯২১ দা ক্লাস টেন তম্লগা ইং ১৯২২ দা মেত্রিক (প্রবেশিকা) পাস তৌখি। মণিপুবদগী মৈতৈ মচা

অহুম মেট্রিক পরীক্ষা থাখি। মখোয় অহুমক ফার্ষ্ট দিভিজনদা পাস তৌবকখি। ১) রাজকুমাব সেতুসনা সিংহ (১৯০০-১৯৫২) ২) হিদংময়ুম দ্বিজমনি দেব শর্ম্মা (১৯০২-২০০০) ৩) লমাবম কমল সিংহনি।

কমলনা লাইবিক তম্বা মতমদুদা শিলং গোভর্নমেন্ট হায়স্কুলসি সহবগী ময়াই ওইবপ্পা লৈ। আসাম তাইপকী শঙশাগী মওংদুনি। হৌজিক্তি হায়স্কুল শঙ ওইবম্বদু সব-দিভিজনেল স্কুল ইদুকেসন ওফিসাবগী ওফিস ওইনা শীজিন্নদুনা লৈবে।

শিলং গোভর্নমেন্ট হায়স্কুলদা কমলনা ক্লাস টেন তম্বা মতমদুদা Rev Oliver Thomas না হেদ মাষ্টব ওই। মহাক সাউথ বেলস মচানি। মহাক্কা মবমদম সাউথ বেলসতা চহী খবা স্কুল ইদুকেসনগী মবমদা ট্রেনিং চৎখ্রিঙৈদা Rev S Evans না ওফিসিএটিং হেদ মাষ্টব ওইনসু পুবমখি (Souvenir 14 1980)। Rev Oliver Thomas না হাযস্কুলসিদা হেদ মাষ্টব ওইনা ইং ১৯১৯-১৯২৮ ফাওবা লৈবম্মী। হেদ মাষ্টব অনীসিগী চেকশিন মীৎয়েং মখাদা কমলসু লাইবিক তম্লকখিবনি।



New Building Shillong Govt Hr Sec School

হায়স্কুলসি মতমগী অহোংবলক্তা ইং ১৯৯৫ দগী হায়াব সেকেন্দবি স্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখ্রে। হৌজিক হৌজিক ভাইস প্রিন্সিপাল ওইহৌবিবী Madam. L M Langngap কা উন্নদুনা বাবী বাখোং খবা হংনরুবদা অসুন্না— হৌজিক লৈবিবা স্কুলসি ওন্নিঙৈ মতমদা দাউন ষ্টুদেন্ট হোষ্টেল (Erle Hostel) হাযনা খঙনবম্বা

অদুগী মনাক্তা নৌনা ইং ১৯৭০ দা হোংজিন্নকখিবনি। অনৌবা স্কুলগী শঙসিদা হোংজিন্নরুবা মতুং ইং ১৯৮৭ তা ওফিসকী কা যাওনা শরুক খবা মৈনা চাকখি। লাইবক থীবা থৌদোক্তুদগী হান্নগী লৈবম্বা অবিবা চে-চাংশিং পুন্নমক মৈ চাকপদুদা য়াওখ্রে। থৌদোক্তুনা মবম ওইবগা স্কুলসি লিংখৎখিবগী অকরুবা, তাংদাংবা তাবিক, নুমিৎ থানচিংবদু খঙবা ঙম্বগী খুদোংচাবদু লৈত্রে হায়না তাকপিরকই।



Madam L M Langngap Vice Principal
Ph Nilchandra Sharma and L Sarat

কমলনা শিলংদা মহৈ তম্লিঙৈদা লমদমদুগী মহৌশাগী অমসুং খুৎশেমগী ফজবা কয়াবু থম্মোয়নুংদা খোইদানা যেংজবমগনি। মসিমক্তা মহাক্লা কাওবা লৈতনা মাগী 'মাধবী' উপন্যাসকী অহুমশুবা পন্দুপ্তা শিলংগী মবমদা বাখল লীশাং থাবখ্বনি। অমম্বা অমদি অহাঙবা অতিয়াদা আশাগী ফুবা শাবগী অপাম্বা মঙোন্দা লৈতে। অউবা পোৎশক্তা অশানবা মীৎযেংগা লোযননা থম্মোয় লকানুংদা মখল মথেল কযাগী মচুনা শংজিন্নবা হোৎনৈ। শিলংগী দৃশ্যনা কমলগী থম্মোযবু শুমহৎখি। খঞ্জখি, মহৌশা অমসুং খুৎশেম অনীগী মিলন ওইবা মফমনি হায়না কবিগী ৱাহৈদা "প্রকৃতিগী নিংথিজবা অমসুং খুৎশেমগী ফজবা অনীমকপু পুলপ্না য়েংগে হায়ববদি মদুগী মতিকচাবা মফম শিলং অসি অমনি" (মাধবী ৫৪ ১৯৬৭)।

শিলং চীংনুংগী অচিকপা মবক্তা লোৎলম্বা সহরনি। সহৰগী নিলখোংবনা নাবক্কী অচিকপদা তিনখিবা, অহিংগী চেক্লা তাম্লাগী খোঞ্জেলগা লোয়ননা খাসি চনুবাশিংনা গির্জ্জা মনুংদগী শক্রকপা নুংশিববা ঈশৈগী খোঞ্জেলদা তিনখিববু মহৌশা অমসুং খুৎশেম অনীগী থুংনফম ওইনা লৌবি। খাসি কোনুং তাবা লম্বীবু বাজপথ হায়না শিংথাবি। বাজপথকী লম্বী নাকয়েৎতা লৈবিবা য়ুমলৈ-কৈবৈশিংগী ফজববু উরুবগা কবিগী থম্মোযনুংদা অপেনবা পোকচৰমগনি। অনকপা অমদি অবাপ্পদা হৌবিবা উচান পাম্বীশিংগী মবক্তা খাঙপোকশঙ, শান্নবুংশিং অমসুং তাংথক নাইনা চেম্ববিবা ঈফুৎশিংগী ফজবনা কবিগী পুক্লিংবু ঈথক হৌহনখিবশিংদু শিংথাবক্রোইদৌবগী মবম লৈতে। সহৰগী মনাক্তা লৈবিবা পাৎ মচা (Ward Lake) অমসুং লেদি হাইড্রি পার্কশিংবশিংগী ফজবশিং কবিনা কৈদৌনুংদসু কাওবমলোই। অসিদসু নত্তনা বিদন জলপ্রপাত (ঈশিং চাইবী) শিংনা নুঙ্গাইবক্তগী লিক্লাই মহি চাইথবকপগুন্না তাবক্লিবদু উরুবদা কবিগী কল্পনানা শৈথাবদা নত্রগা চিত্রকার অমনা য়েক্তুনসু চাংদম্নবদা থোইদোক্লা মতিক চাবোই। মীওইবা খুদিংমক্লা উবম্বা, থেংনবম্বা খুদিংমক্কী মপুংফাবা বাহৈনা ফোঙদোকচবা ঙম্নদে। অদুবু কমলগী লোলদি মহাক্লা উরুবিবা, থেংনৰুবিবশিংদুগী মবমদা অথোৎপা, অমেংবা বাহৈনা ফোঙদোকচবা ঙম্মী। মহাক্কী থম্মোযগী মিংশেলদা তাববিবা মমি পুম্নমক্কী ফোঙদোকচবা ঙম্বগী লোল লৈজে। লৈক-লৈরুবা মফমদুদা কোয়না চৎচবগা থম্মোযনুংগী মপাউ তম্নিংই। মসিমক্লি কমলনা শিলংদা চহী অমতং মহৈ-মশিং তম্নবদুদগী ফংজহৌবা রাখলগী ঈচেল।



Way of Bidan – Jalprapat Canel (Shillong)



Micro Hydel Shillong (Sonapani)

মতমগী অহোংবনভা মীওইবা খুনাইসু যাওদ্রে। লাক্লি। মহৌশাগী শিল ঙসিসু অসুম্মক লৈবি। অদুবু মহৌশাগী অচিকপা, ত ওপ্পা অইনা মফম হাবনবদগী লৈত্রে হায়বা যাবে। যেংখি যেংখিবদা ঈশিং চাইবাগী ঈশিং চাইনা ঙাও। চহিবগী শিলংগী বিদন জলপ্রপাত ঙসিদি হৃৎশেমগী অনৌবা আশাগী লম্বা চমদা শাওরে বিদন জলপ্রপাত মযামদু চাংযাগী অকোয়বদা ঈশিং খোংলম (কেনেল) অমা শেমদুনা পুথবকখ্রে। কি মি অমবোম শাংনা পুথরক্লগা বিজাঙব অম শেম্লগা মাইক্রো হাইদেলগী কান্নবা পীরে। মবম অসিদগী শিলংগী মীওইশিংনা ওল্লিরেগী মতমদগী বিদন জলপ্রপাত হায়না কৌনবগুদু তোক্লগা হৌজিক্তি "সোনা পানী" (সনা ওন্নবা ঈশিং) হায়না খঙনখ্রে।

ডিব্রুগড়দা চহী মঙা

শাল, গোভর্মেন্ট হাইস্কুলদা মেট্রিক পরীক্ষা পাস তৌরবা প্রবেশিকা পরীক্ষা পাসবা হৌরো খুদঙ্গম্লে। মেট্রিক মচা মথক্তা উচ্চ পরীক্ষা থমিল্লগী মচু না কাম্লন। অদুমক্তা পোজিসন ওইবা মইহৌশিং [illegible] অহানবগী চহী [illegible] সেকাপলা [illegible] পোজিসন [illegible] সিভিল [illegible] [illegible] পোজিসন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পোজিসন [illegible] ওইরিবা [illegible] ডিব্রুগড় মেডিকেল স্কুল [illegible] সেকাপলা খনখিবনি

ডাক্তর চৌবা সিংহ, ডা. মৈরাঙথেম এলোপাথিক লাইরিকগী অহানবা স্কুলসি ডিব্রুগড়দা লৈরম্বা জাহৌ বেরি হুইট মেডিকেল স্কুল হৌখিবা আসামগী অমত্তা লৈবমদে। ইংলেণ্ডদা ই. ১৮৩৪ গী জনগী ৫ দা পোকখিবা জোহন বেরি হুইট হায়বা নুপাসি ইষ্ট ইণ্ডিয়া কম্পানীগী মখাদা চহী ২৮ চুপা মেডিকেল সার্জন ওইনা থবক তৌরম্মী। ই. ১৮৮২ দা থবক্কী পোন্থখি। মহাক্না কম্পানীগী থবক তৌরিদুনা ই. ১৮৭০ গী সেপ্তেম্বর থাদা কলিকাতাদগী ট্রিন তৌদুনা লাক্লগা ডিব্রুগড়দা থুংলখি আসাম বেলের ত্রেদি কম্পানীগী সিভিল সার্জনসু ওইনা মতম খরসু থবক পুরম্মী। বেরি হুইট রোয়াল কলেজ অফ সার্জন লণ্ডনগী মেম্বর অমা ওইরদুনা অর্মিগী ব্রিগেদিয়ার অমসু ওইরম্মী।

Old Berry White Dispensary Building

মহাক্না ডিব্রুগড়দা লৈরিবা ডিস্পেন্সারি অসি [illegible] মদু ওইনা মসমদি ডিব্রুগড়দা লৈরিবা, [illegible] মা ওইশিনগী মোদর্ন এলোপ্যাথিক মেডিসিন [illegible] লি হৌরি। [illegible] পাম্বরক্নি এলোপ্যাথিক মেডিকেল স্কুল [illegible] বাজার মফমদা লৈরিবা ডিস্পেন্সারি অসিদগী স্কুল [illegible] লৌবা মশাগী লেজরা [illegible] ১০,০০০ [illegible] স্কলসিপদগী [illegible]। (Diamond Jubilee Souvenir 1947 2000) ডা। জোহন বেরি হোয়াইট [illegible] ১৮৯৮ [illegible] থাদোকখি। মহাক্না লৈখিদ্রবা মতুংদা [illegible] ১৯০০ [illegible] বাজার মফমদা লৈরিবা ডিস্পেন্সারিসিদা [illegible] (The Stablishment of the Time Berry white Medical School at the Graham Bazar area of Dibrugarh in 1900 A.D. Open the opportunity of imparting modern Allo pathic Medical Education in the whole North East of India. Diamond Jubilee Souvenir 1947 2001) [illegible] ডা। জোহন বেরি হোয়াইট [illegible] কম্থোকপগী [illegible] কাওহনদনা লৈরি।



Dr Betty White

ডিব্রগড়দা লৈরিবা লেডি হ্বাইত মেডিকেল স্কুলসি কলিকাতা য়ুনিভরসিটিগী ১২দা এফিলিএসন তৌরি। মতমদগী স্কুলসিদা কনান হেড ওফ দি ইনষ্টিটুসন ওইরম্বগে। হায়রগা মরমদদি করিগুম্বা দোকমেন্ত [illegible] ফাওরে যা বা ওনদ্রে ব্রিটিস ডিপুটি হায় কান্মসং কলিকাতাদা চিঠি ইদুনা [illegible] ওইরম্মু [illegible] পুম্নমক্সি [illegible] লেডি হ্বাইত [illegible] স্কুলসি [illegible] ১৯৪৭ [illegible]

[illegible] মেডিকেল কলেজ [illegible] Prof H C K[illegible] M D D M Cardiology [illegible] Prof Nripen G[illegible] M D Radio Diagnosis AMC [illegible] Souvenir [illegible]



Vice Pricipal (AMC)



Superintendent (AMC)

Ramnent of B W Medical School
(currently occupied by District Health Authority Dibrugarh)

কমলনা বেডি হুাইত মেডিকেল স্কুল, ডিব্রুগডদা লাইসেনসিয়েৎ মেডিকেল প্রেকতিসনব (এল এম পি) তম্না চৎপসি ই, ১৯২২দনি। চহী মরিগী কোর্সনি এল এম পি তম্বদা মণিপুর সরকারনা থা থাগী ওইনা স্কোলারসিপ লুপা ৩৫ (লুপা কুন্থামঙা পীরম্মী।

MANIP : STATE

[illegible]

scholarship [illegible]

2 [illegible] 35

3	Paid Supdt Berry White Medical School Dibrugarh, scholarships of Abdulali, Holchow Hangolon and Komal Singh for the month of October 1922 @ 35/ each	140	
4	Paid Principal Veterinary College Belgachia scholarship of Raushanali for October 1922	35	
5	Paid RK Alimpurak Singh his scholarship for October 22.	25	
6	Paid Waikhom Chauba Singh his scholarship for October 22	25	
7	Paid Principal Dacca Engineering School Dacca scholarships of Atollal Singh, Gaurhaman, Golampat and Tikendra Singh for October 1922 @ 35/- each	140	

State Government Educational Scholarship 1922

ডিব্রুগড়দা কমলনা এল এম পি তম্বা চৎপা মতমদুদা মশাগী চহী ২২মপুং ফাগদৌবে। ইনখৎলকপা, নহা ওইবগী অপাম নুংশিদা ঈখৌ লাংবনা থম্মোযনুংদা খাইদাংজবা মতমনি। থোইদোক্না মহৈ তম্বা চৎপগী অবাবা, নুংঙাইবগী তাঞ্জাদুদা পোক্পফম লমদম লাংথবালদা মতমদুগী মাগী শাগৈ জাৎপু হম্বুবা মওংদা খনবিখিবদু কাওবা লৈখিদে। লৌনা-লৈনবা, হিদাকফু ফিদা তিন্নবা য়াবা যাদবা জাৎ-বিজাৎকী অনেম-অবাংনা মীওইবগী মবক্তা লৈবিবা শকউদ্রবা থম্মোযনুংগী নুংশিবদা অচৌবা পল অমওম লৈনহনবসি কমলনা নুংঙাইজবমগদৌবা মান্দে। নুংহিক্লবা থম্মোযনা লৈকায অনকপদা লৈহৌবী কনাওম্বী শকহেনবী নুজা মাবুদি কাওবা লৈখিদে। থবায তানা মীতাজখিবী নুজাদুগী হাক্তক্তা থম্মোয লকানুংদা মতমদুগী সমাজবু শীংননিংবগী আশা অমা তৌখিববা হাযবসি খম্নুনিংঙাই ওইবি। কমলনা ধর্ম্ম হাযবসি অকক্লবা চৎনবীনা পুল্লবা পোৎশক অমওম্না লৌখিদে। চৎনবী হাযবসি মচিন-চৎপা অঙম অথৌ থবগী খুদোংচাবা অপাম্বদগী শেম্বনি হাযনা খনখি। যক্লা মকওইবিবদি মীওইবনা মীওইবগী মবক্তা লৈনবিবা নুংশিবগী মবীদুনি মহাক্না ঈখৌলাংলিবদি। অদুবু জাৎ-বিজাৎ, অনেম-অবাংগী চৈখলনুংদা খোযদাজখিবী অমগীদমক মীবা মীশা লাংজখি।

নুজাদুগী মহাকথক্তা কমল মখোঙ-মখুৎ পুশিনবিববা মীওই হায়বদু ওইখি। লৈকায অনকপা ওইখিবনা চুম্নতা নিনফুং-নিনফুং ঙাংনবম্বদগী মশামকসু তাবা ফংখি। উপায লৈখিদে, মহৈ তম্বদি চৎপা তাখি। মাধবী উপন্যাসকী "খাইনবা" হাযবা পন্দুপুদা যাওবা বাহৈ—"হযেংদগী হৌনা ঐহাক মীবৈবাক্তা চৎতুনা চহী মঙা-তরুক লৈরুবা তাবে, ঐনা হল্লকপা মতমদা ঈবেম্মবু য়ুম অসিদা অমুক হন্না উবা ফংজগনি হাযবা কযা থাজদে" (মাধবী ৩১ ১৯৬৭) হাযনা পল্লমলিবসি পাখঙ কমলগী থম্মোযগী খোল্লাংলা হায়বদু চিংনদবা ঙমদে।



View of Maijan Ghat Dibrugarh Assam

বেডি হাইত মেজিকেল স্কুল ব্রহ্মপুত্র তুরেল তোর্ব্বান্দগী খাবোমদা কি মি ২/৩ লোম লাপ্পা লৈ। স্কুলসিদগী নোংপোকলোমদা কি মি ৪/৫ বোম লাপ্পা চৎলগা মাইজান খুল লৈবে। খুলসি ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী খোংনুংদা লৈবম্বনি। মাইজান খুন মৈতৈগী খুঙ্গং ওইনা লৌনবম্মী। মৈতৈমচাশিংনা ডিব্রুগডদা মেডিকেল তম্বা লাকলিঙৈদা খুলসিদা খোঙনা চৎথোক-চৎশিন তৌনবম্বগী বাবী ঙসিসু লৈহৌবি। খুলসিদা মৈতৈশিংনা মরুওইনা খুন্দাবম্বগী মবমদি ইষ্ট ইন্দিযা কম্পানীগী মখাদা বেলবে অমসুং চা বাগান্দা থবক তৌবম্বা মীওইশিংনা অযাম্বনি। হৌজিক্তি খুলসি ব্রহ্মপুত্র তুরেল তোর্ব্বানগী রাংমদা লৈবে। মৈতৈ য়ুম্নাক অনীখকতং লৈ। সুম্নতগী য়ুম মবিখক্তা ঙাইবে। থেংমাইজম অমসুং হাওবোংবম যুম্নাক অনীসিগী য়ুম অনী অনীনি। খুন্দুদা লৈহৌবা হাওবোংবম হেমন্তকুমাব সিংহ (৭৫) না পাউদম্বীবকই। খুলসি খুন্তাকখিবগী মবমদি ইং ১৯৫০ দা অপব আসামদা অকনবা যুহাব অমা হাপ্পবা মতুংদগীদি ব্রহ্মপুত্র



H Hemanta Kumar Singh
Manjan Village Dibrugarh

তুবেলগী ঈচেল থৈবক্তুনা মাইজান খুল মাংহন তাকহনখ্রে। লাই বক থীবা থৌদোক্তুদগী মানা মানা থোকপা শাফগদবা মফমদা খুন্দা লৈত্তাকনবা হোংনখ্রে। ঙসিদি খুলসি মমিংতগী ওইনা মাইজান ঘাট হাযনা লৈহৌবে। মতম অমদা ইষ্ট ইন্দিযা কম্পানীগী মখাদা লৈবম্বা মাথোলা টি ইষ্টেৎ হাযবা চাওববা চাগী বাগান অমসু ব্রহ্মপুত্রগী ঈরোলনুংদা লৈখ্রে হাযনা তাকপিরকই।

মাইজান খুলসিদনি কমলগী কাযববা থম্মোযনা অনৌবা লংলা লংজিল পুথোক্লবা থম্মোযগী মৈচাক ফাথজনবা হোংনখিনা। ছুটি লৈনা মতমদা ব্রহ্মপুত্র তুবেলগী কল্লবা ঈচেলবু যেংজবা মৈতৈশিনা খুন্দা লৈত্তাবিবা খুঙ্গংশিংদা চৎনিংবগী ঈথৌলাংবা পেত্রুমগনি। মহৌশাগী মজ্জা, অকোমলগী শক্ত খু যেংজবদা পেনজবা, নুংমিদাংবাইবমদা ডাঙ্ক্রাংনবা নুমিৎকী



Sunset View of Brahmaputra River at Dibrugarh Assam

মশেক্লা ব্রহ্মপুত্র তুবেলগী ঈমাইদা যৈবগী ফজবা, লিবী-লিবী হুম্বা নামিবা নুংশিৎনা ঈথক্তা যৈবদা কবিগী থম্মোযনুংদা নুংশি ঈখৌ লাংলমলোই হাযদনিংঙাই লৈতে। থেংনবমগনি, শোযদনা তুবেলসিগী তোর্বান্দা চন্দ্রপ্রভাগা (মীয়ান্নদি প্রভা) হাযনা কৌনবীসিগা। প্রভা মশক মতৌ ফজৈ, মমায কোযদানৈ, কুচু ঈ-থাংনা ঙৌই, মশম মনা ফৈ। মতাংসিদনি কমলবু অখণ্ড-অহৈ খবনা "কমলদি ফজবদা ঙাওই" হাযবসিমক থোযদোক্লা লানগদবা মানদ্রে। সংস্কৃতকী শ্লোক অমা নীংশিংলকই "সত্যম শিবম সুন্দবম " হাযবসি কমলগী মীৎযেংগদি খবা খেন্নবগুম তৌই। মাগীদি সুন্দবমদগী হৌবগা সত্যম, মথংদা শিবম লোমদা মীৎযেং থম্বগুম তৌই। ফজববু উকবগা থম্মোয ফাথবা ঙমজদে। অসিদসু নত্তনা ফজবা থীবসি অবাপ্পদা চৎপগী অপাম্বা লৈতে, অনকপদা লৈবিবদু উরুবগা থম্মোযদা মিতাজবা লৈ। মসিমক্লা পুন্সিগী অহানবা শকক্তা মথোৎ কাবকপি কনাগুম্বী ঈং তপ্লবী নুজা অমা মাগী পোক্লফম লমদম লাংথবান্দা থম্মোয খোযজংনা মিতাজখিবনি। অদুবু মতমদগী চৎনবী সমাজনা মাগী শাগৈ-জাৎপু অনেম্বা থাক ওইনা লৌবিখি। জাৎ-বিজাৎ খাযবগী চৎনবীনা পল ওইনা লৈখিবদগী কমলগী থম্মোযনুংদা খাঙঙমদ্রবা মৈশা অমসু ফাওজখি।

ইং ১৯৮২-১৯৮৩ গী অদুবাইদনি। নোংমা উবিপোক্লা ওঝা নোংথোনবম কুঞ্জমোহন সিংহগী ময়ুমদা লৈবিঙৈদা মীওই মীতৌ বাং-চাওববী নুপী অমা থেংনখি। নুমিৎতুদা নুপীদুনা খবা শাওবপ্না কবি কবিনো, ওনবসিপ বাইত তানগনি, কেস অমা তৌগনি হাযবগী বাফম ফোঙদোক্লকপগুম তৌদুনা ঙাং শকই। ওঝানা মোংহাদনা থেমজিল্লবা মতুংদা তুমিন্না চৎখি। ঐনা খঙনিংমনখ্রদুনা ওঝাদা হংলুবদা ঙ কমলনা লৌবম্বী ডিব্রুগডদগী মৈতৈ নুপী প্রভা হাযবীদুনি হাযনা তাকপিখি। নুপীদু চহী ফনা যান্না লৈশিল্লে, মশক মতৌদি অদুমক ফজবি, মশম-মনা ফবি, চুং-ফিবাল চাই, কুচুদু ঈ-থাংনা ঙৌই, মমাইদু কোইদানৈ। শন্না হাযববদা চপ চাবী নুপী অমগী শাবান, মওং মতৌ থাবকপদা চংখোল্লি হাযবা তাই। শকহেনবী নুজাসিদনি কমলনা অমুক ঙাওজখিবা, অতোনবা, তোন্দবা জাৎ-বিজাৎ হাযবদুগী বাংমদা বাখল লীশাং থাদুনা পুন্সিগী লোইনবী ওইজগে হাযনা খল্লমগনি। অদুবু কমল প্রভাগীদমক মতমদুগী সমাজগী কল্লবা মীৎযেং অমদি মাইযোক্লবা তাখি।

প্রভাগী অপোকপগী মমিং থোকচোম তাম্রধজ্ব সিংহ, অপোকপীগীনা হাওবোংবম নিংঙোল সাবিত্রি দেবী কৌই। তাম্রধজ নোর্থ ইষ্ট ফ্রোন্টিযাব বেলবেগী পুলিসনি। প্রভাগী মচিন মনাও অহুম সুই। নুপীনা অহলনি মমিং ভাবীনি, মথংদা প্রভা অমসুং



Yengkhom Onghi Konthoujam Naagol Hemabati Devi Yaiskul Imphal

মৈপ্পাক্পা নন্দকুমার অসিনি। অপোকপা অপোকপী অনীসি লৌনা লৈনখিবগী মতাংদা ঈ মরীদা খবা নরকুমারগীদমক মতমদগী খুঙ্গাংশিংগা মখোয়গা নুংশিনখিদনি। পাবীসি ডিব্রুগড়দা লৈরম্বা ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পানীগী চা বাগান (মাখোলা টি ইষ্টেৎ) তা হেদ ক্লার্ক নম ওফিস সুপরভাইজর ওইরম্বা কোন্থৌজম নীলমণি সিংহগী অমঙা পোকচরী মচানুপী হেমাবতী দেবীনা লাকখিরম্মি। হেমাবতীগা প্রভাগা শাতান হেন মান্নবী ওইবরকই হেমাবতী দেবী লমলমসিগী মীয়াম্না শরখত্নবা ভাত্তর বেংখেম ভাগ্য সিংহগী লোয়নবীনি। মহাক ইংলিশতা নোংমা মচা হেরম্বা বাহেংনম ওবী যুগে শবী দেবীগা লোয়ননা বাবা বাখোংশি অসি হংজহৌবনি।

ডিব্রুগড়দা এল এম পি তস্কসি শুপ্পগী চহী মরিতমক চংগদরনি। অদুগা কমলদি চহী মঙা চংখি। অষ্টম শুবা চহীদা তম্লিঙৈদা অপোকপী মমা লৈবিক দেবী মতমদুগী লাইনা লাইচৎ ওইখিবা খোঙহাম্বা (কালেবা) দগী কনবা ঙমহৌদনা পুক্নি লোমখি। অপোকপী মমা লৈখিদবগী পাউ তাবদুনা পোক্নফম লমদম লা খবান্দা মমাগী মখোয় মঙম পাঙখোকপা যাওবা লক্রম্মী। মমাগী সোনাং লোয়ননা মতুংদা নোংমা কমলনা ডিব্রুগড়দা হন্দ্রিঙৈদা থবায় তানা খোয়দাজখিবী সোবাম নিংথৌল বিধু দেবীগা উনরমখি। মতাংসিদা ঐগা (অইবা) বিধু দেবীগা ইং ১৯৭৩ গী অগষ্ট থাদা ইন্টর্ভিয়ু তৌজহৌবগী বাবোল খবা।



Soram Ningol Bidhu Devi Lilong
Chajing (Manipur)

বাহং ঃ লমাবম কমলনা মাধবী উপান্যাস হায়বা অমা ইবল্লিবসি ইনেগী মবমদগীনি হায়নৈ চুম্ববা?

পাউ ঃ হোয়, ঐসু অদুম্না তায।

বাহং ঃ বাবীদুদি তাববরা? কমদৌই?

পাউ ঃ তায, মীনা পাবগা তাবনি, যাম্না নুংশি।

বাহং ঃ মহাক্না (কমলনা) কবি কবি ইনেদা হায়বম্বা লৈবগে?

পাউ ঃ মানা মীবৈবাক্তা লাইবিক তম্বা চৎখিবা মতম অদুদা ঐখোয মযাম লৈপল মকমদা কিকপ কিকপকাসু যেংলিপোৎনি। লাইবিক তম্বা চৎখ্রিঙৈদা মমা লৈখিদ্রে। মমাগী সোবাৎ নংল্লবা থোক্লকই। সোবাৎকী থোক্লকপদুগী হল্লমদাইদা নোংমা নুমিদাংবাইবম অমদা লাইবিক তম্বা লোইগদবা কুইদ্রে থোক্লকপা ফাওবদংদি ঙাইবিবম্মু হায়বম্মী।

বাহং ঃ মীনা ঙাইবিবম্মু হায়বম্নগা কবিগীনো নংহৌবোইদৌবগুম মাইবমদা ওংলিবসিদি?

পাউ ঃ ইবুংঙো মতমদু মতম অমনি হাযবা তাই। কবিনো শাগৈ জাৎ বাংই, বাংদে, নেম্মী, নেমদেগা অমুক্তোইবা মহানি। ঐখোযগী অহল লমনশিংনা লমাবমদা লৈববদি ফিবোল মৈ থাবা, চফু-উযাল ফাওবা থুগাইবনচিংবা তৌগনি হাযবসিদা ইমুংদা ফম্বা, ভুম্বা-চাবকা মফম মবাং খঙপোৎ নত্তে। হাযফম খঙদে। পাউদমফম খঙবা জাৎ নত্তে, কন্নাদা কবি পাউ থাকনি। ইতোমতা কয়াদি বায। মতমদুদা সোবাম কাঙবুনা লমাবম কাঙবুবু হীদাকফু ফিদা তিন্নবা যাদে, অতোনবা শাগৈ জাৎকুম্না লৌনবম্বগী পল অমা লৈবদৌনা তৌনবম্মী। হৌজিক্কা ওইবম্লবদি কবিসু চিংননিংঙাই লৈতে। অহল-লমননা ঙাংমনবদুদা মওল মওল খল্লি। চহী অদুমক্তদা মাইবমদা হাযন-শীংনদুনা যুম পাল্লকখিবনি।

বাহ' ঃ ইনেনা যুম পাল্লবা মতুংদা কমলগা অমুক্তা ফাওবা থেংনখিদ্রববা?

পাউ ঃ থেংনদ্রে, মাদি মযাংনুপী (মপান্দগী লাকপা মীবু মযাং ওইনা খনবা) অমা পুথোক্রকই হাযনা তাখি। চহী ৬/৭ লোম লৈবম্লগা, ইস্কূলদা মাগী কার্টবদা শিবমলে হাযনা তাখি। (ডা কমল খোঙ্গুল লীবা, এপ্রিল ১০ ২০০০ সঙাই এক্সপ্রেস)

কমলনা ডিব্রুগডদা লৈবিঙদা মকুপ মপাংশিংদগী থবাযনা তাজবম্মী মহাক্কী মপাউ শোয়দনা তাবমগনি। কাযববা থম্মোযনা অনৌবা আশা অমগীদমক থৌবাং তৌবমগনি। মতাংসিদা প্রভাদা থম্মোয়গী লংলা লংজিল অমুক থাকনসু ওইবম্বা যাই। লৈকাযনা খুলনা ইম্োক্তুনা থম্বীববী শকহেনবী নুজাদুদা খোযদাকবিবা। পোক্লফম লমদম লাংথবান্দা মাগী শাগৈ-জাৎপু অতোনবা ওইনা লৌবিখিবদু নীংশিংলমগনি। অতোনবগা অতোনবগা, শোক্ল-শম্লবা চাবৌ মৌনৌনবদা কবি কাযবগে হাযবদু খল্লমগনি। মসিমক্কা প্রভাবু লৌকবদা থেংনগদবা অবাবা চৈনা কযামকম থেংনগদবদু মাইযোক্লবগে হাযনা খল্লদুনা মতমদুগী সমাজগী চৎনবীদা শীংনখিববা হাযবসি খঙ্ঘনিংঙাই ওইবি।

অপোকপী মমাগী মথৌ মঙম পাংথোকপা যাওবম্লগা ডিব্রুগডদা অমুক মহৈ তম্বা চংখি। ডিব্রুগড যৌবগা কলাজাবনা নাদুনা অবোইবা চহীগী পবীক্ষা থাবা যাওবা ঙমখিদে। মবম অসিদগী কমল ইং ১৯২৫ দা এল এম পি তম্বা লোইশিনগদবদু ইং ১৯২৬ তা লোইশিল্লকখি।

MANIPUR STATE

To The Resident Manipur State Darbar

Name of work Educational ...

Education 222

13

Scholarships

1		Paid ... [illegible] scholarship ...		35
2		Paid ... [illegible] scholarship ... 1926		
3		Paid ... Medical school ... scholarship ... Kamal ...		
4		Paid ... [illegible] scholarship ... 1926		35
5		Paid ... [illegible] scholarship ... 192		
6		Paid ... [illegible] scholarship ...		

State Government Educational Last Scholarship 1926

লৈকায়, খুলনা ইম্থোকপীববী প্রভাদা কমলনা নুংশি যেন্নিং অমুক নৌনা চোংজখিবনি। সমাজগী মীনোক মৈশা, মীচৈ নাচুংবা লৈখিদ্রে। প্রভাগী ইমুং মনুংনসু কমলবু থোইদোক্না পান্নমগনি। মবমদি, লৈকায, খুলনা নাথৈদুনা থম্বীববী নুজা অমবু অনৌবা আশাগী মযোল চোংহললে খল্লমগনি। লৈমাযদা চোইনা তাববী তনৌ তনৌববী শকহেনবী শিঙেল অমবু খুনগৎতুনা সমাজলক্তা তিলহন্নবগী থৌবাং তৌবদা যাবোইদৌবগী মবম লৈতে। কমলনা প্রভাবু চেন্দুনা লৌন-লৈনখি। বাথোক ওইববা থৌদোকসিগী মতাংদা মতমদুদা ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পানীগী চা বাগান (মোথালা টি ইষ্টেৎ) কী হেদ ক্লার্ক কম ওফিস সুপরভাইজর ওইবম্বা পুকচেল চাওববা মৈতৈ মচা কোন্থৌজম নীলমনি সিংহনা চা বাগান্দগী মী থাবক্তুনা প্রভাগী মযুম মকৈ শেমজিন শাজিনবীখি। নীলমনি সিংহ মতমদুগী মীযাম্না ইকায খুম্নবা মীশক অমসু ওই। মহাক্না কমল অমসুং প্রভা অনীগীদমক্তা পাম্বোম তিংখি। লৈবাক মীযাম্না চিংনবিনদু কোকজবগীদমক মহাকপু (নীলমনিবু) লাইমিং লৌবিবকখিবা ব্রহ্মান গোসাই (Spiritual guide) অমনা প্রভাগী ইমুংবু শেংদোকহনখি হায়না মচা ইবেম্মা যেংখোম ওবী হেমাবতী দেবীনা বাবী লীবিবম্মী।



Konthoujam Nilamani Singh
Mothala Teaestate Dibrugarh

প্রভা লুহোংবদা নীলমনিনা মাগী হেক পোকচবী মচা নিংথোলওম্না মহাক্না ওমজবা অওং-অউনবচিংবা বযা তম্বীখি হায। নীলমনি সিংহ পুকচেল চাওবতা নত্তুনা সমাজ সংস্কার তৌনিংবগী অপাম্বা লৈবম্মসু যাই। সমাজ অমদা লৈমিন্নবিবা জাতি অমগী মনুংদা মাংলমচৎত শোযখিবা খবদংনা তুংলমচৎবী পুক্সিবোল কয়াদা অবাবা মাইথোক্লগদৌবিবদুগীদমক নুংনাংবা ফাওবমগনি অসিগুম্বা থৌদোক অসিগীদমক নীলমনিনা মাইথোং যাখিবসু ওইবম্বা যাই।

কমলনা ডিব্রু গড়দা লৈরবসু অপোকপী মমাদুদি শক কাওবা লৈখিদে। লমদম তাম্না লৈহৌবনী পোক্লফম লমদম লাংথবান্দা লৈখিদ্রবী মমাগীদমক ব্রহ্মপুত্র

তুবেলগী ঈচেলদা গুমজবা হৈবাং লৈবাং খবদংনা তর্পন কৎচখি। অপোকপী মমাবু মমিৎতা উবকপগুম তৌদুনা, মীৎলু পীবাংগা লোযননা কৌজবগা তেংথাজখি। মাগী তেংথা শৈবেং অসিবু "মাতৃ তর্পণ" হায়না মিংথোল্লি।

অবেপ্পা নাইদনা চেল্লিবা,
হে ব্রহ্মপুত্র পুকচেল তপলবা,
কৎচবিবা হৈ-লৈসি নংগী গর্ভদা,
শিন্নবিবমুকো ইমাগী খুযাদা।

(লৈপবেং ৩৫ ১৯৬৩)

ইং ১৯২৬ তা এল এম পি গী অবোইবা পরীক্ষা থাবল্লগা প্রভাগা লোযননা মণিপুরদা থোক্লকখি। প্রভা লৌকুবগীদমক কমলবু মণিপুরদা চংহনবিগনু হায়দুনা ডিব্রুগড়দা লৈবা মৈতৈশিংনা চুড়াচান্দ মহারাজদা ইম্থোকপিন্নবা চে থাবকখি। মতাংসিদা বাহং খরা থোক্লকপগুম তৌবি। কবি মবমগীদমক মৈতৈ মচা অমনা মৈতৈ চনুবা অমবু লৌকুবগীদমক ইম্থোক্লবগী বাফম পল্লকলিবসি কবি মবমগীনো হায়বসিনি। লৈখিদ্রবা য়েংখোম ভাগ্যসু ডিব্রুগড়দগী মৈতৈনুপী কোম্থৌজম নিংঙোল হেমাবতী দেবীগা যুম্মানবগী লম্বীদা খোঙদামিন্নখি। মখোযবুদি কবিগী ইম্থোক্লবগী চে মহারাজদা থাবকত্রিবা? কবি কবম্বা হাযদোকপা যাদবা বাফম লৈববনো হাযবদু থীজিল্লবদা থোইদোক্লা অবাবা অমদি মাইযোক্লবে। অমবু ওইবো, অমবু ওইবো, মতমদুগী সমাজদু ধর্ম্মগী চৎনবীনা পুনশিল্লবা হাযবদুমদি ওইবি। অসিগুম্বা চৎনবীসিনা কমলগী থম্মোয়বুদি কোনশিনবা খক ঙমখিদে। লান্না থাজনবী, সমাজগী চৎনবীবু কমলনা শেমদোক্লিংবগী অপাম্বা লৈখিবা মাল্লি। জাতি ভেদ খাযবগী চৎনবীসিবু কন্না যানিংখিদে হায়বদু মাগী বাহৈ - "ঐগী অশিবা হকচাংসি অমাংবা নুপী প্রভা লৌকুবগীদমক পোৎলোইদ্রবনি হাযদুনা পুমদুনা লৈসনু নুপীসি থাদোকলোই মদুনা সমাজগী শিক্ষা অমা ওইসনু" (সাহিত্য ১৯৭৬ ৩০শুবা মশীং) মবৌলৈবা বাহৈ খবসিদগী কমলনা কবি পাম্বগে, তুংগী মীবোলশিংদা কবি কবম্বা বাখল্লোল খম্থহনবগে হায়বদু তাকলি। মীওইবা সমাজদা তৎতনা চেম্থবক্লিবা চৎনবোল কযাসি মতমগী মতুংইন্না অহোংবা অমদি শোযদনা লাক্লগনি হায়বদু তাক্লমলিববা? নৎত্রগা জাতি মশেলগী মনুংদা কনানা চাওবা, পিকপা, তোনবা, তোনদবা হায়বদু মাগী মীৎয়েংগী বাংমদা লৈবদৌনা খনখিবজাৎলা হংনিংঙাই ওইবি।

কমলগা থৌমু-নাউমু ওইনা এল এম পি তম্মিনবকখিবা যেংখোম ভাগ্য সিংহনা মাগী লোইনবী হেমাবতী দেবীগা লোযননা মণিপুরদা থোক্লকপদা কমল অমসুং প্রভা কাংপোকপিদা লৈবম্বা থেংনখি হাযবম্মী। হেমাবতীনা 'তা-কমল কবিগীনো মফমসিদা লৈবল্লিবসিদি' হংজক্কই। কমলনা মোংহাদনা "ইবেম্মা ডিব্রুগডগী মৈতৈশিংনা নচেসিবু লৌকবগীদমক চুডাচান্দ মহারাজদা মণিপুর তম্পাক্তা চংহনবীগনু হাযদুনা চে-অমা থাই হাযদুনা মফমসিদা মতম খবা পল্লমলিবনি" খুমলকখি। কাংপোকপিদা মতম খবা লৈবল্লগা মযুম লমদম লাংথবালন্দা লাকখি। লৈবাক নিংথৌগী চৈবাক কিবদগী অপোকপা মপা ইবুংঙো যাত্রানসু মচা অহলবু লৌশিনবা ঙমখিদে। বনবীব সাকংবগী লোন্দাদা —"লৈবাক থৌপুবনা ইহোকপৈ মপানসু ইহোকলি। মচাই বা মনাদা হাপ্তে" (ফিবানঃ ৬৪ ২০০৬) অহানবদদি মযুমদুদা মীতোপ অমা থুংলবদৌনা মমাং শঙ্গোযদা খাজিন্দুনা লৈহল্লি। মতম খবা লৈবগা মপানা লৈবিবা যুমজাওদুগী মখা থংবা শকক্তা ইনা কুপ্পা গুরু শঙশা (জগমোহনগী মণ্ডং) অমদা লৈবম্মী। অদুবু কমল মাগী পোক্লফম লমদম লাংথবালদা মতম কুইনদি লৈবা ফংখিদ্রে।

[illegible] A [illegible] TI[illegible] [illegible] (ANIPU[illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] 1 [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] t

[illegible] Jchr[illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] Sing[illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] Sor [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] "

[illegible] Chura [illegible] "

1. [illegible] [illegible] temporary, [illegible] [illegible] for the [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] from 2 to January, 1 2, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible]ctioned [illegible]1,?00 for a new Inspection [illegible] [illegible] [illegible] provision being made [illegible],000 fro[illegible] "[illegible] Godown at [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

3. Sanctioned the transfer of Rs.150 from "Contingencies" to "Travelling Allowance" in the Veterinary Budget for the current year.

4. Considered the petition of Maribam Golal Singh, Chera Golaipab for a retiring gratuity.
   Gratuity of Rs.210 was sanctioned.

5. Considered the petition of Laoi... ...oudubam Singh and ... of ... to start a bazar in their village.
   Petition was forwarded to Land Revenue Office for enquiry and report.

6. Consider... Civil Surgeon's Memo No. 1.., dated 29th January, 1..., forwarding the petition of ... ... passed the final examination of the ... ... for service in the State.
   Durbar wished to appoint Kamal Singh, with effect from next financial year arrangement, to be made ... ...

Dr Kamal as a State Medical Officer, 2nd Feb ,1927

... ... 1t.
... ... 1 /

Present

C. ... ...
... Meithem ... ...oubam Singh ... ...
... ... Chubam Singh
... ...
... ... 1 ...
... ...

1. Considered Private Secretary's Memo No. 14.., dated 7th February, 192., regarding ... ... of ... 1927 - appointment of Kamal Singh ... ... Doctor.

Dr Kamal as a State Medical Officer, 16th Feb , 1927

PROCEEDINGS OF A MEETING OF THE ... 23rd

... 1927.

---

resent

C. .. Crawford, Esq., I. C. S.,	President.
N. K. ...ubra Singh Senapati	Ordinary Member.
Nongmaithem Tombouba Singh	" "
Maibam Samden Singh Major	Additional "
Haobam ... Itambar Singh	" "
Laisram Chura Singh	" "

1. Read His Highness's Memo No. 1511 . I-I, dated 21st February, 1927, approving Resolution No. 6 of 2nd February, 1927 ... appointment of Kamal Singh as a doctor.

Dr Kamal as a State Medical Officer, 23rd Feb ,1927

ইং ১৯২৭ কী জানুবাবীগী ২৯ দা মণিপুব ষ্টেট সারভিসকীদমক মেমো নং ২৫৯ চন্দুনা কমলনা দবখাষ্ট থাখি। অদুবু মথংগী ফাইনান্সিএল ইয়াবদা তৌগনি হায়বগী অযাবা পীখি।

তমেংলোংদা চহী মঙা

তমেংলোং ইম্ফালদগী অৱাং নোংচুপ্তা লৈবা চীংনুংগী ফজববা খুলনি। খুলসিদগী লোইবোই লোইবোই নোংচুপলোমদা হুইথখিবা চীংগী নাপোমশিংনা ববাক তুবেলগা থেংনরুবি। চীংগী চীংমাই নাপোম খুদিংদা মৌবী ৱানা কুপশিল্লি। মীহৌবোলদগী বোংমৈ জাতিশিংনা তমেংলোংবু "ইনবিয়াংলোং" হায়না কৌনবকই। অদুগা লিয়াংমৈ জাতিনদি "তাবিয়াংলোং" হায়নসু খঙনবকই। তমেংলোং হায়না মকওইনা কৌনরকখিবসি মৈতৈশিংননি হায়না Prof Gangumei Kamei না (Tamenlong 2000 A D) দা পল্লি। বোংমৈনা "ইনবিয়াং"বু = (ৱা) হায়নৈ, "লোং" বুনা = (চীংগী চীংমাই/ চীংগী নাপোম্বু) খঙনৈ। অদুগা লিয়াংমৈশিংনা "তাবিয়াং" বু = (মৌবী ৱা), "লোং" বুনা = (চীংগী চীংমাই। চীংগী নাপোম্বু) খঙনৈ। অসুপ্না ওইনা মৌবী ৱা মবাং কায়না হৌবা চীংগী চীংমাই নাপোম্বু তমেংলোং হায়না কৌবনি। চুড়াচান্দ মহাৱাজগী মতমদা লৈবাক ঙাকলোন্দা খুদোং চান্নবগীদমক তমেংলোংবু অৱাং নোংচুপ থংবা সব-দিভিসনগী সেন্টব অমা ওইনা খঙনবা হৌবকখিবনি। মৌবী ৱানা মবাং কায়না হৌবা চীংগী চীংমাই। নাপোমগী খুল ওইবম্বসি ঙসিদি মপুং ফাববা দিষ্ট্রিক অমগী মমিং ওইনা লৈবে।

পৃথিবীগী অনীশুবা লাঙ্গাওগী মতুং ইং ১৯৬০ অদুৱাই ফাওবদা তমেংলোং চৎন্নবগী লম্বীসি মওং মবীল তাদ্রি। মণিপুবগী অহানবা এল এম পি ডাক্তব ওইখিবা থোকচোম গোবরধোন সিংহনা তমেংলোংদা পোষ্টিংগী খোঙচৎপু নিংশিংলদুনা অইবী বীনাপানী থোকচোম না অসুন্না —"Tamenglong was the worst posting of Dr Gobardhon's life" হায়না পল্লি— (And he opened the window, 25 2011)

ডাক্তব কমলবু ষ্টেট সবকাবগী সিভিল সার্জন অমা ওইনা থবক খনখিবা মতমদুদা মণিপুর অপুনবগী ওইনা হোসপিতাল মশিং ৪(মরি) অমসুং দিসপেন্সবি ৮(নিপাল) তমক লৈরি (Administration Report 1927-28গী ময়েক শেংনা পল্লি।

হোসপিতালসিং অদুদিঃ- ১) ইম্ফাল সিভিল হোসপিতাল,
২) পেলেস হোসপিতাল,
৩) মিলিতবি পুলিস হোসপিতাল,
৪) জেল হোসপিতাল।

দিসপেন্সবিশিং অদুনাঃ- ১) বিষ্ণুপুব দিসপেন্সবি,
২) মোইবাং দিসপেন্সবি,
৩) ককচিং দিসপেন্সবি,
৪) জিবিবাম দিসপেন্সবি,
৫) তমেংলোং দিসপেন্সবি,
৬) উখ্রুল দিসপেন্সবি,
৭) চুডাচান্দপুব দিসপেন্সবি
৮) মাও দিসপেন্সবি অসিনি।

ইম্ফাল মযোনমক্তদা লৈবিবা হোসপিতাল মবিসি ডাক্তব অমত্তনা থবক পুবম্বগী চৎনবী লৈবম্বগুম তৌবম্মী। অতৈ অথাপ্পা মফমদা লৈবিবা দিসপেন্সবিশিংদদি ডাক্তব অমমম লৈহন্দুনা অনা অযেক্কী লাইযেংবদা খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনবম্মী। মতমদুগী চীংদা মরুওইবা লাইনা লাইচৎতি মেলাবিযা অমসুং কলাজাবনা ওইবম্মী।

কমলনা সবকাবগী থবক ফংদ্রিঙৈদা মচানুপী অহল সোবোজিনী পোকলে। গুরু শঙশাগী য়ুমদুদা লৈবম্মী হায়না চোংথোম কালা সিংহ (৯৭) লাংথবাল কুঞ্জ ময়াই লৈকায়দা লৈবনা তাকপিবম্মী। কালা সিংহগা কমলনা লৈবম্বা য়ুমদুগা খা-অরাংনি। ইং ১৯২৭ কী ফেব্রুবাবী ২১ দা দববাবগী মিটিংদা কমলবু সিভিল ডাক্তব অমা ওইবগী অয়াবা পীখি। অদুবু ইম্ফালদা পোষ্টিং তাদুনা মতম কুইনা লৈবম্বদি ফংখিদে। চীংগী লমশিংদা মেলাবিযা অমসুং কলাজাব লাইনা লাইচৎ শন্দোক্লকপদগী কন্নবগীদমক তমেলোংদা পোষ্টিং পীবকখি। মতমদুদা তমেংলোংদা পোষ্টিং পীবা হায়বসি তশেংনমক লোই থাবগা অম্রানি। হায়বিবা চীংগী লমসিদা চৎপা হায়বসি অরায়বা অমদি নত্তে। তমেংলোংদা চৎন্নবগী লম্বীসি কাংচুপ্তগী চৎনবম্বা লম্বীসি

নত্তবা অতোপ্পা অমত্তা লৈবমদে। লম্বীসিগী অশাংবসি মাইল ৪৭ লোমনি। লম্বীসি মরুওইনা বৃটিস সিফায়শিংনা ইম্ফালদগী তমেংলোংদা চান-থরুবা পোৎ-চৈ পুথোক পুশিন তৌননবগীদমক শেম্নম্বা লম্বীনি। চৎথোক চৎশিন তৌবগী মওংদি শগোল শীজিন্নরম্মী। বাফম অসি গুসিসু অহল-লমনশিংনা বারী ওইনা লীনবি। কমলনা হোয়-মাই হায়দনা মহাক্কী অনীগুবা মনাওনুপা মাধবসিং অমসুং মগাগুবা মনাওনুপা ইবোতোনগা লোয়ননা তমেংলোংদা চৎখি। লম্বী থোংগী খুদোংচাদবা, খুলশিং লননা লননা খুন্দাবনা চীংনুং মাননুংদুদা অহিং অহুম মবিদি য়াবেরুদুনা চৎনবম্মী। খোংচৎসিগী অহানবা লমথুংফমসি কাংচুপ চীংথক্তা লৈবিবা বঙ্গলো অসিনা ওইবম্মী। বঙ্গলোসি মফমসিদা শাবম্বগী মবমদি বৃটিসকী পোলিটিকেল এজেন্টশিংনা কালেন থাগী মতমদা বেষ্ট হাওস ওইনা শীজিন্নবম্বনি। কুইনা লম্বীসিদা চৎথোক চৎশিন তৌনবক্তবগী খুদোংচাবা লৌদুনা বঙ্গলোসি ইং ২০০২ গী জুলাই, অগষ্ট থা অদুবাইদা শকখণ্ডদবা মীওই খবনা থুগাইদুনা মাংহনখ্রে।


ফনা য়াম্না চৎনিংদ্রবসু নাঙ্গোকপা য়াদ্রবা সবকাবগী ওবদবনিনা চীংমী ইচিল-ইনাও খবগা লোয়ননা লেংকোৎ-পোলাংদা পোৎ-চৈ পুবদুনা তমেংলোংদা চৎখিবনি। চীং অমা লাল্লগা ঈয়ে-তুবেল খোংবান্দা লৈবা মীথুংশঙ অমদা অহিং অমা লেকপা তাই। নোংঙানবগা ঈয়ে তুবেল তুংওইনবম্লগা নোংচুপ পাংনা চংশিল্লগা চীং অনী লাল্লবা মতুংদা হাওচোং খুল ফংগনি। হাওচোংদগী খবা কুমথবগা লুখম্বী ইন্সপেকসন বঙ্গলোদা নুমিদাং অমসু য়াবেক্লে। লুখম্বীদগী খবা কুমথবগা চীংনুংদুদা তম্পাক মচা মচা লৈবিবদু উরুবদা থোইদোক্লা পুক্লিং হুনিংঙাইনি। য়েংনিংথাগী মতমনগা ওইবগা হৌবিবা হৈপাল-লৈপালশিংদু উরুবগা কবিগী থম্মোয়দা কবিতাগী ঈফুৎ ফাওবক্লমলোই হাবনিংঙাই লৈতে। অচম্বা মীওই অমগী থম্মোযনুংদা ফাওবা কবিগুম্বা খবদি ফাওবমগনি। মতাংসিদা ইং (১৯৫৯-১৯৬৬) তমেংলোং হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর ওইবম্বা শ্রী বাইখোম তোমচৌ সিংহ (৯০) দা তমেংলোং খোঙচৎকী মবমদা হংজরুবদা অসুন্না— চীংনুং হায়বসিদি মহৌশা লাইবেম্বীগী মশাইগোলনি, খুৎশেমগী ফুরা-দলাল, সহবগী নিল-খোংবা হায়বদুমা লৈত্রে। অচিকপগী অচিকপা, ঙাক্তা অচিকপবু থুগায়ইদুনা কবিগুম্বদা লমলক্কী শা-উচেকশিংনা খোঙলকপগী খোঙ্গেলদু মঙাইবে। ঐদি অইবসু নত্তে, কবিসু ওইদে, অদুবু খোঙচৎতুদা থেংনখিবা অরা-নুংঙাই থৌদোকশিং অদুগী মবমদা কবিগুম্বা খবদংতো ওইববসু ইনিংবগী বাখলদি ফাওখি। "ঐমক্লা ইনিংবগী বাখল ফাওববসিনদি কবি কমলদি করিগী কবিতা ইবল্লোই ইবুংঙো" হায়না পাউতল্লকই। মাগী মাগী মথৌ অমমমগীদমক চৎনবা খোঙচৎ ওইবনা অরা-নুংঙাই থিদনা মীওইশিংদুগী মথম্মোয়দা ফাওবমগদবা, খল্লমগদবা

ময়ামদু মখল মখাগী ওইবমগনি। অমুক নোংচুপ পাংনা চৎলগা ঈবং তুবেল লাল্লগা তমেংলোংগী আশা তৌনবা ঙাক্লি। কুকি ঈচিল-ঈনাওশিংনা অঙম্বা চীং কাবদুবু 'থেম্বুং' হাযনা খঙনৈ। চীংমীগুম্না চীংগী অকা-অকুমদা চৎপগী হৈনবী লৈবক্তবা মীওইর্দদি শদৌ থোংলিবনি। খোঙচৎতুদা অহিং অহম মবিদি চীংনুং মাননুংদা তুল্লগা মবিনিশুবগী নুংথিলদা কাবা যাবা মখৈ কাবগা তমেংলোং যৌই। কমলনা তমেংলোংদা পোষ্টিং তাদুনা লৈবম্বসি ইং (১৯২৭-১৯৩১) ফাওবনি।

মণিপুবদা কুনশুবা শতাব্দীগী তংখাই চল্লবা ফাওবদা তমেংলোংদা চৎথোক চৎশিন তৌবগী থবকসি অসুক্কী মতিক খুদোং চাবমদে। থোইদোক্লা অনীশুবা পৃথিবীগী লাঞ্জাওগী মমাং ফাওবদি চীং অমদি তম অনীমক্তা লম্বী থোংগী ফিভমসি মওং-মবিল তাদ্রি হায়বা যাই। মতমসিদনি, সবকাবগী ওবদব, সমাজগী চৈবাক, নীংবা কাযবা অমদি নিংঙমদবগী পোৎলুম পুদুনা তমেংলোংদা লোই ওইখিবা কমলগী থম্মোয়দা কবি ফাওবম্বা যাবগে? অয়ুক নুংথিলদা লমলক্কী উচেকশিংগী নুংশিববা খোঞ্জেল, অহিংদা চীংনুংগী অচিকপবু থুগাইদুনা নিংঙাইদনা তেংথাবিবা তান্নাগী খোম্থাং, অমম্বগী অমম্বদা অহিংগী শা-উচেকশিংগী অকি-তুজুংলবা খোঞ্জেলগী থৌদোকশিং, সহবগী নীলখোংবা, কলক যেংথিনবদগী লাপথোক্তুনা অবান খুভম ফংজগে খঞ্জবিবা মুনি-ঋষিশিংগী ধ্যান তৌফম ওইবিবা চীংনুংগী অচিকপা, খঙবী-উবিনবা যাওদ্রবা, হৈবাং লৈবাংশিংনা লৈমাযথক্তা চোইজাযননা কেল্লিবশিংদু উরুবগা মহৌশা লাইবেম্বীগী তম্পাক্তা চংজফম লৌজবিবনি হাযদনিংঙাই লৈতে। কমলদি মীৎয়েংগা বাখলগা তোঙান তোঙান্না কৈদৌঙৈদসু লাপথোক্লখিদে। মীংযেংনা পোৎশক্তুনি, বাখলনা সমাজনি, মহৌশানি, সংস্কৃতিনি। মহাক্লা—পুন্সি হাযবসি এক্সপ্রিমেন্ট তৌফমগী শিনশঙনি হাযনা লৌবম্বসু যাই। অবা-নুংঙাইবা অমদি অকি তুজুংনা থল্লবা শাংলবা চীংনুংগী খোঙচৎতুদা কমলগী থম্মোযদা কবি ওইবগী বাখল ফাওবক্তুনা "নির্জ্জনতা" শৈবেং ওইনা থোক্লকখিববা?

কমলনা এসিষ্টেন সিভিল সার্জন অমা ওইনা তমেংলোং দিসপেন্সবিদা জোইন্ট তৌখিবসিগী মতাংদা প্রো এন তোম্বী সিংহনা ইং ১৯২৭ গী মার্চ থাগী তাং ১১নি হায়না পল্লি (সনথোঙ চেফোং ১৯৯৯ জুন)। দিসপেন্সরি অসিদা চহী মঙা ফানিংচিৎ থবক তৌবম্মী। তমেংলোং ডিসপেন্সবিদা মেডিকেল ওফিসাব ওইনা লৈবিঙৈ মতমদা কমল মশামক্লা ইবম্মা খুৎইগী চে অমা অলমিবা মনুংদা নপ্লগা থল্লম্মী। হায়বিবা চেসি কমলনা লৈখিদ্রবা চহী ৬০ বোমগী মতুংদা ডাক্তব শগোলশেম ইবুংঙোচৌবা সিংহ (১৯৯৬-১৯৯৯) মেডিকেল ওফিসাব ওইবিরম্বনা থেংনরুবনি। ডাক্তব অসিনা

কমলগী খুৎইগী চেসিবু মাংখিদনবগীদমক যান্না চেকশিন্না থন্নম্মী হাযনা তাকপিবকই। অলমিবা অদু হৌজিক তমেংলোং হোসপিতালদা তেক্ত-কাযদনা থমলি। চে অদুদা অসুন্না ইবি ঃ (Issue clothing for Isolation Hospital)



Manuscript of Dr Kamal (1930)



Dr S Ibungochouba Singh M O 1996 1999

1 Pillow – 6
2 Pillow Case – 12
3 Blankets – 12
4 Bed Sheets – 12
5 Mat – Nil
6 Mosquito net – 6

The following material which are provide for Isolated Hospital

1 Wooden bed – 6
2 One Iron stand & basin
3 One Nurse tray

তমেংলোংবু সব-দিভিসনগী থাক্তগী মপুং ফাবা দিষ্ট্রিক অমা ওইনা খঙনবকখিবসিদি মণিপুব বেষ্ট দিষ্ট্রিক হাযনা টেবিতোবিএল কাউন্সিলগী লৈঙাক মতম, শ্রী মাইবেনবম কোইবেং সিংহনা চিফ-মিনিষ্টব ওইববা মতমদনি (১৯৬৯)। দিষ্ট্রিক ওল্লবা মতুংদগী দিসপেন্সবি অসি হোসপিতালগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখিবনি। হান্নগী দিসপেন্সবি ওইবম্বা শঙসিদা চহী খবা অমসু মেলাবিযাগী হোসপিতাল কম ওফিস ওইনবম্মী। হৌজিক্তি টি বি হোসপিতাল ওইনা অমুক শীজিন্নবে।

দিসপেন্সরি অসিগী খা নোংপোক ওইবপা চীংচেপ অমদা ডাক্তর কমলনা লৈবম্বনি হাযবা ক্বাটর অমসু লৈবি। হৌজিক্তি ক্বাটরসি মীওই অমগী মযম ওইনা শীজিন্নবগম তৌহৌবে।



Dr Kamal's Quarter (Tamenglong) 1927 1931



Old Tamenglong Dispensary Building

লাইবক্তা তম্বনি হাযগদ্রা, সমাজ অমদি লৈবাক নিংথৌগী চৈবাক ফংলবনিবু খনগদ্রা, কমলনা তমেংলোংদা পোষ্টিং তাখিবদু। তমেংলোংদা চহী খরা লৈবিঙেদুদা অনৌবা পুন্সিগী লামায অমা অমুক হাযদোকখিববা হাযবসি খল্লনিংঙাই ওই। চীংনুংগী অচিকপা মবক্তা কবিগী অনৌবা আশাগী মযোল লৌনা অমুক চোংলমলোই হাযনিংঙাই লৈতে। তম্লুবিবা মীহৈদুগী মশিনদি মীওইবগী সেবা তৌবা, মীনুংশিগী মীৎযেংদা জাৎ-বিজাৎ খাযবগী কুযোমনুংদগী নাম্থোক্লবা উপাযনি। পুন্সিগী থেংখাং কয়াদা সমাজগী মীনোক মৈশা অমসুং অখুবা মীৎযেংগী পনখৈনুংদগী মীওইবা খুনাইনা নুংশি চান্নবা হিংমিন্নগদবগী হাযবগী লম্বী অমসু কমলনা থীনম্বা যাবি। ই- ১৯২৭ ১৯৩১ ফাওবগী মতমসি তমেংলোং সব ডিভিসনদা জাদোনাংগী লীচিং মখাদা লেজলিরাংরোংগী ঈহৌ কন্দাইংলকপা মতমনি। ঈহৌসিদু ওয়াথনবা আসাম সিভিল সার্ভিসকী ওফিসার এস. ডি. দলৈনা (এস ডি ও) ওইনা থেংনখ্রো মতমনি। দলৈকা সাহেবনা ডাওবা কমলগা লুনা চান্না তিংনম্নগী লাম্নৈ লৈ ডা কমলদগী দলৈকা সাহেবনা মীতৌনাল তম্মী ওইবনি। লুংকিয়াং পামৈ (৯০) না পাউদমলকই। লুংকিয়াং পামৈ দইলোং খুলদা লোকই অমসু চাওরকই অদুগা হৌজিক তমেংলোং ব্লক থংজম (মোডেল ভিলেজ) দা মথম লেংলেনবা লৈরে



Lungkiang Pamei

তমেংলোং দিষ্ট্রিক হেদ কোর্টরগা খাইদগী ওন্নবা খুল অমত্তু হাযবা তাবদি দইলোং খুলনি। খুলসি তমেংলোংগী লোংপোক্তা লৈ খুল অনীসিগী খুঞ্জাশিংনা চৎথোক চংশিনা তৌনবম্বা অশম্বা লম্বী অমা লৈরম্মী। লম্বীসিদা চৎপা তাবদি তমেংলোংদগী কুমৈবগা লাপ অমদি লানবা তাই। লোনসিদা তমেংলোংগী খুঞ্জাশিংনা "তমেলুন" লৌরে, অদুগা দইলোংগী খুঞ্জাশিংনদি "তংলুপ" হাযনা খঙই হাযরিবা লোকসিনা খুল অনীসিগী লমখৈ ওইরবম্বা, ওইনলমদে হাযবগী বাফমসি ওসি ফাওবা তংতাবা অমা লেপথোক্লবা ওমদনা লৈহৌরি।

তমেংলোং অমসুং দাইলোং খুল অনীসি যৌন্নবা চৎপা তাববদি লোকসি ফাওবা কুমথবগা কাখৎলবদি যৌবা যাই। খুঞ্জাশিংনো অশম্বা লম্বী ওইনা চৎনবম্বনি। চাওবাক্লা কি মি ৩/৪ গুম্বদি লাপ্লমগনি। হৌজিক হৌজিক চৎনবিবা ইম্ফাল তমেংলোং রোদ (আই টি রোদ) হায়না খঙনবিবা লম্বীসিদি ভাবত সেবক সমাজগী থৌশিল মখাদা (ইং ১৯৫৯-১৯৬০) অদুবাইদা নৌনা শেম্লকখিবনি। নৌনা শেম্লবা লম্বীসিদা চৎপা তাববদি তমেংলোং অমসুং দাইলোং অনীগী অবাপ্পসি চাওবাক্লা কি মি ১১ রোমদি ওইগনি।

ডাক্তব কমলনা তমেংলোংদা পোষ্টিং তাদুনা লৈবম্বা মতমদুদা খুঞ্জশিংগা নুংশি চাননা লৈমিন্নখি। দাইলোং খুনগী খুঞ্জাশিংগসু যাম্না তোৎন-তিন্নবম্বগী বাবী ঙসিসু নীংশিংনদুনা লৈহৌবি। অনাপ লাইযেংবা মতমদা লাইয়েংমল লৌবা লৌদনগী থোইদোকপা লৈখিদে, হায়না অহন্ন ওইববা লুংকিয়াং পামৈনা পাউদমলকই। লোংঙ নুংশা অহিং-নুংথিল নাইদনা মীয়ামগী পেন্নবা সেবা তৌবম্মী। লোংমা দাইলোং খুলদা অঙাং উনবগী থৌদোক অমদগী খুঞ্জাশিংনা কমলদু বাউনখিদে। তম্নবিবা মইদুগী মতুংইন্না অঙাং উনবগী থৌদোক্তুদা কমল থবাহ যাওনা হেৎনজখি। ঙ ঙাংদ পোক্লবা মতুং পুংখাই অমরোমদি কবিওম্বা কপপা লাওবগী খোঙ্জেল ঙঙ ও থোক্লক্তবদুদা ইমুংদুগী মীওইশিংনা থবায় বাজখি। অদুবু কমলদি পাম্বৎখিদে ইং ওপ্পা, মোংহাদনা মমাংগৈঙদগী ইপা ইপশিংনা চৎনবকপা থাজনবা মুনগী লাই নৎৱগা লমগী লাই খুকম্বগী থৌবম তৌখি হায়নাহৌই। কমলনা যুমদুগী শাইহিজিন্দগী ঙ মন অমা অনী শৎলগা মকোক্তা থাঙ্গৎলগা কবি কবিরো খবা শোম্লগা লাইখুকমহিনগী বাবী লৈ। লাই খুকম্বা লোইববা মতুংদা অঙাংদু মখোল থোক্লা কপ্পকখি। নম্বিৎতুগী থৌদোক্তুদা খুঞ্জাশিংনা যাম্না হবাওনখি। অঙাংদু হৌজিক দাইলোং খুলদা লৈহৌবি। মশাগী চহী ৮৫ রোম সুহৌরে, মমিং খোইজিন কৌই। খোইজিন গোলমৈ পোকখিবসি ইং ১৯২৭ কী সেপ্তেম্বব থাদা ওইগনি হায়না খোইজিন গোলমৈ মশাগী বাবী শান্নবম্বদা তাকপিবকই। কমলনা তমেংলোংদা পোষ্টিং তাববা মতুংদা অঙাং উনবা যাওখিবসি মসিনা অহানবনি হায়নৈ।

অঙাং উন্নবগীদমক ডাক্তব কৌবা চৎখিবা খুঞ্জাশিংদু কাহা অমসুং বমওবাং হায়বা নুপা অনীসিনি হায়না লুংকিয়াং পামৈনা পাওতম্লকই। লুংকিয়াং পামৈগী লোইনবী ওইবিবী খুজুংল্লিউ অসি খোইজিন গোলমৈগী পোকন্নিন্নবা মচেনি। মসিমক্লা খোইজিন পোকখিবগী মবমদা থোইদোক্লা কুপ্পা খঙলম্বনি। অঙাং উনবগী থৌদোক অদুগী মতুংদগীদি কমলবু দাইলোং খুঞ্জাশিংনা অসুক্কী মতিক লুনা চাননা লোইনবকখি।



Khonjin Golmei Dailong Village
Tamenglong

চীংনুং মাননুংদা অনাবা লাইয়েংবা চৎপা হায়বসিমক্তবু চৎথোক চৎশিনগী খুদোংচাদবা খবদি লৈগনি। লম্বী থোংগী ফিভম মওং মবিল তাবা নত্তে। অমুক নুংথিলদা লাইযেংবা চৎপা নত্তনদি নুমিদাংদদি অবাপ্পদা চৎপা ঙম্মদে। মবম অসিনা লাইযেংলিবা খুলদুদা তঙাইফদনা যাবেকপা ৎাবনি। কমলসু কবিগুম্মদা দাইলোং খুলদা অনাবা লাইয়েংবা চৎপদগী তমেংলোংদা হল্লকপা খুদোংচাদদুনা নোংমা নিনীসু যারেক্তুনা লৈবমগনি। অনাবগী লাই ওং যেংলগা মফমদুদা লৈথোকপা হায়বসি তঙাইফদবনি। অনাবা ফনাংবা লাইয়েংবা লাক্লিবা ডাক্তর অমবু খুলগী খুঞ্জাশিংনা লুনা চান্না ভৌবম্লোযদৌবগী মবম লৈতে।

জিংভমলিউগী অপোকপা মপা বর্মবিজিনং পামৈ দাইলোং খুলগী খুল্লাকপা ওইখিদ্রবসু খুল্লোনবা খুঞ্জাশিংনা মতিক মগুন খঙবা মীওইনি। মাগী তোপ তোপ্পা মগুন অম, হায়ববদি খুল্লান্দুনা লাকপা মীওইশিংগা শকখঙ-মাইখঙনবা, খঙন চানবগী গৌবাংসিদদি যাম্না ৈহশিংবা মীওইনি হায়না খুঞ্জাশিংনা ঙসিসু ঙাংনহৌবি। নোংমা কমলনা তমেংলোংদা লাকপা কুইদ্রিঙৈদা দাইলোং খুলদা অনাবা লাইযেংবা লাক্রুম্মদা বর্মবিজিনংগা শকখংঙনখি। বর্মবিজিনংনা মাগী মযুমদা পুশিন্দুনা মচাশিংগাসু শকখঙ মাইখঙনহনখি। মতমসি খোইজিন গোলমৈ পোক্তিঙৈগী মমাঙর্দনি। থা অমগী মনুংদা যামদ্রবদা অনীবক, অঙ্গমলাক্তি দাইলোংদা লাইযেংলা লাকই। খঙন চান্নবা থীদুনা যাবেকফম থীবগী অবাবা লৈখিদ্রে। অমনসু অমনসু অতিথি অমগুম চংজফম পীবদা হবাও হবাও তৌবীবম্মী। কবিগুম্মা তমেংলোংদা হনবা খুদোংচাদবদগী বর্মবিজিনংগী মযুমদা লৈথোকখিবসু যাওই হায়নৈ। খুল্লান্দুনা অনাবা লাইযেংবা লাকলিবা ডাক্তর অমবু থোইদোক্লা ইকায খুম্নবমগনি। খুদোংচাদ্রে হাযবদা চংজফম পীবম্লোইদৌবগী


Phenda Pamei

মবম লৈতে। খঙন-চানকবগী নুংঙাইবা, তোঙন-তিন্নবদগী অমত্তা ওইবকখিবা হায়বসি ওইথোক্কবা নত্তে। পুন্সিগী নুংশি মিতাঙ্গবকপা মতমদা নিংবা কাযবনা মশকক ওইবকখ্রবা কমলনা মণিপুরী সমাজগী চৎনবীদা শিংনবা অমগা লোযননা জাৎ-বিজাৎ খাযদবা মান্নবা খুনাই অমগী মঙলান্দা তাওখিবনা হাযবসি চিংনিংঙাই ওইনি। কমলগা জিংঙমলিউগা শকখ ঙনইনখিলদগী অনৌবা আশাগী লংলা শংজিন অমমুক থোক্লকখিবগুম তৌখি। মসিমক্তু ওইখি। কমলনা চৎনা থোক্লা মতম হবা খুলসিদ লৈরম্মু, বাক্সিগী ১৩, দা, ভাশংবা ভমা খঙনি দুনা ই ২০১২ দা ঠৈ (অইবা) দাইলোং খুলদা চৎতুনা জিংঙমলিউগী মৌপ্পানুপ ফেন্দা পামেগা উনদনা বাবী শানকবদা ফংলকপা খবদং ঃ

বাহং ঃ ইপা জিংঙমলিউ হাযবিবা নুপীসি কনানো? ইপাগা কবি থোক্লবগে? মচিন মনাও কযা সুবগে?

পাউ ঃ জিংঙমলিউ হাযবিবা নুপীসি ঐগী ইচে অহলনি। ঐখোয় ইচিল ইনাও তরুক শুই। মহাক্না ঐখোয় পুম্নমক্কী অহলনি। নুপা অহুম, নুপী অহুমনি। ১) জিংঙমলিউ, ২) কাহা (নুপা) ৩) বিরোলউ (নুপী) ৪) লুংদ্রি (নুপা) ৫) ফেন্দা (নুপা) অমসুং ৬)মিখমলিউ (নুপী) অসিনি।

বাহং ঃ ইপাগী ইচিল-ইনাওশিংদু কনা কনা লৈবিবা, কনা কনা লৈখিদ্রবা হাযবদু খঙজবা যাগদ্রা?

পাউ ঃ কবিগী যাদনি, মখোয লোযনমক শিখ্রে, হিংহৌবিবা হাযববু ঐহাক্তমক ঙাইহৌরে।

বাহং ° ডাক্তৰ কমলনা জিংঙমলিউবু লৌবম্মী হায়না মীযাম্না ঙাংনবিবসি অচুম্ববা?

পাউ ° হোই, চুম্মী, ডাক্তৰদু তমেংলোংদগী মৰক মৰঙা লাক্লগা ঐখোযগী যুমদা লৈবম্মী। চৎনা থোক্না লৈবম্বনি।

বাহং মচা নুপী অমা লৈহৌই হায়না তাই, মমিংনা কবি কৌনা, হৌজিক্লা কদাযদা লৈব্রে?

পাউ উম। লৈহৌই, মমিং কমঙাম্লিউ (নখোযগী মৈতৈলোন্দা হায়বগদি 'লমঙানবী') হায়বদনি। মহাক ইম্ফালগী কৈথৎ কবুই খুন্দা লৈবা প০ তিফেন কাযেগী অংওনবী ওইনা মযুম পানম্বে।

বাহং জিংঙমলিউবু লৌবম্মী হায়রিবা ডাক্তৰদুগী মশক মওংদু নী শি নিলা ঙম্নীবিরবা?

পাউ মাওইদু যাম্না বা চাংঙবদি নাক্তে কুচুদ হবা মুনপ তৈঈ হেক যা বদা মহা মাগ্রি ব মাম্না ঙা গাংদ। হলগী ..তাও অসিগী মনাক্তা ফম্লগা কবি কবিরে চে হবদ, পেন্সিল অমনা ইববা হেৎপবা তৌখিবদ নী শিংলি



Jingamliu

ঙাইহাক বাহং পাউহ তৈনবা মতংদা শাইবিক মহুমদ যাঙনা কমলগী হেৎতদু পুথ ঙুন হে হম্রুবদনি থেইদোক্না মহাক ঙকখি। মহাক্কী পুক্নিং থ নবকখিব থোদোক অমণ্ড তনমদা নীংঙমদনা ফোঙদোকললকই। মহাক্না (ফংদ) খুলগী মমাঙবশি গা লোযনা শান্নমিন্নবদা মচেবু ওক্তবী। অমতংদা কমেম কথাইনবা বাহৈ-শাতা কথা ঙাংনবকপদা ইচেগী মৰুংশিং থোকপা কমপুইথিবানা ইতপ তপা, 'নখোযনা ইচেবু চৈবা, ঙাংবা লোইববা' হায়না হংখি। মযামদুনা 'হোই লোইবে' হায়বক্রবদা, 'অদুদি ঐ অমুক হায়বগে, নখোয মযাম সনা পাম্ববা, নৎএগা

লুপা পাম্ববা, অনীসিগী মনুংদা কবম্বনা পাম্মী' হায়না হংখি। ময়ামদুনা সনা পাম্মী হায়বক্রুবদা 'হাই ইচেসে সনাগুম্বনি, কবিগী বারেম পংঙাং ঙাংগনু তানিংদে' হায়খিবগী বাবীদু ঙসিসু খুঙ্গাশিংনা কাওঙমদনা লৈহৌবি। 'ফজবদা ঙাওদবা কনা লৈ, নুংশিবদনু চৈনা ফংদবা লৈববা' মসিদি তাইবঙগী হৌনশানি।





Ditanang Pamei Retd SDO
in charge Tousem

Ksh [illegible] Singh Retd SDPO
Tamenglong

জিংঙমলিউব্ তা কমলনা লৈবগী লৌশিনদে হায়বগা মতম দা তোঙান তোঙানবা মীওই খরদসু পাওই অমকই, এস ডি ও তৌসেমগী ইন চার্জ পুন্নিবম্বা দিতানং পামৈগা উন্দুনা বানি, শাঃ জনকপান হাংখোক্লা খেনবা লেৎলে। ই. ১৯৯০ দা এস. লো. পুলিস ইন্সপেক্টর ও সি ওইরম্বা অদুগা হি ২০০০ ২০০৭ ফাওবদা সব ডিভিসনেল পুলিস অফিসার (এস ডি পি ও) ওইরিবম্বা ক্ষেত্রি তোম্বা সিংহনসু মীয়াম্না ঙাংনা শরুকখিবা বাখল্লসি তাচম্নি হেইদোক্লা ঙাংননি ওইহৈ লৈতে হায়না তাকপিবকই


দাইলোং খুল মপাংগী অথোং বলতা ঙসিদি না শি খুভম অমওম লৌনবকলে। কমলনা খুলসিদা জিংঙমলিউব্ লৌদুনা লেবম্বগী তথং থাবক নাদ্রবা ঈগী মরী অমা লৈহৌবগা তৌরে। খুলসিদা কমলগী নাংশিংবগী খুদম ওইনা— 'Dr Kamal Memorial CRECHE CENTRE Dailong Tamenglong District

Dr Kamal Memorial Creche Centre Dailong
Tamenglong District Manipur

Sponsored by Manipur State Council for Child Welfare Imphal
হৌজিক থাবা সইং বোর্ড অম [illegible] লৈরিহি। কবি কমলগী কমলনা [illegible]
খঙ্গ শি [illegible] নিংশিংনবগী মশক লৈগনৌনিবা [illegible] কমলগী খুঙ্গাশিংগী কবিতা
[illegible] অমদি লৈরম্মী। হায়রসি খঙহনবগীদমক এ ১ সেন্টার
অসি [illegible] হায়নরোই। অসিদসু [illegible] খুনগী [illegible] মথকসিদা কমলনা
কবি [illegible] লাইরিক [illegible]। [illegible] ইখিবনি হায়না [illegible]। মাগী (কমলগী) লাইরিক
"লৈপরেং অমসুং 'মাধবী'" উপন্যাস অনীসিগী ব্যাহৌদোক্তি। তমেংলোং হায়না
পল্লমলিবসিনা থোইদোক্লা চিংনবা অমদি পোকহল্লে। শৈরেংগী লাইরিক 'লৈপরেং'গী
অচুম শুবা শৈরেং "লৈশক খংদবা লৈপাল" হায়বসি খুলসিদা মতম খরা লৈরিবা ডদা
ইখিববা হায়বগী থাজবা লৈ। দাইলোং খুলবু ডাক্তর কমলগী মযুম (কমল'স কোটেজ)
মক্লি হায়না INDIAN NATIONAL TRUST FOR CULTURAL HERITAGE
(INTACH) গী Project Report "MANIPUR NATURAL HERITAGE (A
Documentation of INTACH Manipur Chapter) 112 2012 R K Ranjan
Singh (Unpublished) তসু যাওবি।

দাইলোং খুলগী লম্বীসি ঙল্লিঙৈগী মতমদদি জিংঙমলিউনা লৈবম্বা য়ুমদুগী নোংপোক্তা চৎনবম্মী। অদুবু হৌজিক্তি নোংপোক অমসুং নোংচুপ অনীমক্তা চৎননবা লম্বী শেমখ্রে। খুলসিগী মিংথোলগী মতাংদসু অহল-লমন খবগসু ৱাবী শান্নবকই। অঙনবা মতমদদি "তাওদাইলোং" হায়না খঙনবম্মী। 'তাও'ঞ্চনুঙ, 'দাই'ঞ্চ অচৌবা, 'লোং' ঞ্চ চীংগী চীংমাই/নাপোম, অনীশুবদা 'দুইনৌলোং', 'দুই'ঞ্চ ঈশিং, 'নৌ'ঞ্চ অনৈবা /অমোৎপা, 'লোং'ঞ্চ চীংগী চীংমাই/নাপোম, অহুমশুবদা 'তাও' হায়বসি লৌথোকখ্রগা 'দাইলোং' ঞ্চ অচৌবা নুঙগী চীংমাই নাপোম নৎত্রগা অচৌবা নুঙগী চীংমাই হায়না কৌনখিবনি তাকপিবকই। হৌজিক্তি দাইলোংগী নুঙশিংনা হৌখ্রবা পুন্সিবোল খবগী নীংশিং খুদম ওইববে। অকাও পবৈনুংদা লৈখ্রবা তাবুনুংগী বাবীবু ঙসিগী মীবোলনা থীববে। মতমনা পুবকপনি হাযগদ্রা নৎত্রগা হৌখ্রবা সমাজ অমগী সংস্কৃতিবু খোঙ্গুল লীরুবদগী ফংলকপনি হায়গদ্রা, চীং অমদি তম অনীগী লৈনবম্বা মবী অমদি ফংলে হায়বা য়াবে।

কমলনা তমেংলোংদা পোষ্টিং তাবিঙৈদা অপোকপা মপা নাবগী পাউ ফংজখি। লৈবাক নিংথৌ অমদি সমাজগী চৎনবীনা কমলগী থম্মোযবু মচেৎ কযা থোক্লা থুগাইবীখি। অদুবু হনবা লৈখিদে, চাংযেং অমদা মাইথিখিবগীদমক পুন্সিবু বন্দি ওইনা লৌখিবা মীওইদুমক্তি ওইখিদে। নুমিৎ হুমনি-মবিনি চংনা মযুম লমদম য়ৌন্নবা লাকখি।



MEDICAL DEPARTMENT

No 160 of 8-12-31 — On relief by Dr Tongul Kuki [illegible] Hospital Dr Gobardhon Singh of Churachandpur is granted [illegible] for 2 months and 15 days

No 161 of 8-12-31 — Dr Tongul Kuki of Imphal Civil Hospital is appointed to hold charge of Churachandpur Hospital during the absence on leave of Dr Gobardhon Singh

No 2 of 6-1-32 Dr Golapchand Singh [illegible] of Tamenlong Dispensary is granted leave [illegible] month with effect from the date [illegible]

No 3 of 7-1-32 — On relief [illegible] Dr Kamal Singh [illegible] the State Jail and Police Hospital Imphal Dr [illegible] to the [illegible] Hospital

No [illegible] of 7-1-32 On [illegible] Dr [illegible] Singh [illegible] of [illegible] Hospital is appointed [illegible] attached to the Imphal Civil Hospital

No [illegible] of 7-1-32 — Dr Kamal Singh of the Imphal Civil Hospital is appointed to hold charge of the State Jail and Police Hospital at Imphal

[illegible] C McT [illegible]
Civil Surgeon

Transfer and Posting of Dr Kamal

অনাবা মপা ইবুংঙোগী মনাক্তা চংদুনা সেবা তৌবদি লৈবাক নিংথৌগী অযাবা যাওদবনা অথিংবা লৈবগুম তৌখি। অবোইবা মীৎকুপকী পুংজাদা লৈবাক নিংথৌদগী অয়াবা ফংজবগা উনজহৌই। অঙকপনি, শিবগা লোইববা মীওইবা সমাজগী চৎনবীনা মপা,মচা, ইমুং-মনুং শাগৈ-নাতৈ কয়াদা অচৌবা চৈখল অমা লৈখিবদু কমলগী থম্মোযনুংদা কবিগুম্বা থবদি ফাওবমগদবা মাল্লি। ঙসিনা হয়েংগীদমক কবি তৌগদবা হাযবদু খঞ্জনবগী তাঞ্জা অমা ফংখিববা হায়বদু খম্থনিংঙাই ওইবি।

ডাক্তব কমলনা তমেংলোংদা পোষ্টিং তাদুনা লৈবম্বসি ইং ১৯২৭ কী মার্চ থাদগী ইং ১৯৩১ গী দিসেম্বব থাগী অবোইবা ফাওবনি। ডাক্তব গোলাপচান্দ সিংহবু ইং ১৯৩২গী জানুবারী ৬ তা তমেংলোংদা পোষ্টিং অমুক থাখি। কমলনা ইম্ফালদা হল্লকখি। চাওবাক্লা কমলনা তমেংলোংদা চহী মবিগা থা মাপললোম (চহী মঙা ফানিংচিৎ) মীয়ামগী সেবা তৌবম্মী। সহবগী কলক য়েংথিবা, মিহৌবা লৈত্রবা অচিকপা অমদি মহৌশাগী ফজববা মফমদু থাদোক্লম্লগা ইং ১৯৩২ গী জানুবাবী ৭ তা ইম্ফাল সিভিল হোসপিতাল, জেল অমসুং পুলিস হোসপিতালগী ডাক্তব ওইনা থবক পুবা হৌখি।

কায়নমৈরিলক্তগী

মীওইবদি লৈমিন্নবিঙেদা খৎনৈ, চৈনৈ, শাওনৈ, অমনা অমদা অপেন পেন্দগী থাহে কয়া ফোঙদোক্লে। পুন্না লৈমিন্নবগী হৈনবীদা হিংমিন্নবক্লবা মীওইবনা শেৎন-খাইনবগী পুংজানা লাক্লবদা অশোয়বা, অবানবা কয়াদুবুসু কাওথোক্লে। নুংশি চান্নবগী মীৎকুপ ওইনা লৌনৈ। কায়না মীৎকুপ্তুদগী পুন্সিগী কোক্ত্রিবা মচুনা শংখিবসু কনানা খঙগনি। কমলনা ইম্ফালদা ট্রান্সফাব লাক্লমদাইদা পীক্লিবী মচা বমঙাল্লিউবু য়োকপী থাকপীবক্লবগীদমক লুপা ২০০/(লুপা-চনি) পীবম্মী হায়না জিংঙমলিউগী মৌপ্পানুপা ফেন্দানা পাউতম্লকই। নোংমসু কমলনা ইম্ফালদা পোষ্টিং তারবা মতুংদা জিংঙমলিউগী অপোকপা মপা বমবিজিনং পামৈ (কমলগী মকুবোক) না বমঙাল্লিউগা লোয়ননা সিভিল হোসপিতালদা মপা মচা উনহনখি। নুমিৎতুদা কমলনা মচাব নুংশিনা কোনবিখি। সিভিল হোসপিতালদা উনখিবা অদুনা মপা মচা অনীগী অবোইবা মীৎকুপ ওইখি। বমঙাল্লিউনা মমান্নবীশিংগা শান্ন-খোৎনমিন্নবদা মপা মশক খঙদবগী মচানি হায়না নোক্লবিবম্বা অদুদগীদি কোকচখ্রে। মপা মচাগী লৈনবিবা মবীদু অউবা কনাগী থম্মোয়দা কবি ফাওবমগবা ৭ থৌদোক্লুনা কমলদা কনাগুম্বী চমজববী দাইলোং খুলগী চনুবা অমবুসু নীংশিংলমগনি। নীংশিংবনা অকাও পবৈনুংগী লংলা-লংজিলশিংবু অমুক অমুক চিংথোক্লবি।

ডাক্তব কমলনা ইম্ফালদা ট্রান্সফার তৌবক্লবা মতুংদা মহাক্কী পোক্লফম লমদম লাংথবাল কুঞ্জদা নুপী-অঙাংশিংগা লোয়ননা মতম খবা লৈবম্মী। সবকাবগী ক্বার্টব ফংলবা মতুংদগীদি মাগী পোক্লফম লমদমদা অমুক্তা ফাওবা লাক্লমখিদ্রে হায়না খুঞ্জাশিংনা শোন্নহৌরি। বাথোক চাওববী প্রভাগা ক্বার্টবগী য়ুম্বানদা চহী অনীবোমতমক লৈমিন্নখি। জেল হোসপিতালগী ক্বার্টবদা লৈবিঙেদা নোংমা য়েংখোম ওংবী হেমাবতী

দেবীগা উন্নদুনা বাবী শামিন্নখি। নুমিৎতু হেমাবতী দেবীনা খ্বাইবম্বন কৈথেল কারুবদগী জেল লম্বী ফাওবগা ময়ুমলোমদা হুন্নকপদা কাটব মনাক্তা কমলগা থেংনরুবনি। ইতপ তপ্না, মোং-হাদনা ইবেম্মা কদোমদগীনো, ইচলদি উদবা কুইরেদা, চংলকখো —লাকখোদনা হায়রদুনা কৌশিল্লগা ইমুংদা ফমিন্নখি। ইমুং মনুংগী অবা-নুংঙাই, লৈত-লাইবগী বাবী অসুম শান্নরকপদা শোম্বাংনবা বাহৈদা 'ইবেম্মা খঙদ্রেদা, নচেগী মওং মতৌসি, ইমুং মনুংগী নুপী অমা ওইবগী তাশিন খোমজিনবসু ইহৈ হৈতে। করি হায়গদবনো, মৈতৈ নুপী অমা ওইবগী মতিক মথৌনাসি কবম্বা কান্দা থোক্লরুক্কদবনো খঙদ্রে। নচেগী হায়ববু কেবা মৌবদি য়াম্না পামজে। অদুবু লমদমসিগী চংনবীগা চুশিন্নবদি খবা বাংপদৌনা তৌই হায়দোক্লকই'। ঙাইহাক বাবী শান্নববা মতুংদা হেমাবতীনা তাদা ঐহাক চাক থোংলুগদৌবিবনি হায়রুবদা কমলনা ইচলনা থোংবা উতিগদু চাদবা কুইবেদা হায়বদুনা লরুবকই হায়না পাউদম্নম্মী।

মীওইবা পুন্সিগী পনখৈদি অসিবাইদনি হায়বা কনানসু হায়বা ঙম্নদে। বিধি বিধাতানা তম্নকপা পুংজাদুদা কর্মনা ফম্না য়াম্না ফববসু পুন্সি খোঙচং শাংদোকপা যাবা নত্তে। ইম্ফালদা চহী অনীরোমতমক ডাক্তবগী শিনফমদা মীয়ামগী সেবা তৌবমই হায। ইং ২০১৩ দিসেম্বব ২৮ দা কবিগী মচা ইবুংঙো ব্রজেন্দ্রগা উনরুবদা ইং ১৯৩৪, মার্চকী ১৭ লমতাগী নিনি পানবা অহানবা থাংজ নুমিৎতা জেল হোসপিতালগী কাটবদা কমল পুন্সিগী অবোইবা যাহিপ তানখি হায়না তাকপিবকখি। (Condense Ephemeris of planets positions, Nirmal Chandra Lahiri 71 1953) মহাক্লা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবসিগী মবমদা মীয়াম্না ঙাংনবা বাফম খবসু লৈ। মশানা শেমজবা মনা-মশিংগী হিদাক (কবিবাজগী হিদাক) অমা তংলুবদগীনি হায়নৈ। কমল লৈখিদগী পাউ লম্মৈ-চাকপগুম চীং অমসুং তম অনীমক্তা থুনা-য়াংনা শন্দোক্লকখি। মতমদুগী মীয়াম্না খন্নবমগনি, অঙনবা অয়ুক্কী মশেক মঙাল্লক্তা মাংখ্রে, তাম্নাগী খোঞ্জেল অমা খঙহৌদনা।

কমল লৈখিদ্রবা মতুংদা প্রভাগী পুন্সিদা ইমুং মনুং পুবগী ভার অমদি মাইয়োক্লহৌবা তাখি। প্রভা কিদুনা খক চেনখিদে, মাইবোং য়াখি, মচাশিংগীদমক অঙম্বা থাক্তা। লাইনা য়াৎপা খয়াৎপু শিবা যাববা হাযদুনা মাইকৈ-শলাই খঙদনা য়ুম পুনবা হোৎনখি। পেবেৎনা মচা চাওবা ঙাইবগুম মতম খবদি অবা-হুকশোক লাংজখি। মৈতৈ সমাজগী চংনবী মবক্তা তিন্নবা হোৎনবকপা অবাইবা অমদি ওইখিদে। অবাবা শরুক কয়া থেংনববসু প্রভাগী থম্মোয়নুংদা চাওথোকচবা অমদি লৈখি হায়নিংই। লৈবাক মীয়াম্না শকখঙলবা ডাক্তব অমগী নুপীনবু কৈথেন্দা লুকমাই পান্দুনা মচাশিংবু

য়োকপা থাকপগী থবক্তুদি তৌখিদে। মসিদি চুন্নতগী মপুবোইবগী ইর্জৎ ঙাকচবনি। পাংদবী মৈতে নুপীদি নত্তে হিংনবগী লানফমদা লাম্মী ওইরবগী হৌনশানি। লাইবক চাওবী প্রভা মচা মঙা থন্নম্মী। নুপী অহম, নুপা অনী ১)সোবোজিনি দেবী, ২) বাজেন্দ্র সিংহ, ৩) চন্দ্রকালা 'পীশক দেবী, ৪) ব্রজেন্দ্র সিংহ অমসুং ৫) ইন্দিবা দেবী নি। ডাক্তর কমল লৈখিদ্রবা চহী ৫৪ বোমগী মতুংদা নাগামপাল শিংজুবুং লৈবক্তা লৈবন্নগা ইং ১৯৮৮গী জুনগী ২৬ ইঙাগী ১২ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা প্রভা তাইবঙপাল থাদোকখি।



Ramngalıu, Keıkhu Kabuı Village,Imhal East

চীংনুংগী চেক্লা অপিখক, পু-পাং শুনা চায়োক নাওযোকলক্তুবী, বমঙাল্লিউ মতমগী মতুংইন্না মপুংমরৈ ফাবক্তুনা য়ুম্বাল কৈবাল্লকখি। মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট (এম এস টি)গী বস ড্রাইভব ওইবম্বা কৈখু কবুই খুন্দগী পনতিফুন কামৈগী অনীশুবী তালোয় ওইখি। নোংমা বমঙাল্লিউনা কৈখুদা লৈববা মতমদা মৈতৈ অহল অমা লাক্লগা নিংঙোল চাক্কৌবা লাক্লমই হায়। রমঙাল্লিউ চৎপদি চৎখিদ্রে হাযনা পাউদন্নকখি। মতমদুমক্তি মণিপুবদা অমাং-অশেংগী বাফমসি খরমখৈদি কোক্লবনি। কন্নানা কবি কবি ঙাংনখিগদবা অদুগী ওইরমগদ্রা খঙদ্রে, মদুগীদমক নীংঙন্নকতে হায়বকখি। লৈখিদ্রবী মমাবু নীংশিংলদুনা মাগী পুন্সিদা থেংনবকখিবা থৌদোকশিংদুগী মবমদদি বাবী লীয়ু হায়বা য়াখিদে। বমঙাল্লিউসু মমাগী শাওং শাদাদুনি, থোয়দোক্লা ঈং-তন্নী, মোং-হাদে, বা য়াম্না ঙাংগন্দে। নোংমসু ঐগা (অইবা) তামো এ কামসোন (বিটয়াবদ, ন্যিউজ বিদব এ আই আব ইম্ফাল) গা লোয়ননা বাবী খবা হংলুবদা 'কৈকান্নবা ইবুংঙো তোকসি' হায়বকখি। পুন্সিগী অঙনবা শরুক্তি মমা অমদি মাম্মগী মরুম থুপ্না হিংলকখি, মমান্নবশিংগী মবক্তা শান্ন-খোৎনবদা ইকায়বা নংলকখিবা, শাওনিংবদগী থিংঙমদ্রবা খোম্থাংনা খঙহৌদনা অপোকপা মপাগী মমিং হায়দোকখিবদু নীংশিংলুবগা মীৎলুদগী পিরাং শিম্থবকখি। তামো এ কামসোনগা ঐখোয় অনী বা মখা তানা অমুক হংলুগদৌবদু নুংঙাইত্রদুনা তেনশিনম্রে।

ইপা (কমল) লৈখিদ্রবা মতুংদা ইমানা কৈখমাং গোলমৈদা অমুক ময়ুম পানবনি হায়না তাকপিরম্মী। অকোনবদা ইমানা ময়ুম পাল্লগা মচানুপী অহুম থল্লম্মী। ১) বমসৈল্লিউ, ২) পৌনিল্লিউ অমসুং ৩) সনথুইলিউ অসিনি। মচানুপী অহল অমসুং অতোনবী অনীদি তমেংলোং হোর্টিকলচর ফার্মগী মনাক্তা লৈহৌরি। মচানুপী য়াইমদি দিবরাম কৌবা নেপালি, মণিপুর রাইফলগী হ্বিলদার ওইরম্বা অমদা ময়ুম পান্দুনা হৌজিক ইম্ফালগী সেকেন্দ এম আর কোলোনিদা লৈরি। মমাদি পুল্লিগী অবোইবা মতম ফাওবদা ইম্ফাল চৎসি য়াখিদে। তমেংলোংগী হোর্টিকলচর ফার্মগী কেজুবেল লেবব ওইনা পুল্লি লোমখি। ফার্মসিগী মনাক্তা নাসপাতি য়াম্না হৌবা মফম অদুদা জিংঙমলিউগী মোংফম লৈহৌই। মোংফমসিগী হেক মনিংদা মহাক্লা লৈরম্বা য়ুমদু লৈবম্বনি। মহাক্লা লৈখিদ্রবা মতুংদা শিদোকখ্রে। ঐনা জিংঙমলিউগী মবমদা হংবা চৎলুবদা মচানুপী অনীদুনা পুমঙক ঙকহৌই। জিংঙমলিউ ইং ১৯৮৮ গী অগষ্ট ১৪ থবানগী নীনি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফার্ম মনাক্কী য়ুমসিদা অবোইবা য়াহিপ তানখি। ফোটোসিদি মচানুপী য়াইমা পৌনিল্লিউদগী ফংলকপনি।

অপোকপী মমা জিংঙমলিউ লৈখিদ্রবসু বমঙাল্লিউনা মাগী হৌবকফম চাওবকফম ওইখিবা দাইলোং খুলবু থক কাওবা লৈখিদে। খুলসিদা মাগী পুল্লিগী বাবী কয়া লৈহৌবি। পুল্লিগী অঙনবা শরুক্তা থেংনবকখিবা ইকায়-নুংশিগী বাথোকশিং কাওরমগদবা মান্দে। অসিদসু নত্তনা নিংঙোল ওইবিশিংনা মপাম লমদম্বু নীংশিংদুনা লৈবমগনি। মসিমক্লা বমঙাল্লিউনা চহী খুদিংগী দাইলোং খুলদা চৎলম্মী। ইং ২০০৮ গী দিসেম্বরগী ১৫ দা মহৌশাগুম দাইলোং খুলদা চৎখি। থা-মখায় অমবোম খুলসিদা লৈবম্মী। খুলসিদা লৈবিঙৈদা হৌমিন-কামিম্নবকপা মগুং-মাম্নবীশিং অমদি অহল-লমনশিংগা অরা নুংঙাইগী বাবী-বাতাই কয়ামরুম শান্নখি হায়না মাগী মামতোন ফেন্দানা পাউতম্লকই। চহীসিদা লাক্রম্বা খোঙচৎসিনা বমঙাল্লিউগী অবোইবা ওইখি। মহাক্লা ময়ুম পাল্লবা মতুংদা খ্বাইদগী কুইনা খুলসিদা লৈবম্বা মতমনি হায়নহৌই। মানা দাইলোংদা লৈরিঙৈদা মমানা অরোইবা য়াহিপ তানখিবা মফম তমেংলোং হোর্তিকলচব ফার্মদা চৎখি। দাইলোং খুলদা হল্লক্লগা কবি নীংশিংলকপদগীনো নুমিদাংদু য়াম্না কপখি হায়বকই। "অবোন অথুপ লৈরকত্রবা ঙসিগী সমাজসিদা অপোকপা মপাগী খোঙ্গুল লীনবকপশিং অসিনা থোইদোক্লা হৌগ্রবা পুল্লিগী থৌদোকশিং নীংশিংলকপদগীসু ওইবম্বা য়াই"। চহীসিমক্কী দিসেম্বর ২৯, বাকচিংগী নীনি পানবা, নিংথৌকাবা নুমিৎতা হ্বাগাডি তোংদুনা দাইলোংদগী ইম্ফালগীদমক থোক্লকখি। লম্বীদা মশা নুংঙাইরকখিদে হায়না পাউতম্লকই। লাইবক থীবদি তমেংলোংদগী

ইম্ফাললোমদা থোক্লকপদা মাইল ৯ চৎলগা লৈবা অখুই হায়বা খুল অদুবাইদা হৱাগাড়ি মনুংদা তাইবঙপাল থাদোক্লমখি। মতম কুইনা কনানসু খঙবী উবিক্লদ্রবী তম্পাক্কী চারা নুংশিবী, চীংগী লৈরাং ওইখিবী রমঙাল্লিউ অসুম থোকউ তমগ্রবোই।

থোয়দোক্লা কমলগী পুন্সি খোঙচৎসিদি ড্রিক্লগড অমসুং তমেংলোংদা অনৌবা আশাগী মওলান অমা মঙখিবরা হায়বসি খঙ্গনিংঙাই ওইরি। মীওইবা মবক্তা মীওইবনা মীওইববু হঙ্গনা য়েংবিবা, শোক্ল-শন্নবা য়াদবগী চৈনাসি কমলদসু ফাওবমগনি। মসিনা অচৌবা পল অমা ওইদুনা মীরোল কয়াগী পুন্সিদা নুংশি চান্নবগী মবী অমদি বাৎলগনি হায়না খনখিবজাবলা? অদুগা মীওইবা মরক্তা নুংশি-চান্নবা মবী অমা লৈনগে হায়রবদি চারৌ মৌরৌনবা নক্তনদি ওইথোকপা য়ারোইহায়না খল্লমগনি। মীওইনা পোকপা মপোক্তা জাৎ-বিজাৎ, অমাং-অশেং, অনেম-অরাং খাইবগী চৎনবীসি মুৎথৎলগা মীনুংশিতনা থল্লবা অনৌবা সমাজ অমগী মঙলান্দা তাউখিববা হায়বসি হংনিংঙাই ওইবি।

কমলগী পুন্সি পোলোইদি নীংঙমদবা, নীংবা কায়বগী চৈনাখোলনা পুনশিল্লবা খোঙচৎনি। সমাজ অমদা হিংমিন-লৈমিন্নবিবা জাতি মশেলগী মবক্তা ফাওবা শাগে-জাৎকী অমদি ধর্ম্মগী পনখৈনা পুনিশল্লবা পুন্সি কয়াগী মৈশালক্তনি। ধর্ম্মগী চৎনবীনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবিবা মীওইবা মবক্তা খাইবুং খাইবুং তান্নবকপদু থম্মোযনুংদা ফুমদুনা চৎথ্রবনি। চীং অমদি তমগী পুন্সিদা লৈনবম্বা মবীবু অনৌবা মণিপুবী সমাজ অমনা অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা ঈগী খোঙ্গুল লীহননিংবগী অপাম্বা লৈখিবগুম তৌখি। ডাক্তর অমা ওইনা মীওইবগী সেবাগীদমক অহিং-নুংথিল নাইদনা তমেংলোংগী অকোইবদা লৈরিবা খুলশিংদা কোয়চৎ চৎতুনা মীওই কয়াগী পুন্সি কন্নম্বদু মীয়ান্না নীংশিদুনা লৈহৌরি। তমেংলোংগী খোঙচৎনা পুন্সিগী নীংঙমদবা পোৎলুম অমা নমদা থোঙ্গৎতুনা ইম্ফালদা লাকখিবনি। নুংশি মৈশা লাংবগা লোয়ননা মচাগা শেৎন-খায়নরকপগী মৈবী অমসু থম্মোয়নুংদা নৌনা অমুক চুখৎখি। ফোঙদোক-হায়দোকপা ঙন্নমদ্রবা পুন্সিগী অরোনবা কয়ানা অমম্বা অহিংগুম নোংঙানবা ঙাইঙমদনা চৎখিববা? মীওই থবদি হিংলিঙে মতমদা মানা মানা পামজবম্বা পান্দমদু ফংখিবসু য়াওই। মসিদি তোমথিল ঙানবা অখননবা থরতগীনি। কমলনা হিংলিঙেদদি মসিমক ওইখিদ্রে। অদুবু ঙসিদি অরোন-অফোংগী সমাজ হায়বদুগী মফম লৈবক্তে হায়বা য়ারে। অহাংবা অতিয়া, সমুদ্র ইরোলনুংদগী পোৎশক ফাওবা থীবতনা পুন্সিগী থৌদাং ওইরবা মতমসিদা কমলনা পামজরম্বা মণিপুরী সমাজগী মথক্তা তৈরম্বা ধর্ম্মগী চৎনবী মচুদুদগী ফনা য়ান্না কোকথরক্কে হায়বা য়ারে। অদুবু মসিমক্লা মরোইরে হায়বদুদি লৈত্রি।

লোইখ্রবা থবক্লা পুন্সিবু মশক তাকপদি মীওইবগী মশিনজাংনি। পুন্সিগী অঙনবা অয়ুক্তা নীংবা কায়রবা কনানা হরাও-তয়াম্বগী মাইথোং উবা ফংখিবগে? পুন্সিগী লম্বীদা চহীনা নম্বো পোববা মীওইশিংদা থাগৎ বাহ্নে কয়া পীরুদুনসু মাইথোং মকা লাম্না নোকচবদি খবা ৱাৎকনি। মীওইবা খুদিংমক্কী মাগী মাগী পান্দমফম লৈবম্বা য়াই। লৈরিবা পান্দম খুদিংমকসু অহোংবা নাইবা পুন্সিগী ঈচেলদা ঙাইহাক্তং পল্লম্বগুম্বনি হায়নবা লৈ, মতমনা কনাবুসু ঙাইবিবমদে, অদুবু মতমনা পুবকপা অহোংবলক্তা পুন্সিবু মশক তাক্লন্নবা মীওই খরদি থবক্লা মৈ য়াংবসু য়াওরি। লোইবা নাইরোইদৌবা কায়নবা থুংনবগী খোঙচৎসিদা ঙসি হয়েংগীদমক থাগৎপা অমদি তাথি-তাওইনবা কয়ানা পুন্সিবু লাননা উখিগদৌবদগী অনৌবা উপায় অমা থীবম্বসু য়াই। অউবা অমদি থেংনরুবা খবদংনা পুন্সি অমগী মশক তাকপা হায়বসিসু মপুংফাবা খবদি ৱাৎকনি। অদুবু মীওইদুনা পামজবম্বা, খঙ্গবম্বা পান্দম খবদি খঙবা ঙন্নবি। মদুনা লোৎনা থুপনা, চেৎনা খঙহন্ননিংদনা থল্লম্বা থম্মোয়নুংগী মপাও খবসু অমুক মতমগী ঈচেলদা তাওথবক্তুনা অনৌবা আশা অমা ওইব্বসু কনানা খঙগনি। নৎত্রগনা ওইবরোই খন্নবম্বা খবসু অরোন-অথুপকী লৈরোল হাযদোকখিদুনা পুন্সি কযাগী মশক তাক্লবা। মসিনা অমুক পুন্সিবু মশক থীহনবগী মহুৎতা হেন্না মপুং ফাবা ওইব্বসু য়াই। ডাক্তব কমলসু পুন্সিগী পন্দুপ-কয়াদা নীংবা কায়ববা মীওই অমা ওইখিবনা অনৌবা সমাজ অমগী পম্থুং থীখিববা হায়বসি খম্বনিংঙাই ওইবি।

কমলগী মতমগী মণিপুবী সমাজদি খুৎকন-পাঙ্গনবশিংনা হুমদুনা চৎনবম্বগী মওংসি মাধবী উপন্যাসতগীসু খবমখৈদি খঙবা ঙম্মী। খুৎকন-পাঙ্গনবনা শেম্বা মণিপুবী সমাজগী চৎনবী মবক্তুদা মচিল কাংথোকপা ঙমজদ্রবা মীওই কয়ামনা অৱা-মৈশা খাংজখিবনি। শাগৈ-জাৎ, অনেম-অৱাংগী চৈথল মবক্তুদা ৱাববসু ৱাদ-শাদুনা পুন্সিবোল কয়াগীদমক কমলসু হিংমিন্নখি। পুন্নমকসি খল্লুবগা অনৌবা আশা অমগা লোয়ননা পুন্সিবোলশিংদুগীদমক থম্মোয়নুংদা নুংনোংবা ফাওজবমগনি। মান্নবা খুনাই, জাৎ-বিজাৎ, লাইর-ইনাকখুনবা, অনেম-অৱাং খাইদ্রবা সমাজ অমগীদমক থৱাইনা পোম্বা ওইখ্রবা মবৈবাক নীংবা মহাত্মাগী ৱাখল্লোল কবিদসু ফাওখি হায়বসি মাগী শৈবেং লাইবিক 'লৈপরেং'দা মমি তাবিঃ-

নিংথমথাগী উন্না খ্রং খ্রং তাখ্রবদা,
নুংশিৎনা ময়া পান্দুনা চিক্কে তাল্লবদা,
নিংথম চাউবা ভাবতবাসীনা,

খাংনখি "ত্রাহি" "ত্রাহি" হায়না,
ফোং ফোং শাবা ফৈজুপকী মরুমদা লোক্লুনা,
হৃকচাং কয়াৎ অপুম্বা থমখি থুপচিন্দুনা।

(কনাগুম্বা স্বদেশ ভক্ত অমদা ২৯·১৯৬৩)

জাৎ-কুচু খায়বগী মাইয়োক্তা মহাত্মানা অবা-মৈশা কয়া খাংজখি। কমলসু পামখি, জাৎ-কুচুগী মৈরীদু মুৎথৎপা। মৈরিসিবু মুৎথৎলবতদা নুংশি চান্নবা সমাজ অমগী মগুলান্দা তাওজখিবনি। মীওইবনা শেম্বা চৎনবীনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা নুংশি-চান্নবা লৈত্রবদি করি কান্নবিবা? করিগুম্বদা কমলনা খনখিবজাৎলা? চৎনবী হায়বসি মীওইবা সমাজগী মথক্তা য়োম্বা কুয়োম ওইববদি তুংকোইনা চুন-চানগদবা অনৌবা মখল মথেল কয়াগী মচুনা লৈতেংলবা অমনা মহৎ শিনবসু য়াফম থোকই। নৎত্রগনা সমাজগী মথক্তা শংবা মচু ওইরবদি মতমনা পুরকপা অওনবদা শোয়দনমক্কী কোক্রুক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈবমগনি। ওইনিংবা কয়া ওইজসনু, ব্রাহংশিং অসিগী পাউখুম তোঙান তোঙানবা ব্রাহংশিংনা মহৎ শিল্লকপসু য়াবি।

পৃথিবীদা অওনবা কয়া লাকখ্রবসু মণিপুরী সমাজদদি জাৎ-কুচু অমসুং শাগৈ-জাৎকী ব্রাফমসি কননা চৎনরম্মী হায়বসি অইবী খাইদেম প্রমোদিনী দেবীনা অসুম্না ঃ- "শোক্লা-শম্নবা য়াব য়াদবে চৎনবী, শাগৈ-জাৎ, ফবা-ফত্তবা, লাইব-অনং, ইনাক খুনবা, অশোনববু অকন্নবনা তুহৎপীবা, নুপীবু তোম্বনা য়েংবা মীৎয়েং অসিগুম্বা খেন্নবা চৎনবী ময়ামসিনা য়োমশিল্লম্বা মৈতৈ সমাজনি" (ইচে খোইবী অমসুং অতৈ ব্রাবীশিং ৬.১৯৯৭)।

অঙনবা মতমদগী মণিপুরী সমাজদা ইন্টিগ্রেসনগী ব্রাফমসি অদুম লৈবকই। চীং অমসুং তম অনীদা লৈরিবা মীওই কাঙলুপশিংগী মবক্তা চাবৌ-মৌবৌনবম্বগী ব্রাফম থাংমৈলোনদসু ময়েক শেংনা পল্লি। চুম্নতগী মীচম প্রজা অমনা চীংমী নিংঙোল লৌরুবা নত্তবা লৈবাক্কী মপু ওইবিবা নিংথৌ ফাওবা য়াওখি। অদুঙৈ মৈদিঙু কাইনৌ ইবেংবনা চীংদাই নিংথৌগী মমোম পীতোংনু নুংফাপীবু লুহোংদুনা লৌরুবগী ব্রাফম পানবা য়াই। মতমদুদা চীং অমদি তম অনীগী অচেৎপা মরী লৈনরম্মী। অদুবু তরানিপাল শুবা শতাব্দীদগী কুনশুবা শতাব্দী চংলকপা ফাওবদা মণিপুরী সমাজদা ধর্ম্মগী অকন্নবা চৈথেং অমনা চীংতম অনীগী মরক্তা মচোই মচোই তানবগী থৌদোক থোকখি। চৈথেংদুনা মীওইবা মরক্তা খাঙমদ্রবা মৈরীগী মৈশা অমা ফাওহনখি। মৈশাদুদগী নীংবা কায়বগী তেংথারোল কয়ামসু ফোঙদোকচবা ঙমদনা লৈরম্বসু

য়াই। পুন্নমসি উরু-তারুবদগী থম্মোয়নুংগী মপাও খবা সাহিত্যদা মমি তাখিবসু য়াই। তশেংনমক ইন্টিগ্রেসনগী মীৎয়েংদা য়েংলুরবদি মীগা মীগগী মরক্তা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবগা লোয়ননা চারৌ মৌবৌনবম্বসিনি। মসিদদি ধর্ম্মগী খেনবা লৈত্রবা, অবাংবা থাক্কী সমাজ অমগী পান্দমদুনি। পান্দমদু ফংননবা কমলনা তমেংলোংদা অনৌবা পুল্লিগী লামায় অমমুক হায়দোক্লুবরা? শেগাইরবা পুল্লিগী চেনাশিংদু হায়দোক্লুনা য়েংলুবগী মহৈবা হায়বদু হংনিংঙাই ওইবি। নৎত্রগনা মতমদুগী সমাজগী চৎনবীনা পুন্নম্নবা মীওইশিংদা কমলনা মীনুংশিগী পাউজেল পীবগা লোয়ননা অশানবা মীৎয়েং অমা থমনিংখিববা?

কমলগী কাঞ্চীপুর

মাধবী উপন্যাসকী ৱাৰী হৌবকপদগী লোয়বা ফাওবদা কাঞ্চীপুবগা মবী লৈনৈ। লামায় ৮৩ পানবা উপন্যাস অসিদা কাঞ্চী অমসুং কাঞ্চীপুব হায়বা ৱাহৈসি মশিং ৩৪ বোম য়াওবি। উপন্যাস অসিগী অহৃমসুবা পন্দুপকী "শিলংগী শকক নত্তনা অয়াম্বদি কাঞ্চীপুবগা থাদোক্লবা য়াদ্রবগুম তৌই। কবিগীদমক্তা কাঞ্চীপুবগা অসুকী মতিক তথন-থানবা য়াদ্রিবনো হায়বগী বাহং অমা থোক্রকই। কাঞ্চীপুব হায়না খণ্ডনবকব্রিঙৈগী মমাঙদদি মফমসি লাংথবাল হায়না অদুমক খণ্ডনবকই। মণিপুবী ইতিহাসকী মতিক মগুন লৈরবা নিংথৌবোল অহৃম বাজশ্রী ভাগ্যচন্দ্র, গম্ভীবসিংহ অমসুং চন্দ্রকীর্ত্তি মহাবাজশিংগী হাক্তক্তা লাংথবালদা কোনুং ওইদুনা পাল্লম্মী। বাজশ্রী ভগ্যচন্দ্র মহাবাজনা মফমসিদা গোবিন্দ নিরুপন তৌদুনা লাৎপা হৌখি। ইং ১৭৭৯ হিয়াঙ্গৈ থাগী ১১নি পানবা ঈবাই নুমিৎতা শ্রীগোবিন্দ অভিষেক তৌখি, নুমিৎ মগুানি বাস শান্নখি। "কাঞ্চীপুব" হায়বা ৱাহৈসি ভাগ্যচন্দ্র মহারাজগী মতমদা শীজিন্নবম্বা থেংনৈ— "কালেন থা নিংথৌকাবনা নিনি পানলে। হন্নি লৈপাকপোকপদা মহাবাজনচিংবা বিষুঃপুরদগী "কাঞ্চীপুর" তান্না লৈবাক পুন্নমা ওংএ" (চৈথারোল কুম্বাবা ১৩৩-১৯৮৯)

"কাঞ্চী" হায়বা ৱাহৈসি সংস্কৃত ৱাহৈনি। ৱাহৈসিবু অসুন্না :- A woman's girdle or Zone furnished with small tinkling bells or other ornaments N of an ancient city in the south of India, regarded as one of the Sacred cities of the Hindus for the names of the Seven cities, like Puri etc. (The student Sanskrit English Dictionary 142 1988· Vaman Shivram Apte), পাল্লম্মী। অদুবু পীরন্নিবা অর্থসিদা অনীশুবদা পীরিবা অসিনা হেন্না চুনগনি। করিনা মহারাজ ভাগ্যচন্দ্রনা শ্রী গোবিন্দ নিরুপন তৌরবা

মতুংদগী মফমসিবু হিন্দু ধর্ম্মগী অশেংবা তীর্থ অমগুম লৌনবা হৌবকখিবদগী ওইগনি।

কাঞ্চীপুব হায়বা খুল নৎত্রগা মফমসি মণিপুর গর্ভনমেন্টকী লেন্দ বেকোর্দতা মমিং লৈতে। অসিদসু নত্তনা খুলগী নম্বর, দাগ চিঠানচিংবা অবিবা রেকোর্দতসু য়াওদে হায়রি। অতৈ খুলশিং ক্যামগৈ, লাংথবাল অমসুং নাওবেম লৈকায়নচিংবগীদি য়াওবি। হৌজিক ফাওবা মীয়াম্না ভাংনবিবা বাফম অমতং পনবা তারবদি কাঞ্চীপুব হায়স্কুল লিংখৎলম্বা তোলচৌ অতুলচন্দ্র সিংহ (১৮৯৭-১৯৫৯) অমসুং ডাক্তব কমল (১৯০০-১৯৩৪) মখোয় অনীগী মগুজবম্বা মগুলাননি হায়নরি। কাঞ্চীপুব হায়স্কুল লিংখৎখিবসি ইং, ১৯৩৭ তনি। অতুলচন্দ্রগা কমলগা য়াম্না লুনা তিন্নজে, ডিব্রুগডদা এল এম পি তম্মিনবম্মী। অতুলচন্দ্রনা কমলদগী চহী অমা অনীবোম হান্না মেদিকেল তন্নম্বনি। মহাক্না ডিব্রুগডদা এল এম পি তম্বগীদমক মমাগী মৌপ্পা নুপা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম অমুজাও সিংহ নাওবেম লৈকায়দা লৈবনা শেল-থুমগী অবাৎ-অপা পুন্নমক তেংবাংলম্বনি। ইমুং মনুংগী ফিভম ফৎচিল্লক্তবদগী এল এম পি লোইশিনবা গুমদনা তোক্লকখি। অদুবু কাশিদা চৎতুনা সংস্কৃত মপুং ফানা তমখি। লাইবিক লাইশু হৈববা মীওইশিংনা সংস্কৃত অমসুং বাঙ্গলাগী লোল শীজিন্নদুনা মণিপুবী সাহিত্যগী মখোঙ শোন্নম্মী। গোবিন্দ নিরুপন তৌখিবা মফমসিবু ধর্ম্মগী অশেংবা তীর্থ অমগুম লৌদুনা "কাঞ্চীপুব" হায়না মমিং থোল্লম্বসু য়াই। মতাংসিদা কমলগী শৈবেং লাইবিক "লৈপবেং"গী ১৬ শুবা শৈবেংদা য়াওবিবা "কাঞ্চীপুবগী লেমহৌবা মখাক" হায়বসিদা "কাঞ্চীপুব" হায়বা বাহৈসি নৌনা শেন্নকপনি হায়না পল্লম্মী— (The name "কাঞ্চীপুব" was recently introduced but it sound so sweet that I wish it to have been from the ancient) ভাবতকী তোঙান তোঙানবা মফমদা ধর্ম্মগী অশেংবা তীর্থশিং লৈবগুম কাঞ্চীপুববুসু অমা ওইনা লৌননবা হোৎনবা ওইবমগনি। হৌজিক্তি অবাংবা থাক্কী মহৈ-মশিংগী তমফম অমা ওইববে। কমলগী মগুলান মগুফাওনবে হায়বা য়াবে।

অনৌবা শিক্ষাগী মহাও

ভারতকী সাহিত্য হায়বগা অয়াম্বনা মরুওইনা সংস্কৃত সাহিত্যবু খণ্ডনবকই। মসিদি ভাবতকী সভ্যতাগা লোয়নদুনা লাক্লবা সাহিত্যগী মশকনি। মহাকাব্য, খণ্ডকাব্য অমসুং কাব্য কয়াসু সংস্কৃত সহিত্যদা থেংনবি। ঙসি ঙসিমক ওইবিবা ভাবত সাহিত্যগী মশক মওংসিদি বৃটিসশিংনা চহী খরা খুন্দা লৈতারম্বগী মহৈনি। মখোয়না নোংচুপলোমগী শিক্ষাবু মশক তাক্লনবা হোৎনবতা নত্তনা চাওখৎনবা হোৎনখি। ইংরেজি লোলবু চাওখৎননবা হোৎনবদা স্কুলগী কাবিকুলমদা মপুং ওইবা লোল অমা ওইনা তমহল্লকই। তোঙান তোঙানবা হীবমদা পাকথোক চাওথোক্লনবা ইংবেজি লোল খণ্ডবা মীওইবু থবক তৌহন্নবগী খুদোংচাবা পীবম্বগী রাফম ইতিহাসনা শাখি ওইরি। মতমদুদা কলিকাতাদা লৈবম্বা মীওইশিংবু ইংবেজি লোল হৈহন্দুনা মালেমগী হোংলকলিবা কয়াবু খণ্ডহন্নবা হোৎনখি। মসিনা মালেমগী খোংজেলদা য়াওবা ঙম্লনবা লম্বী অমনি হায়না লৌনখি। মতমদুদা মহৈ-মশিং তম্বদা পুক্লিং চংজবা মীওই খবসু থোক্লকখি। বাঙ্গলা সাহিত্যগী লময়ানবা অমনি হায়না লৌনবিবা শবৎচন্দ্রবুসু নোংচুপ লোমগী শিক্ষা তম্লুবগীদমক লৈকায়না ইঙ্কোকপিরবা মীওই অমগুম লৌবিখি। ময়ুমক্তদা তৌবা উৎসব ফাওবা য়াওবা য়াহনখিদে। মতমদুগী ধর্ম্মগী চৎনবীদা শবৎচন্দ্রনা কবিগুম্বা খরা তৌরুবগীনি হায়না মীয়াম্না খন্নখি। অসিদসু নত্তনা ডা বাজা শিবচন্দ্র ফাওবা বৃটেন্দা লাইবিক তম্বা চৎলুবগীদমক লৈকায়দগী তোঙাম্না লৈহনবগুম তৌবিখি।

ভাবত্তা তবামাপলগুবা শতাব্দীদা অনৌবা সাহিত্যগী মশেক মঙাল ফংখ্রে। অদুবু মণিপুবদদি কুনগুবা শতাব্দীদতা হায়বদি চহী ১০০ বোমগী মতুংদা য়ৌরকখি। মসিসু নোংচুপলোমগী শিক্ষাগী স্কুল লিংখৎলম্বগী মহৈনি। মণিপুরদা অনৌবা শিক্ষাগী

অহানবা স্কুল হায়ববদি জোনষ্টোন স্কুলনি। জোনষ্টোন স্কুল ইং ১৮৮৫ দা লিংখৎখি। খৃ ১৯২০-২১ ফাওবদি স্কুলসিদা ক্লাস নাইন ফাওবদং লাইবিক তম্বগী খুদোংচাবা ফংলম্মী। মখা লাইরিক তমথগে হায়ববদি অরাং নোংপোক ভাবতকী অহানবা হায়স্কুল ওইবিবা শিলং গভর্নমেন্ট হায়স্কুলদা ক্লাস টেন তম্বা চৎনবম্মী। মতমদুদা লাইবিক লাইত্ত তম্বা চৎপা হায়বসি শেল-থুমগী ফিভমদা অরাবা অমদি মাইয়োক্লবা তাই। মবম অসিনা অখন্নবা মীওই খবতমক সবকাবনা খনগৎলগা লাইবিক তম্বা থাবগী মওং অমদা চৎনরম্মী। তমগদৌবিবা মীওইদুগী অচংবা শেলফম পুম্নমক ষ্টেং সবকারনা পুথোকপিদুনা তম্নবম্বগী চৎনবী লৈবম্মী। মীপুম অয়াম্বনা লাইবিক তম্বা ঙম্নবমদে।

মণিপুবদা কুনশুবা শতাব্দীগী অঙনবা শরুক ফাওবদি নোংচুপলোমগী শিক্ষাগী মহাও তংজবা ঙমদ্রি। অরাংবা থাক্কী মহৈ-মশিং তম্বগী মহৎতা ইমুং মনুংগী থবক লৌউ-শিংউবা অমদি গৌড়িয়া সম্প্রদায়গী থবক থৌবমদনা হেন্না থরায় য়াওনবগুম তৌবি। অনৌবা শিক্ষাগী মঙাল খবদং ফংন্নবা হোৎনজবিবা মীওইশিংবু লৈকায়না মীনোক চংবি, কতন, রাদনা নুংঙাইবা পাম্বা, অথাকপা শল খবা লোয়বে হায়না নোক্লবিবসু যাওই। নোক্লফম থোকই, কবিনা পৃথিবী পুম্বা জয় তৌগে খল্লিবা জাতিদুগী বাখল্লোল মতমদুগী মণিপুবী সমাজদা লৈবিবা মীওইশিংগী মবক্তা মমুৎ-তানা খঙবা মীওই মশীং য়ামদ্রি। নোংচুপ লোমগী শিক্ষা তম্নুবদগী ফংলকপা মশেক মঙালদুনা কমলসু মণিপুবী সাহিত্যগী মঙলান অমা মঙবা হৌবকখি। মঙলানসিনা মণিপুবী সমাজবু মশক তাকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈখি। পুম্নমকসি ওইদুনসু নোংচুপলোমগী সাহিত্যবু মশক তাকপদুদি পামখিদে। মবৈবাক মজাতিগী সাহিত্যবু নৌনা মখোঙ শোমনিংবগী আশা অমা তৌজখি। মীওইবা সমাজগী মনুংদা জাৎ-বিজাৎ, অনেম-অরাং খায়বগী চৎনবীসি মুৎথৎনিংবগী অপাম্বা পোকখিববা? সমাজনা ইম্থোকপিববা, নৈহৎপিরবা, লৈখাতাববশিংবু লৈমায়দগী খুনগৎনবগী থৌবাং তৌবকই। থোয়দোক্লা কংলুববা পাম্বীদা অনৌবা ময়োল চোংহল্লকপগা লোযননা লৈশাৎ তমহননিংই। কমলগী বাখল অমসুং মীৎয়েংদি অতৈদগী তোপ তোপ্পী। মাগীদি নীংবনা অমা অদুগা তৌথোক্লকপনা অমা হায়বদুমক্তি ওইখিদে। মহাক্কী বাহৈদা "শুভশ্য শীঘ্রম" হায়বদুমকনি তৌবা পাল্লিবা।

সাহিত্যদা কমলগী মীৎয়েং

মণিপুব মহৌশা লাইবেম্বীগী ফজববা খুদোলশিং অসি য়েংলুববদি সাহিত্যগী মচাক বাৎতে। সাহিত্যগী মখোঙ শোম্বীনবা মীওই বাৎপসু নত্তে। অদুবু তবানিপালশুবা শতাব্দী চংলকপদগী কুনশুবা শতাব্দীগী অঙনবা শরুক ফাওবদি অনুবাদ সাহিত্যনা মণিপুবী সাহিত্যগী মহুৎ শিল্লম্বা মতমনি। চাওবাক্লা চহী চনীবোম মোংফমদা তুম্লুববা মতুংদা মমালৈবাক মজাতিবু নুংশিজবা লময়ানবা কবি খবা থোক্লকখি। মখোয়শিং অদুদি ঃ- লমাবম কমল সিংহ (১৯০০-১৯৩৪), খ্বাইবাকপম চাউবা সিংহ (১৮৯৫-১৯৫০), অমসুং হিজম অঙাংহল সিংহ (১৮৯২-১৯৪৩) নি হায়বা য়াই। মখোয়না কাওথোক্লববী মমাবু নৌনা অমুক ফংজবশুম হরাওজখি। অথোৎপা অমেংবা খোঙ্হোংশিংগা লোয়ননা মমালোলবু চাওখৎননবা হোৎনবকখি। অদুবু মখোযগী বাখল মীৎয়েংদি মান্নদে। কমলনা পামখি, অনকপা অমদি অকোয়বদা লৈবিবা মহৌশাগী ফজবা, মস্থবক্লবা, কিন্থ-তেকথবক্লবা, সমাজনা তুহৎপিববা কয়াগীদমক থম্মোযগী পাউদম মণিপুবী সাহিত্যগী মচল ওইনা শেমলকখি।

মালেমগী ওইনা সাহিত্যদা হ্যুমেনিজমগী ঈহৌ লাকখিবসি তবামাপলশুবা শতাব্দী চংলকপা মতমদগীনি হায়না লৌনবি। হ্যুমেনিজমগী বাফম থোক্লকখিবসিসু বিনাসাগী মীৎয়েংদগী পাকশননা য়েংলকপা শরুক অমনি। মসিনা মীওইবগী ভেল্যু, মীনুংশিদা, মরুওইবা পান্দম থমদুনা পুন্সিগী মশক অমদি মমল লেপ্পবা হোৎনবকই। চুন্নতগী হোৎনরকপদুতা নত্তনা কৎথোকপা অমসুং অবাংবা থাক্কী বাখল্লোল অমা সমাজদুদা পীবগা লোয়ননা সাহিত্যগী মচাক ওইহনবদুনি।

মীওইবা সমাজদা মতমগী মতুংইন্না অকনবা শাফুগা লোয়ননা অওনবা, অহোংবা কয়া লাকখ্রে। সমাজদুদা অওনবা অহোংবা লাক্রিবমখে সাহিত্যদসু অদুমক অহোংবা

লাকখিগনি। সাহিত্য হায়বসিদি মীওইবনা মীরোল কয়াগীদমক চিন্থাং য়েনা পুথোবকপা শৈথারোল কয়াগী রাবেং শৈরেংশিংদুনি। সাহিত্যগী মচাকশিংদি সমাজ অমসুং মহৌশানা ওই। সমাজ অমসুং মহৌশাদগী ফংলকপা মচাকশিংগী রারীরোলনা হৌখিবা অমদি ওসিগী শক্তমশিংবু মীরোল কয়াদা পাউদমজন্নকগী তাঞ্জা অমদি পীরবি। মণিপুরী সাহিত্যদা হ্যুমেনিজমগী মমি তাবকখিবসি কুনশুবা শতাব্দীদা কিনাসা লাক্রবা মতুংদগীনি। ডাক্তর কমলগী উপন্যাস "মাধবী" দা হ্যুমেনিজমগী চাংয়েং তৌবগা লোয়ননা অনৌবা সমাজ অমগী মঙলান অমসুং মঙলম্বনি। মঙলানসিগী পান্দমদি মীনুংশিদা তুংলমচৎকী অশানবা মীৎয়েংদুনি। পুন্সিবু চৎনবীনা হুমদুনা পুথ্রগা অমম্বা লোক্লুংদা ফুমজিন্দুনা থম্বদু পামখিদে। অমম্বা, অসুকপা লোক্লুংদগী অভানবা মশেক খবদং ফংন্নবা হোৎননিংবদুনি কমলগী আশাদি।

সাহিত্যগী অহানবা পোৎথোকসি শৈরেংনা ওইবকই। ঙসি ফাওবদা সাহিত্যগী খোঙচৎসিদগী নাম্বোকাখিদ্রি। মণিপুরী সাহিত্যগী লময়ানবা কবি কমলসু খোঙচৎসিদগী লাপথোকখিদে। উপন্যাস, নাটক(ড্রামা), রাবীমচানচিংবা ইদ্রিঙৈদা শৈবেংদা হান্না খুৎথাবম্বগী খুদম কয়া থেংনৈ। মাগী শৈবেং লাইবিক (লৈপবেং) ইবা হৌবকখিবগী মতমসি মণিপুরদা অনুবাদ সাহিত্যগী য়াতাফম ওইবকপদগী ফাওবকপা ঈহ্নলশিংনা পীবকপা ঈথিল ওইগনি। থোইদোক্লা কবিগী রাহে খবদং পনবা তাববদি ঃ- "অতোপ্পা জাৎকি লাইবিক কয়ামুক্কী অনুবাদ তৌদুনা মৈতৈগী সাহিত্য শেম্বা অসি অশম্বা পাঙ্গনিদি হায়ববু তৌইশুম্বসুং মদু মীগী মপোৎ রাইদুনা শীঙিন্নবগুম্বনি" হায়না পল্লম্মী (লৈপবেং রাহৌদোক)। মমালোল (মৈতৈলোল) চাওখৎনবগী থৌবাংদা শৈবেং কযা ইবা হৌবকখি। মুৎনাইদ্রবা সাহিত্যগী খোঙজেল অমগীদমক ঈখৌলাংবা পোকচখি। "মৈতৈ চনু" চেফোংদা কমলনা শৈবেং ইদুনা সাহিত্যগী মচাক হুনবা হৌবকখি। ইং ১৯১০ গী অদুরাইদা মণিপুরদা ছাপাখানা লৈবে। (অপুনবা রাবেং ৯৮ ১৯৮৬)। হায়বিবা মতমসিদা কমলদি স্কুলদা লাইবিক কন্না তমলি। অসুন্না অমুক ঃ- "ছাত্র ওইবিঙৈগী মতমদা মৈতৈ লৈকোন্দা হৌবা লৈবাং অমমম অনীনিতং— থিজদুনা লেংজহৌবা লৈবাং পবেং অমক্তং লৈজে" (লৈপবেং—রাহৌদোক)। পুন্নমকসিদগী কমলনা স্কুলগী ছাত্র ওইবিঙৈদগী শৈবেং ইবে হায়বসিমদি ময়েক শেংনা খঙবা ঙমলে। অদুবু লৈপবেংগী অপুনবা শৈবেংশিং অসি অহানবা কপি মাংথ্রবা মতুংদা অমুক "মৈতৈচনু", "জাগবণ প্রতিকা" অমসুং অতৈ চেফোং কয়াদগী খোমজিন্নগা পুথোক্লকপনি হায়না অইবা মশানসু পঞ্জবম্মী। লুরিবদি স্কুল তমলিঙৈ নৎত্রগা মেদিকেলগী ছাত্র ওইরিঙৈদা শৈবেংশিং অসি

লোইনমক ইখিবরা হায়বদুদি খঙবদা খরা বাবে। কমলনা তমেংলোংগী খোঙচৎতা থেংনখিবা অবা-নুংঙাইগী শৈরেং খরসু য়াওবম্বা য়ারি, থোইদোক্লা পনবা য়াবদি "নির্জ্জনতা" শৈরেংসি তমেংলোংগী খোঙচৎকা মরী লৈনে। মাগী পুন্সিদা থেংনবখিবা, কয়াদগী ফাওরকখিবা থম্মোয়গী খোম্বাংনি হায়না লৌবা য়াই।

পুন্সি খোঙচৎতি থৌদোক বাথোকশিংনা পুনশিন্দুনা শেম্বনি। কবিগুম্বা মতমদা মীওইদুনা থৌদোকশিংদুগী মরমদা ফোঙদোকচন্নবগী খুদোংচাবা ফংলমগনি। মদুমক্লা থম্মোয়নুংদা ফুমদুনা লৈজরম্বা খোম্বাংশিংদু ঈফুৎকুম ফাওগৎলক্রমগনি। থম্মোয়নুংগী খোম্বাংশিংদু ফোঙদোকচন্নবা হোৎনরকপদা চৎনবীগী অকি-তুজুং কয়াবু কবিসু নাচুংদনা লৌরমগনি। মতাংসিদা "Mine is not religion of the prison house" (India of my dream 175 2001 M K Gandhi) নীংশিংলকই। কমলসু ধর্ম্মগী চৎনবীনা বাখল, থম্মোয়গী খোম্বাংশিংবু খক ফাজিন্দুনা থমখিদে। মহাক্কী পুন্সিদা থেংনবকখিবা কয়াদুদগী শৈরেংশিং ইখিবনি। শৈবেং তবানিপালগী অপুনবা লাইবিক "লৈপবেং" (১৯২৯) পুথোক্রকখি। শৈবেং অয়াম্বদি মবৈবাক মজাতি অমদি মমালোল নুংশিবগী ঈহৌদগী শাগৎলকখিবা ওইনা তৌই। লাপ্না চৎতুনা শৈবেংগী মচাক থিরুবা নত্তে। অনকপদা উরুবা, থেংনরুবশিং অমদি মহৌশাগী নিংথিজবা দৃশ্যশিংগী কায়থরক্রুবা শক্তম অমসুং মতমগী হোংলকলিবা সমাজ অমদি সংস্কৃতিগী মশক তারুবা হোৎনবম্মী। মসিমক্তি মহাক্লা পামজবম্বা শৈবেংশিংগী শৈথাবোল। "মৈতৈ চনু", "লৈশক খঙদবা লৈপাল", মৈতৈ কোকিল", "থাইনগী মৈতৈ সাহিত্য" অমসুং "হৌজিক্কী মৈতৈ সাহিত্য" হায়বিবা শৈবেং খবসিদা কবিগী বাখল, আশা, মঙজবম্বা মগুলান অমদি নুংগী ওইবা বাখল্লোলশিংদু উবা ফংগনি।

মাধবী উপন্যাস (১৯৩০) মণিপুরী সাহিত্যদা খুদোল তম্লকই। মতমদুগী মীরোলনা মাধবী উপন্যাসগী মহাওদি ফজনা তংবা ফংনখি হায়বা য়াই। মবমদি চুম্নতগী স্কুলগী তম্নবা লাইবিক হায়বদু ওইখিদ্রে। অহল নহা খাক্তনা মাধবীগী বস লৌজবা ঙমজখি। লাইবিক হৈবশিংনা হৈতবশিংবু পাদুনা তাহল্লি। তশেংনা হায়ববদা পোত্থা লাইবিকনি হায়বা য়াই। উপন্যাস অসিনা মণিপুরী সমাজদা সাহিত্যগী অনৌবা ঈনোৎ অমা পীবা ঙমখি। থোইদোক্লা উপন্যাস অসিদা মীনুংশি কৎথোকপা অমদি মতমদুগী সমাজগী চৎনবী কয়াদগী নাম্বোক্রগা অশানবা মীৎয়েংগী পাউজেল অমা পীম্নবা হোৎনরম্মী হায়বা তাই। মতমদুগী সমাজগা চুন-চানগদবা মওংদা "দেবযানী" ড্রামা ইদুনা থম্লম্মী। ড্রামাসিনা মরুওইনা উৎনিংলিবসি সমাজ অমদা ওইথোকপা

য়াবা অমসুং য়াদবা হায়বসি অঙম্বা মীওই খবগী থৌবাংনি হায়বদু তাকলি। ব্রাহ্মনগা ক্ষেত্রিগা লৌনা-লৈনবা য়াদে হায়ববদু ধর্ম্মগী পুরোহিতশিংনবু য়ারবদি য়াই হায়বসি খণ্ডহননিংই। মসিনা তাকপদি সমাজ অমদা চৎনরিবা চৎনরোলশিং অসিগী মাইয়োক্তা য়ানিংদবা উৎনিংই।

কমলনা পুন্সিগী অথেংবা শরুক্তা "ব্রজেন্দ্রগী লুহোংবা" (১৯৩৩) কৌবা বারীমচা অমসু ইরম্মী। থোইদোক্লা বারীমচাসিদা মৌ থীবগী চৎনবী অমা লৈরম্বা, নুপী ওইবীগী অখাণ্ড কনবা, পুকচেল তপ্লবী কয়াগী পুন্সিবু সমাজগী চৎনবীনা হুমদুনা পুবদু তাকলি।

অনৌবা মণিপুরী সাহিত্য

মালেমগী ওইনা সমাজ অমসুং সাহিত্যদা অহোংবা লাকখিবসি তবামবিশুবা শতাব্দীদা ইতালিদগী হৌরকখিবনি হায়না লৌনরি। মথং মথং অনৌবা মাইওনসিনা তবাতরুকশুবা শতাব্দীদদি য়ুরোপ শিন্নুংনা শন্দোক্লকখি। হোংলকলিবা অসিনা মরম ওইদুনা সমাজদুদা হিংলিবা মীওইশিংদুগী পুন্সি মবেল তাকপদা নত্তনা সাহিত্যদসু মশেক মণ্ডাল পীবগা লোয়ননা অহোংবা লাকখি। পুন্নমকসি ওইদুনসু মণিপুরদদি কুনশুবা শতাব্দীগী অঙনবা শরুক্তা নোংচুপলোমগী শিক্ষা লাক্লবা মতমদতা অহোংবা অমদি অনৌবা শক্তমসিগী মমি তাবা হৌবকখিবনি। ইং ১৯১০ দা মণিপুরদা ইদুকেসন দিপার্টমেন্ট লিংদুনা মণিপুরীশিংগী অনৌবা আশাগী মযোল চোংবা হৌবকখি। শাংলবা চহী২০০বোম বীপভান ঋিনকলনা নাইনশিন চাকব্দগী কাসকিল মাউন্টেনদা নিংঙাইদনা তুন্নম্বদগী মীৎকপ থোক্লকপগুম মৈতৈ মচাশিংসু নৌনা যাকাইবকখি। কবি নীলকান্তনা (অচাইবা লৈ) দা "অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যবু চহী গুমফুরোমতা ঙাইহিবি অমসুং কুনশুবা শতাব্দী চংলকপদা সাহিত্যদসু অনৌবা মশক মওং অমা লাকপগুম তৌবকই" হায়না পল্লম্মী। মতাংসিদা এলাংবম দীনমনিনসু (খুইবাকপম চাউবা) দা অসুম্না "মঙক খজিক ফাওবা লীৎখৎপা ঝানা থোকখি। ঈথে ওইনা হায়জিল্লকপা বাঙ্গলা ইংলিসনচিংবা সাহিত্যশিংগী মবক্তা ঈবারুদুনা লৈবা তাখি"। অসিদসু নত্তনা "শন্না হাযববদা হকচাংনা মণিপুর ওইরগা পুক্লিংদি বাঙ্গলী ওইনম্রে"। মসিনা তাকপদি হকচাংনা মণিপুরী ওইবগা পুক্লিংনা বাঙ্গলী প্রভাবলোমদা এদিসনেল ওইবা মওংদা মোরেল ভেল্যুনা মপুং ওইরগা অনৌবা দলাল অমা শাগৎনবা হোনবকপা মতমনি।

কুনশুবা শতাব্দীগী অঙনবা শরুক্তগী অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী মপোক অমা পোক্লকখিবনি। নীংশিংবা থোক্লিবা মতমদগী চিনবুং চিন্থাং ওইনা ঙাংনবকপা, লীনবম্বা,

লমদমসিগী বারীশিংবুল কয়া খুৎই ওইনা লৈরম্বদগী ছাপা তৌদুনা মীয়ামদা ফংহনলকখি। মসিনা মীপুম ভিংনা অনৌবা পাউজেল অমা পীররে হায়নিংই। তশেংনমক মতমসিদা সাহিত্য লৈকোম্নুংদা অনৌবা যুগকী লময়ানবা অইবশিং থোক্লকখি।

লময়ানবা অইবশিংগী বাখল, মীৎয়েং, পাউদম তোঙান তোঙানবা মওংদা মানা মানা পামজবা, হৈনজবা খুৎই কয়া পুথোক্লমই। মীপাল তাংবগী হৈনবী থাদোক্লুনা তোপ তোপ্পা লমদমসিগী মীওইশিংগী ঈ-তোংদা য়াওজরকপা অরা-নুংঙাইগী বাবীশিংদা মীৎয়েং থম্মী। অসিদসু নত্তনা মপান থোক্লা মহৈ-মশিং তম্লুবগী ফংলকপা বুধি-লৌশিং শীজিন্নদুনা মোং-হাদনা অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যগী য়ুমফম অমা থোনগৎলম্মী। য়ুমফমসিদগী অনৌবা আশাগী দলাল শাগৎনবা হোৎনবকখি।

অনৌবা মীয়েংদা লাপ্পা, নকনা নৎত্রগা কোয়না চৎলুবগী পাউদমদা মীয়ান্না থেংনদ্রিবা, তাদ্রি-উদ্রিবা অচুম্বা ফজবা কয়াবু তুংগী মীবোলগীদমক বাখলগী লংলা লংজিল পুথোকপা তাই। মতমগা চুন-চানগদবা মওংদা শৈবেং, বাবেং বাবীমচা, মহাকাব্য, খন্ডকাব্য, উপন্যাস অমসুং ড্রামানচিংবা কয়াদা খুদোল তম্বা হৌনবকখি। অইবশিং অসিনা অনৌবা পুন্সিগী মশকসু তারুনবা হোৎনখি। থোইদোক্লা অনৌবা মণিপুবী সাহিত্যগী লমযানবশিংগী মনুংদা ডাক্তব কমল, খ্বাইবাকপম চাউবা, অমসুং হিজম অঙাংহলনি হায়বা য়াই।

অনৌবা মণিপুবী সাহিত্য অবিবা মতমগী সাহিত্যগী পবম্পবাদগী নাহোক্লুনা চেনখিবমক নৎত্রি। মমাংঙৈগী মল্লবা শঙ্গাইগী ফুঙ্গা নাক্তা মাংশোক ফম্মেন ফমদুনা লীনবম্বা বাবী শিংবুল কয়াগী ঈথিল য়াওবি। অশৈবা খবনা মপাল থোক্লা মহৈ-মশিং তম্লুবদা থেংনবকখিবা নৎত্রগা ফংলকখিবা কাযদগী লমদমসিগী লৈবাক লৈহাওদা অনৌবা সাহিত্যগী মহৈ-মবোংশিং থাবকখিবনি। মসিদি মণিপুবদা নোংচুপলোমগী শিক্ষাগী মঙাল অমদি বাখল্লোলশিং লাকখিবগী ফংলকপা মহৈনি।

ডাক্তব কমল অমসুং খ্বাইবাকপম চাউবা অনীদি অচৌবা ঈপাক ঈবেলগী ফজবা মশক মওনশিং খঙই। মখোয়গী পুন্সিদা নোংচুপলোমগী শিক্ষাগী মহাও তংজবা ফংবগা লোয়ননা মবৈবাক মজাতিগী সাহিত্যবু নুংশিজখি। মমালোল, মৈতৈলোলবু চাওখৎনবা হোৎনখি। মতম কুইনা বাঙ্গলা সাহিত্যনা নমহৎপিবল্লবা মণিপুবী সাহিত্যগী অনৌবা মপোক লাক্লবদা হবাও তয়াম্বা পোকচখি। মতম কুইনা কাওরুববা অপোকপী মমা ফংজবগুম মবৈবাক নুংশিজবগী শৈথাবোল শৈবেংশিং চেফোং কয়াদা ফোংবা

হৌনরকখি। মতাংসিবু প্রো এন. তোম্বীনা —"হেন্না বাংবা মীওইবগী পান্দমফম অমা থীবগী বাখল পোকহনবা, মজাতি অমসুং মমালোল নুংশিবগী ঈনোৎ পীবা, হেন্না পাকচাউনা য়েংবা ঙম্বগী মীৎয়েং অমা পীবকপা অসিনি" (অপুনবা য়াবেং· ১০৬· ১৯৮৬) হায়না পল্লম্বা থেংনৈ।

'মাধবী' উপন্যাসকী লংলা লংজিল

সমাজ অমগী মনুংদা জাতি কাংলুপ কয়াগী চৎনবী লৈ। চৎনবীদুদা ধর্ম্মনা অকনবা শাফু পীবা পীদবা হায়বমসু অদুমক লৈবকই। মণিপুরদা চুড়াচান্দ মহারাজগী মতম ফাওবদি ধর্ম্মনা কোনশিল্লবা সমাজ হায়বদু ওইরি।ব্রহ্মসভা অমদি নিংথৌগী য়াথংদগী মণিপুরী জাতিনা নাম্বোকপা ঙমজদ্রি। লাইবিক লাইশু, লীলা, ড্রামা, ইবা মতমদা অচুম্বা থোকখিবা ওইববসু লৈবাক নিংথৌগী মবমদা ফোঙদোক্লনবগী খুদোংচাবা লৈবমদে। মবম অসিনা লৈবাক নিংথৌ অমদি সমাজগী রুহি, য়াকা য়েংদুনা লাইবিক ইন্নবগী চৎনবী লৈবম্মী। কমলনা মাধবী উপন্যাস ইবকপা মতমদা মফম, মতম, নাক-য়েৎ অমসুং মতমদুগী সমাজগী চৎনবী কায়দু ময়েক শেংনা পনবমক নৎত্রবসু নাকোয়ননা খবমখৈদি শোয়দনা মমি তাফম থোকই।

খোংজোম লালগী মতুংদা মণিপুর বৃটিসকী মখা পোল্লবা লৈবাক হায়বদু ওইবে। অদুবু মনিংতম্বা লৈবাক অমা ওইরম্বগী হৌন-চৎনবীদু মাংহন্দনবগীদমক নবসিংহ মহারাজগী চাদা-নাওদা চুড়াচান্দবু নিংথৌ ওইনা হাপখি। অদুগা লৈবাক ঙাকপগী ভার অপুম্বনা বৃটিসশিংনা পুই। মতমদুগী সমাজদি অঙম-অথৌশিং, য়াইতোং খমদোংবনা চাওবা, তোল্ল-তাববা সধারন প্রজাশিংনা পুবা থাংবা ঙমদ্রবা জাবিমনাগী পোৎলুম অমদি পুবা তাখি। শাগৈ-জাৎ, অচৌ-অপিক, অমসুং অমাঙ-অশেংগী পনথৈনুংদগী নাম্বোকনবগী উপায় লৈখিদে। পোরুফম লমদম লাংথবালগী লম্মিৎ-তুম্মিৎ অমদি থাজনবা চৎনবীগী মরুমদা লমতা থাগী থামৈদা বারুনী মহাদেব খুরুম্বা চৎননবগী থৌবাংদগী মাধবী উপন্যাসকী লংলা-লংজিন চিংথোক্লকপনি। লাইবিক লাইশু তম্বা মীওইগা তমদবশিংগা অনীগী মবক্তা লৈনরিবা মরীশিংদু উৎম্নবা হোনরকই।

খুঙ্গং অমত্তদা হৌমিন কামিন্নরকপা মরুপ মপাংশিংগী পুন্সিগা লৈমিন্নবম্বা মবী অমসুং মিংগৌগী মতাংবু নীংশিংনবগুম তৌই। কমলগা হৌমিন-কামিন্নরকপা লৈখিদ্রবা শগোলশেম ইবোমচাগা মতাউ শান্নবম্মী। ইবোমচাদি লাইবিক লাইশু তমদে, লাইরিক্কী মহাও খগুদবনা কমলগী মনাক্তা চংলগা বারুনী লাইখুরুম্বা চৎলুসি হায়দুনা হৌরুবদা পরীক্ষা নকশিন্নকলে হায়না খুন্নকপদা —"নংদি নুমিৎ চুপ্পা পরীক্ষা তৌগনি হায়দুনতা মরে" হায়বসি ইবোমচাগী বাহৈনি হায়না মচানুপা শগোলশেম ইবাবোৎ সিংহ (৮৩) না তাকপিবকই। বীরেনগী মরুপ শশীগী শক্তম অসিমক শগোলশেম ইবোমচানি হায়নবা বারী লৈবি।

উপন্যাস অসিদা য়াওবিবা নায়ক-নায়িকা খুদিংমক মতমদুগী সমাজগা চুন-চানগদবা মওংদা মাগী মাগী মতিক মগুনশিং শীংথানবা হোৎনৈ। সমাজগী থাজনবী, চৎনবীগা লোয়ননা হবাও-কুম্মৈ, কাঞ্চীপুবগী কায়থবক্রবা শক্তম, বাসমগুল পুখ্রি, চন্দ্রনদী তুবেল, হৈবোক চীংগী দৃশ্য, লৈহাও-লৈবেল হৌবম্বা, লাংথবাল কুঞ্জগী নোংচুপ থংবদা লৈবম্বা পাৎ (ফুমলৌ কোঞ্জিল হায়না খগুনবম্বা) বাকনী চীং (নোংমাইজিং চীং) অমসুং শিলংগী দৃশ্য অসিনা উপন্যাস অসিগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা বাবীগী পবিংনি। চুড়াচান্দ মহাবাজগী মতমদা অনীশুবা কোনুং ওইবম্মী। মরুওইনা কাল্লেন থাগী কোনুং ওইনা লৈবম্বনি। বাজশ্রী ভাগ্যচন্দ্র মহাবাজগী মতমদা গোবিন্দ নিরুপন তৌদুনা সনাতন ধর্ম্ম হৌদোকখিবা মফমনি। মফমসিবু ধর্ম্মগী অশেংবা মফমনি হায়না কমলনা খন্নদুনা কাঞ্চীপুব হায়না খগুননবা হোৎনবমখি। লাংথবাল হায়বা খুলসিগী মমিংবু কাঞ্চীপুব হাযনা শীংথানবকপগুম তৌবকই। কোনুংগী অনকপদা কনাগুম্বা নিংথৌগী অচানবা, য়াইতোং খমদোংবা, ফন্নাইবা শেল্লুংবা ওইবম্বা অমা লৈবম্বগী বাবী লৈবি। মতমদুদা ফন্নাইবদুগী মতিক মথৌনা, তৌবা গুম্বা শক্তিশিং অদুবু উপন্যাস অসিদসু মমি তাবগুম তৌবি।

অইবা !অইবীশিংনা লাইবিক অমা ইখিবা মতমদা মহাক্কী মতমগী সমাজগী ফিভম অমসুং মতিক মথৌনা লৈবা মীওই খরগী লমচৎ শাজৎকী মমি খবদি তাগনি। মতাংসিদা হাওবম গৌবদাস সিংহনা অসুন্না ঃ- "লাইবিক খুদিংমক্তা লাইরিক অদু ইখিবা মতম মতমদুগী সমাজগী ফিভম অমসুং মতম মতমদুগী মীওইশিংগী বুধি লৌশিং অমসুং বাখলগী মাইওনগী মমি খবা খবা তাবা হায়বদুদি শোয়দ্রবা বাফমনি" হায়না পল্লম্বা থেংনৈ (ডা কমল নৈনবা বাবেং ১৭ ১৯৯২)। কমলগী মতমদুদা থেংনখিবা, অবাবা, নুংঙাইবা, কায়নবা, য়েংথিনবশিং কয়াদু

উপন্যাস অসিদা মমি তারি। মসিনি, কমলনা উপন্যাস অসিদা অনৌবা সমাজ অমগী ঈথৌলাংবদু উৎনবা হোৎনৈ।

কমল হৈত-শিংদবদি নত্তে। মতমদুগী সমাজগা চুন-চানগদবা মওংদা উপন্যাস অসি ইরম্বনি। থোইদোক্না লৈবাক নিংথৌ, অত্তম-অথৌশিংগী হৌন-চৎনবী খঙনা পুন্নমক্না য়ানববা খুৎইনি। ধর্মগী হৌন-চৎনবী, অমাং-অশেংগী মবমদা চৈবাক ফংগদ্রা হায়বগী থম্মোয়নুংদা মীপায়জবা ফাওবমগনি। প্রো.চোংথাম মনিহার সিংহনসু অসুন্না — "কমলনা ইরম্বা মতম অসি নিংথৌগী চৈবাক, ধর্মগী অমাং-অশেং অমসুং বৃটিসকী অকনবা বায়েল লৈবা মতমনি" (ডা· কমলগী নৈনবা বারেং ২৫ ১৯৯২) হায়না পল্লম্মী। কনাগুম্বা মীওই খবনদি বাঙ্গলা সাহিত্যগী লময়ানবা অমা ওইখিবা বঙ্কিমচন্দ্রগী উপন্যাস "দুর্গেশনন্দিনী" গী বাখল্লোলদগী শাগৎলকপনি হায়না লৌনবা য়াওই। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো, বাঙ্গলা সাহিত্যগী মহাও নিংথিনা খঙলবা কমলনা মণিপুরী সাহিত্যগীদমক লমদমসিগী ওইবা সাহিত্যগী লৈচন অমদি খুদোল তন্নমলে হায়নিংই। কমলগী মতিক মগুণ মথৌনাবু শিংথাবদুনা "ডাক্তর কমলনা মতমগী হোংলক্লিবা ফিভমদা বেসগোন্দ পীখি অমসুং মসিগা লোযননা মশাগী প্রতিভাগী মগুণনা মণিপুরী সাহিত্যদা তোপ তোপ্পা, নৌদুনতা লৈবগদবা, যৌবনগী মশক লৌববা, ফজববা অমসুং নুংশিববা সুবগী মগুণ য়াওবা লৈচন খবা থম্বীবম্মী" হায়না পল্লি (ডা কমল নৈনবা বারেংদা ইদিটবগী বাবোল)।

মাধবী উপন্যাসকী মপুং ওইবা বাবীগী তুংনফমসি কাঞ্চীপুবনি। কাঞ্চীপুবগী অকোযবদা লৈবিবা লাংথবালগী শরুক অয়াম্বা পল্লম্বা থেংনদে। সুপ্নতগী কাঞ্চীপুব হায়বগা পুন্নমকপু কোনশিল্লি। লমদমসিগী মনুংদা থোকখিবা থৌদোক বাথোক্তগী উপন্যাস অসিগী বাবী মপুংনি। উপন্যাস অসি পন্দুপ অহুম থোক্না খাইদোকই। পন্দুপ খুদিংমক্তা কাঞ্চীপুবগী বাবী বাখোংশিং য়াওদবা লৈতে।

মরুওইনা উপন্যাস অসিদা মীওইবগী মীনুংশি হায়বসি মশক তারুনবগীদমক মাধবীগী চরিত্র শাগৎলকপনি। খ্বাইদগী ওক্রিবদি মাধবী কনানো, মপা, মমাগী মবম তাক্তবসিনি। মসিগী মবম লৈবম্বা য়াই। পু-পাং শুদ্রবী, কনা লৈজদ্রবী, নৎত্রগা তোল্ল-তারবিবা? নিংজবা আশা থুংলবোই হায়বদগী কৎথোকপগী লম্বীবোমদা চংশিন্নবা হোৎনবসি অতাংবনি। পামজবা অমদি নুংশিবা হায়বসি কলক-মীহৌনফমগী হৌবকফমনি খনবদগী নাম্ন্নোকবগী উপায় থীহল্লিববা? নুংশিবগা অপাম্বগা অনীগী মবক্তা থৌরি চিংনহল্লি। মীওইবদি অপাম্বগী লাংদা থুগল্লি। অপাম্বদু ফংলগা অপেনবা

পোকই। অদুবু মাধবীগী চরিত্রদদি মদু ওইহনখিদে। নুংশিবা হায়বসি মীওই অমত্তদা তুংদুনা লৈবদুমক পামহন্দে। মীওই খুদিংমকপু নুংশিবা গুন্নবদি মদুনা হেন্না অবাংবা থাক্কী মীনুংশি (হ্যুমেনিজমগী) য়ুম্বী অমা য়ুংলগনি হায়না খল্লম্বসু য়াই। উপন্যাস অসিগী অরোইবা শরুকসিনা অপাবশিংদা করিগুম্বা খবদি খম্থহন্নবগী তাঙ্জা পীবগা লোয়ননা লংজিল থুপচিনখি।

কনাগুম্বা ক্রিটিকশিংনা কমলগী খুৎহৈসিবু ফেমিনিজমগী মওংনি হায়নবসু য়াওই। নুপী ওইবীগী ফজরবা শক্তম্বু উরুবা মীওইবা কনানা য়েংখিদবা য়াওবগে। মসিমক্তি মাধবী উপন্যাসকী মতিক মগুণদা শিংথরিবসি। নথত্রগা সমাজ অমদা অওনবা লাকপদা নুপীজা ওইবীশিংগী শরুক য়াওদনদি মপুং ফাদ্রে হায়বদু তাক্লিববা ? মণিপুরী সমাজগী মনুংদা নুপী ওইবীশিংগী মতিক মথৌনা, মগুণশিংবু উথনিংলিববা হায়বদু মনুং হুনজিননা থীজিনবা দরকার লৈবি।

'মাধবী' উপন্যাসকী পাউজেল

সাহিত্যদা অইবা অমদি অইবীশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। মখোয়গী খুৎই অমসুং মফোঙদোক্নুনা মাগী মতমদুগী নৎত্রগা হৌব্রবা সমাজদুগী শক্তম লাকশিনবা ঙম্নবি। খুৎইশিংদুদগী মতমদুগী সমাজদা করি থোকখিবা, কবম্বা পুন্সি মবেলদা হিংলম্বা হায়বদু খঙম্নবগী খুদোংচাবসু ফংই। মখল মথেল কয়াগী সাহিত্যনা সমাজদুগী মথক্তা কুপলম্বা কুবাংপালদু হায়দোকখিদুনা তশেং তশেংবা শকফম অমসুং উহনবা ঙম্নরি।

কমলগী মতমগী মণিপুরী সমাজগী ফিভমদি ধর্ম্মগী চৎনবী কুয়োমনুংদগী নাম্থোকপা ঙমদ্রি। লৈবাক নিংথৌ অমদি সমাজগী মাইয়োক্তা লাইবিক লাইশু ইবা য়াবমদে। খুনাইগী চৎনবীদা মীয়াম্না য়ানগদৌবা মওংদা সাহিত্যগী মচাক হুনবা তাই। মসিমক্না কমলসু মীয়াম্না পান্নগদৌবা মওংদা মাধবী উপন্যাস ইবম্বনি। উপন্যাস অসি ইবম্বগী মতম লেপ্পদা খেনবা খরদি থেংনবে। য়েংখোম ভাগ্য সিংহনা "মাধবী" ইখিবসি কমলনা জোনষ্টোন স্কুলদা তম্লিঙৈদা ইবনি হায়না পল্লম্মী। অইবা মশানদি "মেডিকেলগী ছাত্র ওইরিঙৈদা "মাধবী" কৌবা নভেল মচা অমত্তং ইজহৌই" হায়না লাইবিকসিগী ব্রাহৌদোক্তা ইরি। মেডিকেল ছাত্র ওইরিঙৈদা ইখিবসিনা অচুম্বা ওইববদি মাগী পুন্সিদা কবি কবম্বা নিংবা কায়বা থৌদোকশিং থোকখিবগে হায়বদু থীজিনবা কাম্নগনি। থীরুবদা ফংলকপা খবদুনা অবোইবনি হায়বদুসু লানগনি। মবমদি অহিংবা পোৎশক অমগী মরমদা নৈনবদুমক্তি নৎত্রে। মুৎশ্রবা খোঙ্গুল অমবু নৌহৌননা ঙসিগী পুন্সিরোল কয়ানা মাদুনা মশক তারুবা হোৎনবা হায়বসিদি অহাংবদা তোঙান তোঙানবা খোঙ্জেলনা লাওদুনা য়েংবদা খোম্থাংশিংনা ঈমায়দা য়ৈরুরগা ঈপোম খরদং হৌবগুম্বনি।

কমলনা মাধবী উপন্যাস খুদোল তন্নবদি মেডিকেল ডাক্তর অমা ওইনা তমেংলোংদা পোষ্টিং তারবা মতমদনি (১৯৩০)। মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা উপন্যাসনি। মতমদুদা উপন্যাস অসিনা মণিপুরী খুদিংমক্কী থম্মোয়দা অনৌবা ঈনোৎ অমা পীবা ঙমখি। চুন্নতগী ঈনোৎ পীবতা নত্তে, অনৌবা সাহিত্যগী পবিং অমা শেম্লকপগা লোয়ননা মণিপুরী সমাজবু মশক তাক্লনবা হোৎনৈ। থোয়দোক্লা উপন্যাস অসিদা য়াওরিবা "ভুবন" মমিং পনবতদা মতমদুগী সমাজদা চৎনবম্বা ইনাক-কৈবাক খুনবা, খুৎকন পাঙ্গনবা মীওইশিংগী মতিক মথৌনা, তৌবা ঙম্বা শক্তিদু খঙবা ঙম্মী। মীচং শঙ্গন লৈজদবা, তুশোন মানশোনবা মীওইশিংগী পুন্সিবু হুম্মনা য়েংবিবা, তুহৎপিবা কয়াদগী লাপথোকনিংবগী আশা অমা তৌবকপদু উৎলি। সমাজ অমগী মনুংদা নুপা নুপী অনীগী মবক্তা চাওনা খেনবা লৈবিবসিগী মতাংদা নুংনাংবা অমা পোকখিববা ? নৎত্রগা নুপাশিংনা তুহৎপিববা সমাজগী চৎনবীদা নুপী ওইবিশিংগী অধিকার লৈত্রবগুম তৌবিবা, মীবায়বিবগী মাইয়োক্তা অনৌবা আশা অমগা লোয়ননা মাধবীগী শক্তম শাগৎলকখিববা ? অমরোমদা মণিপুরী সমাজদা হিংলিবী নুপী ওইবীশিংগী লোৎতুনা লৈবিবা মতিক মথৌনাবু উৎত্নবা থৌবাং তৌবম্ববা হায়বসিসু খঙ্গনিংঙাই ওই। মৈতৈ নুপীশিংগী মবক্তা অখাং-কনবী, কথোকপা ঙম্বী, থৌনা লৈবী নুপীজাশিং পোকখি হায়বসি নীংশিংহল্লিববা ?

উপন্যাস অসিদা য়াওবিবা নায়ক-নাযিকাশিংগী মবমদা কন্নানো, কবিনো হায়না মশক তাক্কুনা ইবি। অদুবু মপুং ওইবিবা নায়িকা মাধবীগী মবমদি ময়েক শেংনা তাক্কুনা ইবমদবসি থোইদোক্লা অঙকপা অমনি। উপন্যাস অসি হৌবদগী লোইবা ফাওবদা তাঙ্কক কুনতবেৎ লৈ। অদুবু মাধবীগা মবী লৈননা ইরম্বা তাঙ্কক্তি সুপ্পতগী তরুকখক্তনি। তাঙ্কক পুন্নমক্তা মাধবীগী মবম য়াম্না য়াওদ্রবসু— অপাবশিংগী থম্মোয়নুংদা খঙনিংবা ঈখৌলাংবনা লোইদ্রিবফাওবা হুমদুনা পুরগুম তৌই। উবিবে অমসুং বীরেনগী ব্রাবী পবিংদগী খবখিৎ থৈদোক্রকপদা মাধবী অমদি ধীরেনগী মরমদা রাখল লীশাং থানিংবা ঙাকনি। কবিনা ব্রাবী পরিং শাগৎলকপদা মাধবীনা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনতা লাকহল্লি। কমলগী ব্রাখল্লোলদা মণিপুরী সমাজদা নুপী ওইবিশিংবু পাঙ্গল শোনবী ওইনা লৌনবম্বসি পেঙ্গদে। পাঙ্গল শোল্লবী নুপী ওইবীশিংগী থম্মোয়নুংদা কথোকপা, মীনুংশি অমদি অখাঙ কনবগী থৌনা লিংজেল লৈবি হায়বসি খঙহননিংই। মসিনা পুন্সিদা অনৌবা মঙাল অমদি শোয়দনা ফংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মীওইবনা মীওইবগীদমক তেংবাংনবদা খুলং লমন শিংনদুনা তেংবাংনবদগীদি কথোকপগা লোয়ননা মীগীদমক্তা অঙম্বা তেংবাংবগা খেনবা খরদি

লৈগনি। অচুম্বা, অশেংবা, অমদি নুংশিবদা লুপ্লবী মাধবীনা অনৌবা খোঙথাং অমগীদমক চংশিনহননিংই। মতাংসিদা অপাম্বা, কলক মীহৌবা, অমদি কখোকপা ময়ামসিবু থৌরি চিংনহল্লি। অপাম্বা অমদি কলক মীহৌবা হায়বসিদি মীওইবগী চৎনবী লিচৎনি। অদুগা কখোকপনা পুন্সিবু মীওইবা খুনাইগী ৱাংমদা পুদুনা লাইবমলেন্দা তিন্নবগী থৌরাংনি। অপাম নুংশিগী লাংদা থুরবী উরিরেনা বীরেনবু ফংননবা হোৎনবদা ইকায় ইকি খঙখিদে। বীবেন য়াওদবা পুন্সিদি লৈকংলাগী মশক্তি হায়না খনবগা লোয়ননা হৌজ-থেংখাং কয়াবক্তা শিজবগে তৌখিবদু পনবা য়াই। মাধবীদি ধীরেনবু নুংশিজরুবনা পুন্সিদা নীংবা কায়বগী মৈশা ফংগদৌবগী শরুকপুদি পাক চাওববা মীওইবা খুনাইবু নুংশিজবগা লোয়ননা অঙম্বা মতেং খরদং তৌবমগে হায়বসি লাইনিং ওইখি। তশেংনমকসু উপন্যাস অসিগী অবোইবা শরুক্তা মাধবীগী মমাংমক্তদা ধীবেননা লেপ্পবববফাওবদা অনীংবা অপাম্বা ফোঙদোকপগী মহৎতা "অবেপ্পা রা খঙহনগদবা মতম হন্দক্কী মপোক্তদি নৎত্রে, তৎন-থানা লৈত্রবা মফম অদুদা পুক্কিং তপ্পা খঙহঞ্জগে" হায়বন্নিবসি অর্থ য়াম্না লৈবা ৱাহৈনি। তৎন-থানবা লৈতবা কলক মীহৌবা লৈত্রবা, লাইবৈবাক্কী লমদম নত্তনদি অতৈ কবি ওইফম থোকপগে? লাইবমলেনগী লম্বীদা চংশিনগ্রবী নুপীজা ওইবী অমনা খুমফম থোকপা, হাযফম থোকপা ৱাহৈশিংনি হায়না লৌগনি।

কমলগী মীৎয়েংদি অখুবা অমদি অপিকপা কাখুনুংদগী নাম্থোকনিংবগী ঈখৌলাংবদুনি। মীৎয়েংসিবু কবি নীলকান্তনা অসুপ্পা —"ময়াম্না উনবিবা জগৎ অসি আর্টিষ্টশিংগী মীৎফমদদি পর্দানা খুমজিনবা অমনি" (অচাইবা লৈ ১৬ ১৯৯৪) হায়না লৌবি। মীচমগা তশেংনমক লাইয়েকপা অর্টিষ্ট অমগগী মীৎয়েং খেন্নফম থোকই। কমলগী মীৎয়েং অমসুং পান্দমসু আর্টিষ্ট অমদগী হন্থফম থোক্তে। মঙোন্দা মণিপুবী সমাজগী মবমদা মনুংহনজিননা উবা ঙম্বগী শক্তি য়াওজবি। অমম্বগী মরুমদা কবি কবি লৈবিবগে হায়বদু উৎন্নবা হোৎনবকপদা অশানবা মীৎয়েংগী পান্দম লৈবা তাবনি। মণিপুবী সমাজগী মথক্তা কুপ্পুনা লৈবিবা অমম্বগী পার্দা (অন্ধবিশ্বাস) লৌথোক্রগা ভাবত সাহিত্যগী পাক চাওববা ঈপাক্তা তিনজনিংবগী আশা তৌবনি। মঙফাওনদ্রবা আশাসিগীদমক নুংনাংবা ৱাহৈদা "পুকচেল পীক্রবা মৈতৈ সমাজ, অন্ধবিশ্বাসকী কুয়োম্না য়োম্নবা মৈতৈ সমাজ, মশা মশাগীতা খন্নববা মৈতৈ সমাজনি" হায়না ফাওবা শিংথানবম্বা থেংনৈ। মীওইবগী পুন্সিদা মীনুংশি অমসুং কৎথোকপা হায়বসি য়াওদ্রবা সমাজদুদি লৈখা তাববা সমাজ অমগুম্বনি তাকলি। কমলনা থম্মোয় শেংনা পামজখিদে মপুকচেল পিকপা সমাজ, লাইর-ইনাকখুনবা খাইবা সমাজ, তোল্ল-তারবশিংবু

নৈহৎপিবা সমাজ, ধর্ম্মগী চৎনবীগী মিংদা অশেং-অমাং খাইবা সমাজ, খুৎকল-পাঙ্গনবশিংনা খুৎলিংবা মণিপুরী সমাজগী চৎনবীশিং অসি নাকোয়ননা ফোঙদোক্লবা হোৎনৈ। মণিপুরী সমাজদা থোকখিবা থৌদোক য়াথোকশিং কমলগী মাধবী উপন্যাসকী "শেষ-মিলন" অমসুং "লমন খুম্বা" হায়বা পন্দুপ অনীসিদা ময়েক শেংনা উৎনবা হোৎনরি।

উপন্যাস অসিগী মিংথোলসু ওইবিবা "মাধবী" দা কমলনা করিগুম্বা আশাগী মওলান অমা মওখিববা? হৌফম-শাৎফম, মবী-মখোং তাকথোকক্তবী নুপীজা অমদা করিগীদমক্তা অসুক চাওববা থৌদাং অমা লৌহল্লিবা? মসিগী মরম লৈবমগনি। মণিপুরী সমাজদা নুপী ওইবীশিংবু হৈবোংমনুংগী তিলগুম হম্বনা য়েংবিবা, নুপাশিংগী য়াকা য়েংদুনা পুনিংবা, থমনিংবা মফমদা থম্বা য়াবা পোৎশক অমগুম উবিবম্বসি কমলনা পেঙ্গদে। নৎত্রগা মৈতৈ নুপীগী পুন্সিদি সমাজগী চৎনবী কুয়োমনুংদগী নাম্থোকপা ঙমজদ্রবী, য়ুম্বুবেম্বী ওইনা খনবীবম্বদুদগী খবদং লাপথোকচন্নবগী থৌবাং তৌখিবরা? চৎনবীগী কুয়োমনুংদগী কবমতৌনা নাম্থোকহনবা য়াগদগে হাযবদু থীরকপরা? নুপী ওইবিশিংগী থোৎ-নৌববী পুকচেলনুংদা কৎথোকপা অমদি অখাঙ কনবগী থৌনা লিংজেলশিং ফুমদুনা লৈবি হায়বসি খঙহল্লিববা? কমলনা মণিপুবী সমাজদা মৈতৈ নুপীশিংগী মতিক মথৌনাবু অরাংবা থাক্তা থমনিংই। কল্পনাগী মাধবী, অহিংবা মাধবী ওইহন্নিংই, সমাজ সংস্কাব তৌহননিংই। মল্লবা মমাংঙৈগী ওইদবা থাজনবী অন্ধবিশ্বাস তগী লাপথোক্তুনা পাক চাওববা সমাজ অমদা তিনহন্নিংবগী মওলান অমদা তাওজবনি। কমলনা মাধবীগী মতিক মথৌনাবু — "ধন্যনি মাধবী নংগী থৌরাং। থম্বাল চামনিপালগী মতৌগুম্না থোৎলবা নংগী থম্মোয় মনুংদা বজ্রগী মতৌগুম্না কল্লবা পুকচেল অসি লোৎলিবোই" (মাধবী পুকচেল হোংবা ১০৩)। নুপী ওইবীশিংগী থোৎলবা থম্মোয়নুংদা কল্লবা মতিক মথৌনা লোৎতুনা লৈরি হায়বসি তাকলি। চোঙ্গাংগী মনুংদা মচি কাবা, কোগ্রেংগী মনুংদা মুক্তা য়াওবম্বা, সমুদ্রগী মনুংদা চীং লৈবা পুন্নমক অওকপা নত্তে, ওইথোকপা য়াবা ঙাক্তনি। মীওইনা পোকপা মপোক্তা মীওইবগীদমক ঙমজবা খবদং নুপীজা ওইববী অমনা মীনুংশিগী মীৎয়েংগা লোয়ননা কৎথোক্তুনা তেংবাংজবা হায়বা (স্বার্থত্যাগ) কী পাউজেলদু পীনিংবনি।

'দেবযানী' ড্রামাদা প্রতিবাদ

দেবযানী ড্রামা মহাভাবতকী আদি পবর্বদা য়ুমফম ওইবনি। ড্রামাসি ক্ষেত্রি অমসুং ব্রাহ্মণ অনীগী মবক্তা মুক্নবদগী থোক্লকপা থৌদোক বাথোক্তগী শাগৎলকপনি। মুক্নবা হৌবকখিবগী মবমদি চৈত্রবথ বন্দা লৈবা পুম্রী অমদা দেবযানী, শর্ম্মিষ্ঠা অনীনা মমান্নবীশিংগা লোয়ননা ঈবোয়দুনা শান্নবম্বদগী কাখৎলকপদা শর্ম্মিষ্ঠানা লক্নগে খল্লদুনা দেবযানীগী ফি শেৎচিল্লুবদগীনি। দেবযানীগী ফি শর্ম্মিষ্ঠানা শেৎচিল্লুবগীদমক নংনা কনা, ঐনা কবি হায়দুনা চিন্দা পাউদানবকখি। নিংথৌ বৃষপর্ব্বগী মচানুপী শর্ম্মিষ্ঠা অমসুং শুক্র গুরুগী মচানুপী দেবযানী অনীনা অমনা অমদগী হেল্লি, হেন্দে হায়বা বায়েৎ কয়া লাক্নবকপদগী অওম্বা তান্নবকখি। শর্ম্মিষ্ঠাগী মতাবোইশিংনা দেবযানীবু গুহাদা ইম্থবল্লগা চৎখি। তানজা চারুবদগী যযাতি নিংথৌনা শা তানবা লাকপদা থেংনরুদুনা গুহাদগী দেবযানীবু খুজেং পায়দুনা চিংখৎলগা কনবিবম্মী। দেবযানীনা মাবু মথবায় কনবিবম্বা যযাতি নিংথৌবু মহাক্কী মপুবোইবা ওইজগে হায়না খঞ্জখি।

দেবযানীনা ময়ুমদা হল্লক্লগা মপা ইবুংঙো শুক্র গুরুদা ঘুনীকাবু থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদুগী মবমদা অমত্তা চিংথদনা পাউদমহনখি। মচাগী বারীশিংদু তারুবদগী শুক্র গুরু শাওবনা মৈহৌবগা চপ মান্নখি। গুরুগী অশাওবদু ফাথনবগীদমক বৃষপর্ব —নিংথৌনা মহাক্কী লৈজবা পুম্বা কৎথোকচগে খঞ্জখি। মহাক্কী পোকচবী মচানুপী শর্ম্মিষ্ঠাবু দেবযানীগী মনাই ওইহল্লি। গুরুনা হায়বা পুন্নমক বৃষপর্ব্ব নিংথৌনা অখাকপা লৈখিদে। দেবযানীসু মপা ইবুংঙো শুক্র গুরুদা ওইথোকপা য়াব য়াদবা থীদনা মাগী অপাম্বদুতা ফংননবা তকনৈ। মচানুপীগী চক্রিদগী হৌনবা হৌনদবা কয়াবু নাকোয়ননা থল্লগা মচাবু মহাবানী ওইহন্নবা থৌরাং তৌই। শুক্র গুরুনা যযাতি নিংথৌ উন্নদুনা দেবযানীগী মনিংথুংন্নবা বাবী শান্নখি। যযাতি নিংথৌনা পুরোল-

পাবোলদগী চৎনরকপা ক্ষেত্রিগা ব্রাহ্মণগা লৌন-লৈনবা য়াদবগী মবমশিং গুরুদা নীংশিংহল্লি। শুক্র গুরুনা চৎনবী হায়বসি মখোয়না অসি চৎনসি হায়দুনা শেম্বনি, হান্নগী চৎনবীদু নৌনা অমুক শেমদোক শেমজিন তৌবা য়াই হায়দুনা দেবযানীবু মহারানী ওইহল্লি।

ড্রামাসিগী বাবী পরিংদি মহাভারতকী আদি পর্ব্বগী শরুক্তা য়ুমফম ওইবগা ইরম্বনি। অদুবু কবি কমলনা ড্রামাসিদা উৎনিংলিবদি মহাভারতকী বাবী পরিংদুগা মণিপুরী সমাজগা করি খেনরিবগে হায়বদু উৎনিংবনি। ব্রাহ্মণশিংনা লৈবাক নিংথৌগী গুরু ওইবকই, গুরুগী পেন্নবা হোৎনবদা বৃষপর্ব্ব নিংথৌনা করি ওইখিবা হায়বদু খণ্ডহনবনি। ব্রহ্মসভাগী পুবোহিতশিংনা হায়বা পুন্নমক লৈবাক নিংথৌ ফাওবা ইনগদবনি হায়বদু তাকলি। লৈবাক নিংথৌগী বাহৈবু লুম্না লৌনবম্বদুগী মহুৎতা ব্রহ্মসভাগী বাবোলনা অবোইবা ওইনা লৌনবকপদু উৎলি। ব্রহ্মসভানা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরম্বা মীওইবা মশেলগী মবক্তা ইথোক-ইনশিন, অমাং-অশেং, শাগৈ-জাৎকী অনেম-অবাং খায়দুনা অমগা অমগগী মবক্তা খেনবা লৈহল্লম্বসি কমলনা পেঞ্জখিদে। মণিপুরী সমাজদা চৎনবিবা জাৎ-বিজাৎকী, ইথোক-ইনশিনগী থৌবম থৌদাগী থৌশিলসিগা দেবযানী ড্রামাসিগা কবি খেনবিবগে হায়বদু খণ্ডহননিংই।

ড্রামাসিগী মরুওইবা পান্দমদি মণিপুবী সমাজদা চৎনবিবা হৌন-চৎনবিশিংসিগী মবমদা পেন্দবা ফোঙদোকপনি। কমলগী মতমদা লৈবম্বা ব্রহ্মসভাগী বায়েল-থৌদা, মদুনা মীওই কয়াগী থম্মোয়দা চৈনা, চৈথেং ফংখিবগে হায়বদু খণ্ডহন্নবঃ উপায় থীবনি। মহাভাবতকী আদি পবর্বদা য়াওবা বাবীদা য়ুমফম ওইবগা মণিপুবী সমাজদা খুদম উৎনবা হোৎনবনি। পুন্নমকসিনা ড্রামাসিবু লৈবাক নিংথৌ অমদি ব্রহ্মসভা অনীগী মাইয়োক্তা পেন্দবা ফোঙদোকপনি হায়না লৌনখি। মবম অসিদগী ড্রামাসি ইং ১৯২৪ অমসুং মসিগী মমাংদা ইবম্বা ওইজববসু সংস্থান অমত্তনা শান্নবিয়ু হায়বা য়াখিদবা ওইবমগনি। কবিগুম্বদা হে-তোংদুনা শান্নরুবা তারবদি লৈবাক নিংথৌগী মাইয়োক্তা থবক তৌরুবগীদমক অহকপা চৈবাক ফংগনি হায়বগী অকিবা লৈবম্বসু য়াই। মসিমক্তা ড্রামাসি থেংনা ইং ১৯৬৯ দতা থেংনা কলাক্ষেত্রনা অহানবা ওইনা ষ্টেজদা উৎখিবরা? মতমসিদদি থোইদোক্লা ড্রামাসিগী মবমদা বায়েৎ, অথিংবা লৈত্রে। য়াম্না নুংঙাইরিবদি ড্রামাসিগী অরোইবা শরুক্তা দেবযানীগী মতিক মথৌনা হম্বুরক্নুনা শর্ম্মিষ্ঠাদা শোয়খ্রে, লানখ্রে হায়না ফোঙদোক্রকপসিনি। লিননা মখুলদা চংলমদাইদা চুমই হায়বগুম, হৌখিবা পুন্সিগী অঙনবা শরুক্তা পেন্দবা খবদগী অঙম তান্নদুনা

থৌদোক কয়া থোকখ্রে হায়বদু তাকলি। অদুবু পুন্যগী লম্বীদা চংশিল্লকপা মতমদি কনানা ব্রাহ্মণ, কনানা ক্ষেত্রি, কনানা শুদ্রা হায়বদু অমত্তনি হায়বি। মতমগী অহোংবলক্তা দেবযানীগী থোইচৎনববা থশ্মোয়বু ময়াই চমহল্লকইবসি হৈশিংই। মল্লবা থাজনবী কয়াদগী নাম্বোল্লবা উপায় অমা কমলনা থিবম্বসু য়াই।

মণিপুরী সমাজদা 'দেবযানী' ড্রামা

মণিপুরী সাহিত্যগী লময়ানবা কবি কমলনা নহা ওইবিঙেদগী লমদমসিগী হৌন-চৎনবী কয়া মহাও তংজবা ফংলকখি। মাগী মতমগী সমাজদুদি ধর্ম্মগী চৎনবী কুয়োম্নুংগী লেংবা খোৎপা য়াদমখৈ ফাজিন পুনশিনবীববা মীওইবগী মচৎনি। চৎনবীগী মরুম থুপ্না হিংজবিবা পুন্সি কয়াগীদমক ওইথোকপা য়াবা, য়াদবশিংদুনা সাহিত্যগী মচাক অমা ওইন্নবা "দেবযানী" ড্রামা ইন্নবগী বাখল পোক্লকপনি। ইচম চন্না চুন্নতগী ইবন্নগা পান্নবা লাইবিক ওইনা থন্নম্বগী অপাম্বদু নত্তে। ষ্টেজদা শক্তম লাংদুনা উৎলগা মণিপুরী সমাজদা চৎনরিবা হৌন-চৎনবীশিংবু খঙহনবদুনি। দেবযানীগী বাবীসি মহাভাবতকী আদিপর্ব্বদা য়াওবনি হায়বসি পুন্নমক্না খঙই। থাজনবী অমগী মখাদা কমলগী মতমদুদা লৈবম্বা মীওইশিংনা মহাভাবতকী বাবীগী শরুক্কি খঙ্গদুনা য়াম্না পামজনা তানবমগনি। চুন্নতগী বাবী ওইনা নুংঙাইনা পঙতা তানবম্বা নত্তনা অতৈ থোইদোকপা মনুং-হৃদজিননা নুংগী ওইবা বাখল্লোলদা কবি ওইথোকপা য়াবা, য়াদবা হায়বদুগী মবমদদি খম্বুবমগনি হায়বা থাজদে। পুন্নমক অসিদগী কমলনা তবেৎ-তবা থোক্লা খম্বুরমগনি। মণিপুরী সমাজদা চৎনবিবা হৌন-চৎনবিসিনা কবি কবম্বা শাফু অমা পীবিবগে হায়বদু খল্লমগনি। মসিদগী অনৌবা আশা অমগা লোয়ননা মহাকাব্য অমগী মনুংদা য়াওবিবা বাবীদু পৌবানীক ড্রামা ওইনা ইথোক্লগা মণিপুরী সমাজদা উৎনিংবগী ঈখৌলাংবদু পোকখিবনি।

'দেবযানী' ইবম্বা য়াবগী মতম লেপ্পদা অনী থোক্লা য়েংবা য়াই। কমলনা নহা ওইরিঙে (স্কুল তম্লিঙে) দা অপোকপা মপা ইবুংঙো যাত্রাগী মতুংইন্দুনা লাইবিক থীবা হায়বা তৌরম্বা অমসুং করিগুম্বদা মপাগী মহুৎ শীন্দুনা তৌরুবা থবকশিংদগী ফংলকপা মঁহে অদুদগী ওইরকখিবা। মতাংসিদা ওইথোকপা য়াবা বারোল খরা —

"লাইরিক থীবদগী কাশীদাসী মহাভারত, কৃত্তিবাসী রামায়ণনচিংবা অরিবা সাহিত্য নৌনা শকখঙনখি" (মৈতৈ উপন্যাস .২ ১৯৫০ অশাংবম মীনকেতন)। বাঙ্গলা অমদি সংস্কৃত সাহিত্যগী মহাও খঙলবা কমলনা মহাভারতকী আদিপবর্বদা য়াওরিবা দেবযানীগী বারীসি মতমদুগী সমাজদা চৎনরিবা ব্রহ্মসভাগী মতিক মগুনশিংদু কয়া য়াম্না চাওরম্বগে হায়বদু খল্লুবদা স্কুলগী ছাত্র ওইরিঙৈদা ইবম্বা য়াবগী মরম লৈ। মতমদুগী সমাজদা চৎনরিবা হৌন-চৎনবীশিংদু তারু-উরুরগা কমলগী থম্মোয়নুংদা খাংঙমদ্রবা চৈনা অমা শোয়দনা ফাওবমগনি।ব্রহ্মসভাগী রায়েল থৌদাদগী মশামক্কী শাগৈ জাৎপু অতোনবা ওইনা লৌনখিবা নীংশিলমগনি।জাতি মশেলগী মনুংদা ফাওবা শাগৈ-জাৎকী অনেম-অরাং, অমাং-অশেং, হিদাকফু-ফিদা তিম্নবা য়াবা-য়াদবগী চৈনাসি কমলদি পোক্লফম লমদমদগী হান্নবা ফংলবনি। চাওবাক্লা মশাগী চহী ২০-২১ রোম শুবকপা মতমদা দেবযানী ড্রামা ইবমগনি হায়না লৌবা য়াই।

কমল মশানা ড্রিরুগবদা এল এম পি তম্লিঙৈ (১৯২২-২৬) দা থেংনখিবা থৌদোক খবদগী ড্রামাসি তহা-তহানা ইখিবনি হায়না পল্লি। থৌদোক্তুদি কমলনা মেডিকেলগী ছাত্র ওইরিঙৈদা নোংমা প্রভাগী ময়ুমদা কোয়থোক্লবদুদা ফক্লাংদা থেৎপা নিংথৌ যযাতিনা দেবযানীগী খুজেং পায়দুনা গুহা মনুংদগী চিংখৎলকপা অয়েকপা লাই অমা উরুবদুগী ড্রামাসি ইখিবনি হায়বি। অতোপ্পা রাফম অমনা অইবগী চান্নববা মরুপ মৈতৈ পাখঙ অমনা বামোন নিংঙোল অমা চেল্লুবগী রাথোক্তা লৌনবা য়াবা য়াদবগী, অমাং-অশেং, ইথোক-ইনশিনগী মতাংদা মণিপুরী সমাজদা চৎনরিবা হৌন-চৎনবীশিংবু করেন্নদুনা নৎত্রগা মতমদুগী মীওইশিংবু খম্বহন্নবগীদমক ড্রামাসি ইবম্বনি হায়না "দেবযানী" ড্রামাগী রাহৌদোক্তা মরিক চুম্না পল্লি। অদুবু রাহৌদোক্কী রাবোলসিমক্তি কমলগী মচা ইবুংঙো ব্রজেন্দ্রনা সহি তৌবি।

মণিপুরদা ড্রামাগী ঈহৌ অমা লাকখিবসি অনীশুবা লাঞ্জাওগী মমাং চুড়াচান্দ মহারাজগী মতমদগীনি। মতমদুগী ড্রামাগী থিমদি ইতিহাসিক ওইবা মওংদা অকল-অথৌ, লৈবাক নিংথৌগী রাবী শীংবুলশিংদা মপুং ওইনা ইনবম্বগী চৎনবী লৈবম্মী। নৎত্রগা মহাকাব্য, বেদ-পুরান কয়াদগী রাবী পবিং খবদং য়ুমফম ওইদুনা ড্রামা ইনবম্মী। সমাজিক ড্রামা ইবম্বা মীওই তাংলম্মী। মণিপুরা অহানবা ড্রামা ইবম্বা মীওইসি লাইরেনময়ুম লাইরেনলাকপম ইবুংঙোহল সিংহনি (১৮৯৫-১৯৬৬) মহাক্কী "নরসিংহ" ড্রামা ইং ১৯২৫ গী সেপ্টেম্বর ৩০ দা সনা কোনুংদা ইহান হান্না শান্নখি। ড্রামাসি অইবা মশানা থাক্কাদা লাইরিক তম্লিঙৈ (১৯২২) দা ইবক্লগা ইং ১৯২৫- দা

মণিপুরী সমাজদা শাফোংলম্বনি। ড্রামাসিনা লমদমসিগী মীওইশিংদা মরৈবাক মজাতিবু নুংশিজবগী ঈনোৎ অমা পীবা ঙমখি। হায়রিবা মতম অসিবাইদদি লৈবাক নিংথৌ অমদি ব্রহ্মসভাগী রুহিদা শোকদৌবা থৌদোক বাথোক্কী মবমদা ইবা ড্রামা শান্নবা য়াহল্লমদে। কবিগুম্বা হে তোংদুনা শান্নরুবা তারবদি অইবা মশা য়াওনা শান্নবিবা সংস্থানদুগী মীওইশিংদুসু লৈবাক নিংথৌগী অহকপা চৈরাক ফংবা তাই। অসিগুম্বা চৈরাকশিং অসি ফংগনি হায়বগী অকিবা, নুংনাংবা লৈবনা লৈবাক নিংথৌনা য়ারোইদৌবা ড্রামা উৎপা য়াবমদে।

কমলগী "দেবযানী" ড্রামাসি। লমদমসিগী অনীশুবা ড্রামানি। লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল সিংহগী "নবসিংহ" না অহানবনি হায়না থীয়েটব নৈনবা অখণ্ড-অহৈশিংনা শিংথানবি। "দেবযানী" ড্রামা ইবম্বা য়াবগী মতম লেপ্লদা অরাম্বম সমরেন্দ্র সিংহনা ইং ১৯২৪ দা ষ্টেজদা শান্নবা ইবম্বনি হায়না পল্লম্বা থেংনৈ (অনীশুবা লাঞ্জাও মমাঙগী মণিপুরী থীয়েটব চেফোঙ ৪৬ ১৯৯৯)। অসিদসু নত্তনা শরুাইববা সাহিত্যগী ক্রিটিক লৈমাপোকপম দামুদোর সিংহনসু ইং ১৯২৪ গী মমাংদা দেবযানী ড্রামাসি ইবম্বা য়াই হায়রম্মী (সাহিত্য অমসুং থীয়েটব ১১৫ ২০১০)। অদুবু লাইবক থীবদি ড্রামাসি ষ্টেজদা পুথোক্লনা উৎপা ঙমখিদবসিনি। মরুওইনা শান্নরুবগা কবি কবম্বা চৈবাক ফংগদগে হায়বদুগী চিংনবা লৈবমগনি। স্কুল ছাত্র ওইবিঙেদা ইবম্বা ওইববসু মীয়াম মমাংদা উৎথোকপা ঙমখিদবসিনা ড্রামাগী অইবা অমা ওইনা শকখঙনদ্রবসু কমলবু কবি অমসুং উপন্যাসকাব অমা ওইনা অদুমক খঙনদুনা লাকখি। খুৎই ওইনা থন্নল্লবা দেবযানী ড্রামা কায়নথংদা মচা ইবুংঙো ব্রজেন্দ্রনা ইং ১৯৮৪দা লাইবিক ওইনা ফোঙদোক্লকখি। লাইবিক ওইনা ফোঙদ্রিঙেদা কালা ক্ষেত্রগী কাংবুনা দেবযানী ড্রামা শান্নখি। ওঝা হৈস্নাম কানহাইলাল সিংহনা ডিরেকসন পীদুনা জবাহবলাল নেহরু দান্স একাদেমী হোলদা ইং ১৯৬৯ গী জুলাই ১৯ দা অহানবা ওইনা উৎখি। শকতম লাংখিবশিং অদুদিঃ-যযাতি নিংথৌ (সবাংথেম চন্দ্রকিশ্বব সিংহ), দেবযানী (আর কে- নয়নসনা দেবী), শর্ম্মিষ্ঠা (বীনাশাখি দেবী) অসিনি। মতমসিদদি ধর্ম্মগী চৎনবীনা ফাজিন পুনশিনবিবা সমাজ হায়বদুমক্তি ওইদ্রে। লমাবম গজেন্দ্রনসু ডিরেকসন পীদুনা এম দি ইউ হোলদা অমুক অনীরক উৎখ্রে।

দেবযানী ড্রামাবু কমলনা কবিগীমদক মণিপুরী সমাজদা উৎথোক পামলমলিবনো হায়বসিগী মবম অমদি লৈফম থোকই। মহাভাবতগী আদিপর্ব্বগী বাবীদা য়াওবিবা দেবযানীগী থোইচৎনরবী অচাওবম কাবগী মচৎ অসিদসু নত্তনা অপোকপা মপা

ইবুংঙো শুক্র গুরুগী তৌবা ঙম্বা মতিক মখোঁনা কয়াদুবু লৈবাক মীয়ামদা খঙহননিংবদুনি। ব্রাহ্মণ গুরুনা হায়বা খুদিংমক প্রজা মীয়ামদা নৎতনা লৈবাকী মপু ওইরিবা নিংথৌ ফাওবা ইনগদবনি হায়বদু তাকলি। গুরুনবু হায়রবদি য়ারমদবদুসু য়াবা তাবনি। ব্রাহ্মণগা ক্ষেত্রিগা লৌন-লৈনবা য়াদে হায়বগী চৎনবী মমাংঙৈদগী লৈবন্নবসু নৌহৌননা অমুক শেমদোকপা য়াই হায়বসি উৎলি। ইম্থোকপা, লৌখৎপা, অমাং-অশেং হায়বসি মখোয়না শেম্বনি, অদুনা মখোয়না অমুক শেমদোক শেমজিন, হোংদোক হোংজিল তৌবগী চৎনবী লৈরকই হায়বদু তাকলি। অসিগুম্বা হৌন-চৎনবী ময়ামসি মণিপুরী সমাজদা মমুৎ তানা খঙহননিংবগী অপাম্বা কমলদা লৈখি হায়বা তাই। মখোয়গী খুদোংচাবা খবগীদমক ওইদবা, শেমদোক-শেমজিনগী থৌবম থৌদাশিংদা সমাজবু হুমদুনা পুবম্বগী চৎনবী অমা লৈরম্মী হায়বদু খঙহননিংই। মণিপুবী সমাজদা চৎনবম্বা অমাং-অশেং ইম্থোক ইনশিনগী থবক পুন্নমক ব্রহ্মসভানা তৌবম্বদুগা কবি খেৎনবিবগে হায়বদু উৎথোক্লবগী তাঞ্জা অমা থীবম্বনি। মবম অসিনা অবাম্বম সমবেন্দ্র সিংহগী বাহৈদা —"দেবযানী" মতম অদুগী ধর্ম্মগী চৎনলোনগী মাইয়োক্তা শাথিনা প্রেটেষ্ট তৌখিবা ড্রামানি হায়না শীংথাবি (অনীশুবা লাঞ্জাও মমাঙগী মণিপুবী থিয়েটব" চেফোঙ ৪৬ ১৯৯৯)। ড্রামাসিনা মণিপুবী সমাজদা ব্রহ্মসভাগী তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং উৎথোকপা অমসুং সমাজদুদা হিংলিবা মীওই কয়াগী পুন্সিদা কবি কবম্বা চৈথেং ফংখিবগে হায়বদু খঙহন্নবা হোৎনবদুনি।

‘দেবযানী’ ড্রামাদা মতমগী মঙলান

ডাক্তর কমলবু সাহিত্য নৈনবশিংনা রোমান্টিক পোইটনি, নোভেলিস্তনি হায়না শীংথানরি। মহাক্কী খুৎই, মফোঙদোক, মফম, মতম অমদি নাক-য়েৎকী মবমদা ইরকপা নৎত্রগা শৈথবকপদা অতৈগা ইমান মান্নদে। থোইদোক্লা কন্থা-কনবেংনবা বাহৈশিং য়াওদনা অথোৎপা, অমেঙবা বাহৈনা সাহিত্যদা অনৌবা ঈনোৎ অমা পীদুনা লাকই। মপুং ফাদ্রবা সমাজ অমগী অবাৎপা অমসুং পুন্সিবোল কয়াগীদমক থম্মোয় শোক্লা তেংথানিংই। মপুং ফাবা মণিপুবী সমাজ অমগীদমক অনৌবা আশাগী মঙলান অমা দেবযানী ড্রামাদগী মঙখিববা হায়বসি খঙ্গনিংঙাইনি।

মণিপুরী সমাজদা জাৎ-বিজাৎ খাইবগী চৈখল, অচৌ পিশক অনেম-অবাংগী মৈশা মরক্তা মীওইবা খুনাইনা থেংনবিবা থৌদোক-বাথোকশিংদা খাইবুং খাইবুং তানবকপদু কমলনা পেঙ্খিদে। অমনা অমবু হঙোয়-তুক্কচবা লৈত্রবা মীওইবা সমাজ অমগীদমক আশা তৌজখি। পুন্সিগী অপাম-নুংশি ঈথৌ-কননা লাংজবা মতমদুমক্তদা ময়োল চিকথৎপিখ্রবা উপাল অমগুম কমলনা মবৈকায়দা নীংবা কায়না লেল্লকখ্রবনি। মহাক্কী পোক্লফম লমদমদা থরায় তানা মিতাজখিবী কনাগুম্বী অমগীদমক পুন্সিদা ইহান হান্না শাগে-জাৎকী মৈশা লাংলকখ্রবনি। মবম অসিদগী মণিপুবী সমাজদা চৎনরীবা হৌন-চৎনবীশিংবু য়ানিংখিদে। দেবযানী ড্রামাদা যযাতি নিংথৌবু নমদুনা শুক্র গুরুগী লাংদা থুহনবা, সমাজগী চৎনবী হায়বসি মখোয়না শেম্বনি, মখোয়নসু অমুক শেমদোক শেমজিন তৌবগী চৎনবী লৈ হায়বা উৎথোক্লকই। মীওইবা সমাজদা চৎনরিবা চৎনবীশিং অঙম-অথৌ খবদংতনা শেন্নম্বনি হায়বসি তাকলি। অফবা নৎত্রগা ফত্তবা ওইহনগে হায়বসি ব্রাহ্মণশিংগী মখুৎতা লৈবম্বসি মতমদুগী চৎনবীনি। অদুবু সমাজ অমদা অহোংবা, অওনবা লাকপা হায়বসি কন্নানসু থিংলুবা ঙম্নদ্রি। মরুওইনা

অহোংবা, অওনবা লাকপদা হকথেংন্না থেংনবিবসি মীওইবগী পুন্সিবোলশিংদনি। কবিনা মীওইবদি মতমগা চুন-চানগদবা হৌন-চৎনবী কয়াগা অদুমক লোইনদুনা লাকলি। উপাল-বাপালগুম মহৌশাগী মহৌশাদা অদুমক লেংদনা লৈতে। অফবা, ফত্তবা, অবাবা, নুংঙাইবা খঙলগা অনৌবা মাইওন অমদা লাকপসি মীওইবদতা ওই। দেবযানী ড্রামাগী অবোইবা মাইওনসু অসিমক্কি হায়বা য়াই। ঐ মঙাইবে, ইপানা লৈবাক নিংথৌগী গুরুনি, ইপানা হায়বদা য়াবোইদৌবা লৈতে, মসিমক্তা দেবযানীনা অপাম্বা পুন্নমক মপা ইবুংঙোদা পাংথোক্লনবা হোৎনহল্লি। মাগী (দেবযানী) অপাম্বা ফংন্নবা হোৎনবদা থোকখিবা থৌদোক বাথোকশিংদুনা পুন্সিবুদি লৈতাহনবা ঙমখিদে। থোইচৎনববী দেবযানীনা শর্ম্মিষ্ঠাদা হায়খিবা বাহে খবদুনা কনানা কনানো, অদু-অদা হায়না খন্নবম্বদুগী কান্নবা কবিসু লৈত্রে হায়বদু তাকলি "ইতা ইবেম্মা। কনানা ব্রহ্মণ, কনানা শুদ্রা? অমগা অমগা কবিসু খেন্নবমদ্রে, পুন্নমক চপ মান্নবন্নে। ঈশ্বরগী মচা ঙাক্তনি, মাগী মফমদা অচৌবা মচা খায়দে। অদুনা হৌজিক ব্রাহ্মণনি, ক্ষেত্রিনি হায়বগী জাৎকী নাপল কবিমতা লৈনবকত্রে। ব্রাহ্মণনি হাযদুনা শিদবা য়াব্রা, ক্ষেত্রিনি হাযদুনা হনুদবা যাব্রা" (দেবযানী ২২০ ১৯৯৯, ডা কমলগী খোমজিনবা লাইবিক)। বাহৈশিং অসিনা তাক্লিবদি মীওইবনা নাপলগা লোয়ননা চৎলুববা মতুংদা পুন্সিবু মশক খঙলকপগুম তৌহল্লি। ঈশ্বরনা পুন্নমক শেম্লকপনি, মাগী মচা মনাই ঙাক্তনি, মাগী মফমদদি কনানা অতোনবা, কনানা লৈমা নিংথৌ হায়বদু খাইদোকপা লৈতে। মঙোন্দদি পুন্নমক্কী চংজফমনি, জাৎ-বিজাৎকী খেনবা লৈতবগুম কমলনসু মান্নবা খুন্নাই অমদা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবা, অচৌ-পিশক খাইদবা সমাজ অমগী মঙলান অমা মঙজবম্বনি।

‘দেবযানী’ ড্রামাগী পাউজেল

সমাজদা মতমগী মতুংইন্না অহোংবা, অওনবা লাকপা হায়বসি হৌনশানি। অহোংবা, অওনবশিংদুগী মবমশিং মতমগী সাহিত্যদা মমি তাদুনা লাকই। কমলনা মতমদুগী চৎনবী, থাজনবীদা মহাভাবতকী আদি পবর্বদা য়ুমফম ওইবগা দেবযানী ড্রামা ইবম্বনি। ড্রামাসি লাইবিক ওইনা ফোঙদোক্লগা মীয়াম্না পাননবা ইবম্বদি নত্তে। চুম্নতগী ষ্টেজদা পুথোক্লগা মীয়ামদা খঙহন উহননবা ইবম্বনি। অদুবু মাগী খুৎইসিদা প্রতিবাদকী মওং মানবদগী ড্রামাগী সংস্থান অমত্তনা শান্নবা ঙমখিদে। মতমদুগী মণিপুরী সমাজদি য়াইতোং খমদোংবগী য়াকা য়েংনা লাইবিক লাইশু ইবগী চৎনবী লৈবম্মী। লন্নাইগী ওইবা মওংদা লাইবিক লাইশু ফোঙদোক্লবা য়ারমদে। দেবযানী ড্রামা ষ্টেজদা উৎথোকপা ঙমখিদবসিগী মতাংদা প্রো পি নবচন্দ্র সিংহনা অসুন্না “মতম অদুগী লৈবাক্লা য়ানববা মরুওইনা নিংথৌ অমসুং য়াইতোং-খমদোংবশিংনা মমল লৈনা লৌবা রাখল মীৎয়েং উৎপা নত্তনা অইবগী লন্নাইগী অনৌবা মীৎয়েং উৎনবা মফম লৈবমদে” হায়না পল্লম্মী। (অবিবা মণিপুরী সাহিত্যগী শক্রোল ১৮ ২০০৬)।

কমলগী মতমদুদি ব্রহ্মসভানা চৎনবীগী চুপলি পায়বি। ব্রহ্মসভানবু হায়ববদি অরোইবনি, কন্নাগী মাংবা, শেংবা, লৌখৎপা, ইহ্লোকপা পুন্নমক মখোয়গী খুবামনুংদগী থোকহল্লি। পুন্নমকসি কমলনা খঙউ-উরুবগা পেন্দবা পোকচে। চনৈনববা মণিপুরী সমাজগী চৎনবীসিবু সংস্কার তৌনিংবগী আশা অমা তৌখি। মচাইবুংঙো ব্রজেন্দ্রনসু “সমাজ সংস্কাবদসু পুক্লিং চংবা লেখক্লা মতম অদুগী সমাজবু পুনশিনবদা অকাইবা ওইবা মৈতৈ খুন্নাইগী চৎনবী কয়া শেমদোক্লবা লিলা ফম্বাক্তা হোৎনবা পাল্লম্মী” হায়না মত পীরি। (ডা কমলগী খোমজিনবা লাইবিক :১৪৮ ১৯৯৯)।

ভাবতকী সভ্যতাদা ব্রহ্মসভা লিংখৎলম্বসি নোংচুপ বেঙ্গোলগী হুগ্লি ডিষ্ট্রিক্কী মনুংচননা লৈবা বাধানগব খুঙ্গংদা পোকখিবা বাজা বাম মোহন বোই (১৭৭২-১৮৩৩) গী হোৎনজমন্ননি। মহাকপু ব্রহ্মসভা হৌদোক্লম্বা মীওইনি হায়না খঙনরি। ব্রাহ্মণ ওইজববসু মহাক্তি ধর্ম্ম খুদিংমকপু ইকায় খুম্নে, অমনা অমদগী হুম্বা হায়বদু লৈতে, চপ মান্নবা মীৎয়েংদা যেংই। জাৎ-বিজাৎ, শোক্লা শম্নবা য়াবা য়াদবা হায়বদু মঙোন্দদি লৈতে। ব্রহ্মসভাগী বাবেপ্পা অবোইবনি হায়বদুসু য়ানিংদবা মীওইনি। অসিদসু নত্তনা ব্রহ্মসভানা ধর্ম্ম পুন্নমক্তগী হেল্লি হায়বগী চাওথোকচদুসু পামখিদে। ধর্ম্মগী চৎনবীনা মীওইবা মশেলগী মবক্তা তোখায় তোখায় তানহনবগী মাইয়োক্তা লেপখি। মহাক্কী পামজবদি মীওইবা মবক্তা মীনুংশিনা মীওইবগী থম্মোয়বু জয় তৌগদবনি হায়বসিনি। মসিমক্লা মহাকপু "Champion of Humanitarianism" and "Father of Indian Renaissance" হায়না শীংথানবি। কমলগী পুন্সি অমসুং সাহিত্যদা বাজা বাম মোহন বোইগী বাখল্লোল কবি মমি তাখিবগে হায়বদু থীজিন্নবদি কান্নগনি।

মণিপুবদা জাৎ-বিজাৎ খাইবগী চৎনবীসি ব্রহ্মসভাগী মীৎয়েং মখাদা লৈবকই। অসিদসু নত্তনা য়াইতোং খমদোংবশিংগী মীৎয়েংসু চংলম্মী। কমলগী মতমদু নোংচুপ লোমগী শিক্ষাগী মহাও তংলবনি। হিন্দু ধর্ম্মগী চৎনবী, অফ-ফৎত খঙলবা কমলনি। মাসু খঙলমগনি, ধর্ম্মগী চৎনবীদা কনানা অচৌবা, কনানা অপিকপা ঈশ্ববগী মফমদদি পুন্নমক অমত্তনি হায়বা। অমনা অমবু হুম্বনা য়েংবা ধর্ম্মগী পুবোহিতশিংনা সমাজদুদা যেংলিবা মীৎয়েংশিং পেননিংঙাই ওইদে হায়বদু তাকই। মহাত্মা গান্ধীজিগী বাহৈদা "হিন্দুইজমশিংগী মবক্তা অমাং-অশেং মুৎথৎপদা থিম্বহৈব্রবা তাঞ্জানি" হায়না পল্লম্বা থেংনৈ (শেমগৎ-শাগৎপগী থৌবাং পবেং ৪ ২০০৪ এম কে গান্ধী)। কমলসু সমাজ সংস্কাব তৌনিংবগী বাখল্লোল লৈখিববা হায়বসি ড্রামাসিদা শীজিন্নবিবা বাহৈ-বাতাশিংদগী খঙবা ঙম্মী।

দেবযানী ড্রামা মহাভাবতকী আদি পবর্বদা য়ুমফম ওইজববসু মতমগী বাহং কয়ামরুম য়াওবি। ড্রামাসি মহাক্কী মতমদা উৎথোকচবা ঙমখিদবদুনা বাহংশিংদু অর্থ লৈনা লৌনখিদবনি। মতমদুগী চৎনবী কুয়োমনুংদগী নাম্বোকপা ঙমজব্রবা মণিপুবী সমাজবু নৌনা শেমগৎ শাগৎনিংবগী অপাম্বা লৈখি। মল্লবা চৎনবী, মীওই খবতগী খুজিল থৌবাংদা মীনা মীবু হুম্বনা য়েংবগী চৎনবীসিবু শেমদোক্লগা, মান্নবা খুন্নাই অমগী পাউজেল ড্রামাসিদা পীবম্বনি।

'লৈপরেংদা' কমলগী মীৎয়েং

কবি কমলগী 'লৈপবেং' শৈবেং লাইবিক (১৯২৯)দা মণিপুরী সাহিত্যগী লৈচল ওইননবা পুথোক্লকখি। লাইবিকসিদা শৈবেং১৮ য়াওবি। শৈবেংশিং অসি কবিগী পুন্সিদা থেংনবকখিবা, উরুবা খোঙচৎশিংদগী ফাওবকপা থম্মোয়নুংগী শৈবোলশিংনি। অয়াম্বনা বাহে-বাতা থোৎ-নৌই, অতে ময়ামদগীসু তোপ তোপ্পা মওংদা হকথেংননা হৌখ্রবা কয়াগী শক্তম্বু লাকশিন্দুনা ঙসি হয়েংগীদমক মঙলান অমা মঙজবম্বনি। কবিগী মীৎয়েং মখল কয়ামরুম থোক্লা য়েংবা য়াই।

সাহিত্যগী মীৎয়েংদা

সাহিত্যদা মতম মতমগী থৌদোক বাথোকশিংগী মমি তাদুনা চৎলি। অদুনা মতমগী সাহিত্যগী মশক তাক্লবা হোৎনবকই। মতম কুইনা বাঙ্গলা সাহিত্যনা তুহৎপিবল্লবা মণিপুরী সাহিত্যগী অনৌবা মপোক অমা পোক্লরুবা থৌবাং তৌনবকপা মতমনি। সাহিত্যগী মচাক থিবদা অনকপা, অবাপ্পা হায়বদু লৈতে। মহৌশা লাইবেম্বীনা থম্বীবম্বা পোৎশকশিং অসিখক্তং শৈথাবদসু সাহিত্যগী মচাক ওইহনবা য়াই। পুন্নমক বাখল, থম্মোয়, মীৎয়েংগী মখা পোল্লি হায়বদুনা অসুম্না ঃ-

লৈ থিননবগীদমক্তা
নত্তে, অথাপ্পা উমংদা চৎকদবা,
নত্তে, অবাংবা উপাল কাগদবা,
ইনক নকপা, খুৎনা লাম্বা ফংবা,
থিরুসি পুক্লিং লৈকোন্দা।

(মৈতৈচনু ১ ১৯৬৩)

কুম্বী কালেন নাইদনা শাৎপা লৈবাংগুম, মুৎনাইদ্রবা সাহিত্য ওইহনবা কবিনা পামলি। মতমগী ঈবোলনুংদা পৎ-পুমদুনা নৎত্রগা কীম্বদুনা মাংখিগদবা পোৎশকশিং ওইহন্নিংখিদে। মশাগী ওইজবা থাদোক্লগা অমত্তা ওইবগী লীচিংদা মণিপুরী সাহিত্য ওইবকপগা লোয়ননা ভারত সাহিত্যগী লৈকোনুংদা তিলহননিংবগী অপাম্বদু তাকলি।

মৈতৈগী তম্পাক্তা হৌবা লৈবাং,
থারুসনু সমদ্রু রাংমদসু,
শাৎলুসনু ভাবতকী বিশ্ববিদ্যালয়দা,
কবিগী ঙমলোইদগে, লৈপবেংনা তৎত্রবদি
(মৈতৈ চনু ৩ ১৯৬৩)

কবিনা মবৈবাক মজাতিগী সাহিত্যবু অরাংবা থাক্তা পুখৎচনিংবগা লোয়ননা লেপ্পুববা সাহিত্যগী ঈচেলবু অনৌবা ঈনোৎ অমা হাপলকপা তাঞ্জাদুনি। মতম মতমদুগী সাহিত্যগী থাকশিং উৎননবা "থাইনগী মৈতৈ সাহিত্য," "হৌজিক্কী মৈতৈ সাহিত্য" অমসুং "মৈতৈ কোকিল" হাযবা শৈবেংশিং ইদুনা তাকলি।

অদুঙৈ মতম অমদা মকা ফন্না লৈশাৎ তন্নম্বা মৈতৈ সাহিত্যগী খোঙচৎতা বাঙ্গলা অমদি সংস্কৃত সাহিত্যনা মৈতৈ সাহিত্যগী মহুৎ শিন্নম্বদু নীংশিংলকখি। হান্না লৈজবম্বা সাহিত্যগী মচাক মথুম পুন্নমক মাংহন-তাকহল্লম্বা হায়বদুমক্তি ওইখিদে। মীবমগী যননা মচি শাংই হায়বগুম সাহিত্যগী মখোঙ শোম্বীনবা লৈখিদবনা লৈখা তাববা সাহিত্যগী খোঙচৎ ওইনা লৌনরুবনি। মবৈবাক মজাতিগী লোল অমদি সাহিত্যবু নুংশিজবা মীওই কযা থোক্লকখি। শিথকববা সাহিত্যগী খোঙ্গুল লিনবকখি। মতমদুদা মৈতৈ সাহিত্যনা অমুক মকা ফন্না ফুগাইনা শাৎলগনি। অসুম থোকউ তন্নম্বনা লাইবক্তা শেগাইববা লুপাক মনুংদা কাঙ-হয়িং মবক্তা তুমদুনা লৈথ্রববনে হায়না কবিনা নুংনাংবগা লোযননা অনৌবা আশাগী মীৎয়েংদা অসুন্না ঃ-

নংগী অমৃত চেনবা রাহৈনা খিক্লুনা,
পাম্বীদা মহৈ-মবোং চুন্নানবা,
লৈপান্দা লৈ মকাবামনা শাৎননবা,
অদুগুন্নবা থুমলবা রাহৈনা,
অমুক্তদি থেমজিনবিখো নচাশিংবু,
কদাইদা লৈথ্রে ইমা।
(থাইনগী মৈতৈ সাহিত্য ৩৩.১৯৬৩)

মতমদুগী সাহিত্যগী মশক মওংদি অনুবাদ সাহিত্যনি। মতাং অসিদা কমল মশানসু অসুন্না পল্লম্বা থেংনৈ— "অতোপ্পা জাৎকী লাইরিক কয়ামূক্কী অনুবাদ তৌদুনা মৈতৈ সাহিত্য শেম্বা হায়বা অসি অশম্বা পাম্বৈনিদি হায়ববু তৌইগুম্বসুং মদু মীগী মপোৎ থাইদুনা শীজিন্নবগুম্বনি, মদুনা মৈতৈ জাতিগী মনুংদা চৎনবা সাহিত্যগী ভাব, রুচি অমসুং চৎনবী কদৌগুেদসু মপুং ফানা ফোগুদোকপা গুমদে। মবম অসিনা মৈতৈ সাহিত্য মপুংফানা চাওখৎনবগীদমক মৈতৈ মচানা লেংবা লাইবিক শোয়দনা চংবা তাই" (লৈপরেং থাহৌদোক ১৯৬৩)। কবি মশামক্না পল্লন্নিবা থাহে খবসিনা মতমদুগী সাহিত্যগী মশক মওংসি অসুক্কী মতিক মপুংফাবা গুমদ্রি হায়বদু উৎলি।

ভাবত সাহিত্যগী লৈকোনুংদা তোঙান তোঙানবা জাতি কয়াগী লোলশিংগী মরক্তগী তামিল, তেলেগুনচিংবগী সাহিত্যসু মশক খঙপ্রে। অবাংবা উনগী চীংজাও লাম্থোক্রদুনা নৌনা খুন্দাবখিবা নেপালী অমসুং অবাং নোংপোক চীংলৈবাক্কী খাসি জাতিগী লোল ফাওবা ভাবত সাহিত্যগী লৈকোননুংদা তিনশিনখ্রে। অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদা কবিগী থম্মোয়নুংদা নুংনাংবা পোক্রদুনা নিংগুমদনা থাহং কয়া হংজবি ঃ-

কবিগী য়েন্নিং হন্দে অনৌবা মনা?
কবিগী পোমদে অনৌবা লৈবাং?
কবিগী নশা নবেং ফন্দ্রিবা?
মতিক ওকপা ঈশিং চাইদবনা,
কংবনা ফবে খল্লববা পুকনিংদা?
(হৌজিক্কী মৈতৈ সাহিত্য ৩৪ ৩৫)

মবৈবাক মজাতিগী লোল অমসুং সাহিত্যবু নুংশিজবা মীওই কয়া থোক্রকখি। মৈতৈ সাহিত্যগী মখোঙ শোন্ননবা থারেং, শৈবেং কয়া ইনবকখি। লমদমসিদা খুন্দা লৈতাবিবা জাতিশিংগী লোনফাও লোল ওইবিবা মৈতৈ লোলগী চেফোঙশিং "মৈতৈ চনু" (১৯২৪) জাগবন (১৯২৬) পত্রিকানচিংবা কয়া ফোঙলক্তুনা সাহিত্যগী মচাক হুনবা হৌনবকপদুবু নীংশিংলদুনা অসুন্না ঃ-

খঙলে ইমা নং মঙাইবে লাইববা লৈবাং,
ভাবতকী লৈকোননুংসিদা।
য়েংউ, ইমা অপংবা নচাশিংনা,
ঈশিং চাইদদুনা নংগী মখোংদা,

লাকনরি পুন্ত্রী তৌবা মরুভূমিদা।
তান্নবি ফাগদগী মায়া মবিচীকা।।
(হৌজিক্কী মৈতৈ সাহিত্য ৩৪.৩৫)

কমলগী মতমদগী হৌজিক্কী মণিপুরী সাহিত্যগী অনৌবা য়ুমফম অমদি থোনবা হৌরকলে। অদুবু সাহিত্যগী মখোঙ শোম্বীনবা মীওইদি থোইদোক্লা মরাং কায়দ্রি। মৈতৈমচাশিংনা নোংচুপলোমগী শিক্ষাগী মহাও তংলুবদগী অনৌবা ৱাখলগী মঙলান অমা ফাওনরকপা মতমনি। মমালোল নুংশিজবগী ঈখৌ লাংবনা সাহিত্যদা মীৎয়েং হেন্না চংহননিংবা মতম ওইখি। মালেমদা মীওইবা জাতিনা শকখঙনরবা কবি কয়া থোক্লকখি। ভারততসু সংস্কৃত সাহিত্যগী লময়ানবা মহাকবি কলিদাসনচিংবা কয়া থোক্লকখি। লময়ান কবিশিং অসিনা থম্বীবম্বা সাহিত্যগী মচাকশিংনা মীওইবা খুনাইগী থম্মোয়বু শুমহৎখি। ইবমদম মণিপুবদসু অশৈবা কযা পোকখ্রবনি। মতমনা পুবকপা অওনবনা মণিপুবী সাহিত্যদা খবখিৎ মবাই চাইথরুবনি। নৌনা অমুক হিঙ্গৎহননিংবগী আশাদা কবি কমলনা লমদমসিদা পোকখিবা ব্দনাগুম্বা শকপান্নদবা কবি অমবু খুলাম তোয়না কৌজবি।

খোংলবো কোকিল নিহলন্দনা চীংনুংসি,
শেমলবো নিকুঞ্জবন তম্পাকসি।
চেহলম্লো ঈচেল কংখ্রবী চন্দ্রনদীবু।
কৌশিম্লো উমংসিদা বীনাপাণিবু।
(মৈতৈ কোকিল ১৭ ১৯৬৩)

ইবৈবাক ইবমদমগী লোল অমদি সাহিত্যবু চাওখৎনবা হোৎননিংবগী আশাদা কমলগী থম্মোয় মথুম-মবাং হৌজখি। মতমদুগী মণিপুবী সমাজদা লোনয়ান শীজিন্নবগী অপাম্বা য়াম্না ব্দনা লৈবি। থোইদোক্লা মৈতৈলোলদা বাঙ্গলাগী ৱাহৈ য়ানশিনদুনা ঙাংবা শকপনা লাইবিক লাইশু হৈবা মীওই ওইনা উনবম্বগী চৎনবী লৈবম্মী। কমলনা মণিপুবগী ৱাংমদা লাইবিক লাইশু তম্বা চৎপা মতমদা মপাল লমগী মীওইশিংনা লমদমসিগী মীওইশিংবু "পাহাড়ী" হায়না লক্লবিবম্বদু কমলনা কাওবমগদবা মান্দে। ৱাহৈসি কমলদি থম্মোয় শোকপা ৱাহৈ ওইবমগনি।

মীওইবগী পুন্সিদা অকা-অকুম নাইবগুম সাহিত্যদসু লৈফম থোকই। কমলগী মতমদুদা মণিপুবী সাহিত্যগী অনৌবা মপোক, বসন্তগী মতম য়ৌবক্লে হায়দুনা হকপান্নদবা কবিদা পাউজেল পীজরি।

ঋতুরাজ বসন্ত কৌবা মতমসে,
নংগী চিবসহবনি হাঙ্গনা তাই,
য়েংউ বসন্ত য়ৌবক্রে মৈতৈ লৈকোল
পাইরকপা মতম য়ৌবকলে কোকিল।
(মৈতৈ কোকিল ২৮ ১৯৬৩)

কমলগী মীথয়েংদা প্রকৃতি

"খোংগম মেলৈ" "লৈবাকলৈ" অমসুং "খোইমু অমসুং লৈবাং" হায়বিবা শৈবেংশিং অসিদা প্রকৃতিগা লৈবাংশিংগা লৈনবম্বা মবী, লৈশক, লৈচু, লৈওং হৌফম শাৎফমশিং কবিনা শীংথাবি। লৈবাং শাৎলবদি খোইমু ইনবা মহৌশানি। অদুবু পোমশাৎনবী লৈরাংশিংনা খোইমু পাইবকপা উবগা মিপায়জবদু তাকলি। মতাংসিদা কবি হিজম অঙাংহলগী "থম্বাল" হাযবা রাবেং অদুদা পোমশাৎনবী থম্বালনা খোইমু পাইবকপা উবগা মিপায়জবদুগা অম্নানি। পুন্নমকসিদি প্রকৃতি লাইবেম্বীনা লৈবাংশিংবু নুজা ওইবিশিংগা উপমা তৌবগুম তৌবকপনি। নাক-যেৎ অমদি অকোয়বদা লৈবিবা প্রকৃতিগী শক্তমশিংবু সাহিত্যগী মচাক ওইনা শেমগৎলকই। উবকই, কবিনা অনকপদা চৈল্লিবা চন্দ্রনদীগী ঈচেল নীংশিংলকই। হৌখ্রবা মতমগী ইতিহাস, লৈবাক নিংথৌ পাল্লিঙৈদা ঈচেল নাইনা চেল্লম্বা, তুবেলগী মপালদা লৈ-সু কযা হৌবম্বা, শেমজিন শাজিনবিন্নবা লৈতবনা নাবক মোংশোং ওইখ্রবা চন্দ্রনদীগী খোঙনুংবু শীংথাবকই। মতম অমগী কোনুং ওইবম্বা কাঞ্চীপুরদা রাজা শ্রী ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ (১৭৬৩-১৭৯৮) গোবিন্দ অভিষেক তৌখিবা অমসুং কোনুং হোংখিবদগী মপু পান্দ্রবগুম ঙাকপি শেনবীনবা লৈত্রবগী নুংনাংবদু কবিনা অসুন্না ঃ-

কাঞ্চীপুরগী অরাবা পাওবু পুখিদুনা,
অহিং-নুংথিল নাইদনা,
চেম্থবি অমম্বা সমুদ্র তমনা।
(চন্দ্রনদী ১০ ১৯৬৩)

মতাংসিদা চন্দ্রনদীগী ঈচেলবু সাহিত্যগী খোঙচৎকা চাংদম্নবগুম তৌবি। মহৌশাদগী লৈজবক্রবা সাহিত্যগী মচাকশিং খঙবী উবিদনা লৈবিবসি কবিনা নুংনাংবা পোকচৈ। মীরৈবাক্তা চৎতুনা মীংচৎকীদমক রারুগদবা নত্তে, লমদমসিদসু মমল য়াম্নবা সাহিত্যগী মচাকশিং লৈরি হায়বদু চন্দ্রনদী শৈবেংদা ময়েক শেংনা উৎলি।

কবিনা কাঞ্চীপুরগী নাক-য়েৎতা হৌরিবা হৈপাল-লৈপালশিংবু খক কাওবা লৈখিদে। লৈবাক নিংথৌ পাল্লিঙৈদা ঙাকপী শেনবীরম্বা লৈহাও লৈরেন পাম্বী অনীগীদমক খোইরাংবদু শীংথারকই। "চীংয়াগী লৈহাও" হায়না মীংথোনবা শৈবেংসিদা লৈরাংসিনা মীওইবা জাতিগীদমক নুংশিরবা লৈনম য়েল্লম্মী। লৈবাংগী লৈশক উবদা অউবা কনাগী থম্মোয় হুদবা য়াওরল্লোয় হায়না শৈথারি। লাইবক থীবদি ঙাকপী শেনবীনবা লৈবকত্রবনা লৈবাংগী মশা, লৈনা কয়াবু অবেম্বদা শেগাইবী, থুদোকপিবি। অপোম্বা লৈবাং কয়ামসু লৈখোংদা নেৎথৎপিদুনা মাঙহনলি। পুম্নমকসি উরুবগা কবিগী থম্মোয়দা লৈতাফম খঙজদে। খোয়শাওনববা খোঙ্হোক্তা মীগী কান্নবা তৌরুরবদি মীনা ওৎপসু খাংগদবনি হায়বসি কবিগী পাওজেললনি। কলক মীহৌ চাওবা তাইবংপান অসিদা মীগী কান্ননবা তৌরুবগী মহৈনি, ওকলে, মখা তানা অমুক তৌরুবগনু, তোকলো হায়দুনা কবিনা পেন্দবা বাহৈনা ঃ-

কংলো কংলো লৈহাও লৈবেন।
মিংচৎ উবোং খিল্লমদুনা।
থাদোক্লমলো অবেম্বা তাইবংপান,
থিরুরো শান্তিগী লৈকোন্দা।
(চিংয়াগী লৈহাও ১১,১৯৬৩)

কবিনা খনখি, তাইবংপান অসিদা মীগী কান্নবা তৌরুবগী মহৈদি অরা-কোঙ্গায়সু খাংবা তাবনি। অদুনা লৈবাং মানা তাইবংপান থাদোক্লল্লগা শান্তি ওইনা লৈখ্রো হায়বদু তাকলি। মহৌশাগী খোঙচৎতা মীওইবগী নুংশিহৈত্রবা মচৎনা পীবিবা চৈথেংশিং অদুসু তারুবা হোৎনবি।

কাঞ্চীপুব কবি কমলগী থম্মোয়না খোইদাজবা মফমনি। মফমসিগী ফজবা কবিনা কাওবা লৈখিদে। মতম অমদা কোনুং ওইবিঙৈদা খুৎশেম অমদি প্রকৃতি অনীনা লৈতেংলবা মফম অমা হাযবদু ওইরম্মী। মশেক মণ্ডাল লৈনা নীংথিজবম্মী। অদুবু কোনুং হোংখ্রবা মতুংদা লৈহৌবিবা কাঞ্চীপুবগী শক্তম্বু কবিনা থম্মোয় শোক্লা অসুন্না ঃ-

মনম নুংশিববা কালিন্দগী ঈশিংনা,
য়াক্লবা থুমহীদা তিনখিবগুম,
নিংথিজবা মিংচৎ কাঞ্চীপুবগী,
কাউশিল্লকলে নোংমা নোংমগী।
(কাঞ্চীপুরগী লেমহৌবা মথাক. ৩৯ ১৯৬৩)

কাঞ্চীপুরগী মহৌশা অমদি খুৎশেম অনীগী ফজববু ঙাকপী শেনবীনবা লৈরক্লবদগী কায়থরক্লবা, শোকথরক্লবা শক্তমবু উরুবগা কবিনা মঙল মঙল খল্লকপদু তাকলি। হৈবাং-লৈবাং পান্বীশিংগী শক্তম, উচেক-রায়াশিংনা খোংবগী খোঞ্জেলবু উরু-তারুরগা প্রকৃতিগী খোঙচৎ কায়রে হায়না শৈথারি। শেংদোকপিন্নবা লৈত্রবা বাসমগুল পুন্সিগী শক্তমগা কাঞ্চীপুরগী শক্তমগা চাংদম্নরি। মহৌশাগী কায়থরক্লবা শকফমশিং উরুবগা কবিনা থম্মোয়গী মপাউ শৈবেংসিদা ফোঙদোকচবি।

প্রকৃতিদা থরায় লুপচবা কবিনা অচিকপা অহিংগী থাবল ফববা নুমিদাং অমবু মূনা মূনা য়েংজরুরি। পুন্সিগী থেংখাং কয়াদা নীংবা কায়বগী পোৎলুম পুদুনা লাক্লবা কবিদদি ফজববা অহিংদুনা অহোইনদুম মৈচাক হাপকৎলকপগুম থোকখি। অচিকপা অহিংগী থাবল মঙালদুনা কবিগী থম্মোয়সু থেমজিনবা ঙমখিদ্রে। মীচিক মীবাওখোল তাদ্রবা অচিকপা অহিংদুদা অনুতাপকী মৈবিনা চাক্লবা থম্মোযদা মঙল মঙল খল্লকপদুবু অসুন্না ঃ-

অহিংসিদা অসুক্কী মতিক চিক্লবা,
অনুতাপনা চাক্লবা থম্মোযসিবু ইংহন্নবা,
নিদ্রা কদাই, শান্তি কদাই, কদাই থাবল?

(নীবব বজনী ১৭, ১৯৬৩)

ওইফম থোকই, পুন্সিদা নীংবা কাযববা মীওই অমদদি তুম্বা অমদি শান্তি হায়বসি লৈফম থোক্তে। অচিকপা অহিংগী থাবলনসু চাক্লবা থম্মোয়বু শুমহৎপা ওইথোক্তে। কবিনা অতোপ্পা পান্দম অমদা অমুক পুন্সিবু শান্তি ওইহন্নবা অবোইবা পুম্বং অমা থিনিংবগী আশা তৌবদু মতাংসিদা ঃ-

খঙলে অনাবনা হেজিল্লক্লবদা,
অবেম্বনি হিদাক অবেম্বনি সেবা,
মৃত্যুমুক্তি মতমতনা হিদাকনি অথোইবা।

(নীবব বজনী ১৭ ১৯৬৩)

অচিকপা অহিংদা প্রকৃতিগী ফজববা দৃশ্যনা কায়ববা থম্মোয়বু ফাথবা ঙমদ্রবদি মহাত্ম হিংলুবগী কান্নবা লৈত্রে, অদুনা তাইবঙপান অসি থাদোক্লবতদা পুক্নিংদা শান্তি ফংবা হায়বদু ওইগনি হায়বি।

কবি কমলদি অচিকপদা থম্মোয়গী পোৎথাফম থীনিংই। প্রকৃতিগী মশাইগোলদা পুন্সিগী অরা নুংঙাইগী মপাও তমনিংই। মশাগী চহী ২৭ লোম চংলকপা মতম অদুবাইদা পুন্সিগী শিঙ্খা পাংথোক্লুনবগীদমক ষ্টেৎ সরকাবগী য়াথং পুবদুনা তমেংলোংদা পোষ্টিং চৎখি। নুমিৎ হুমনি-মরিনিগী শাংলবা চীংনুংগী খোঙচৎতুনা কবিগী থম্মোয়দা মথুম-মরাং হৌহনখি। মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা চীংনুংগী দৃশ্যশিং অদু উরুবগা কবিনা অচিকপবু মিতাজখি। অচিকপা প্রকৃতিগী তম্পাক্তা পুক্লিং লৈতানা ব্রহ্মচাবী অমগুম পুন্সি লেননিংবগী অপাম্বদু লৈখি। অচিকপা মফমদুদগী হৌখ্রবা পুন্সিগী থৌদোকশিং নীংশিংলকপগা লোয়ননা সমাজগী মনুংদা চৎনবিবা চৎনরোলশিংবু পেন্দবদু উৎলি। মপুং ফাদ্রবা সমাজগী ইতিহাস, চিৎথ-নাম্বহৌরবা পুন্সি কয়াগী তাবিনবা লৈত্রবা তেংথাখোল, খঙবি-উবিদনা কেমথ্রবা হৈবাং লৈবাংগী শক্তমশিংবু উরুবগা কবিগী থম্মোয়নুংদগী তোঙান তোঙানবা খোঞ্জেল কয়ামরুম থোক্লকপগুম তৌবি। কবিদি প্রকৃতিগী দৃশ্যদা লুপখিদুনা অচিকপনা খোঞ্জেল থোক্লা বা ভাংলকপগুম অসুন্না ঃ-

তাও ব্রহ্মচাবী ঙসিদি,
ফোংদোক্লগে ৱা-পুক্লিংগী,
'অচিকপা' কৌই ইমিংদি,
মবেম্মনি লমদমসিগী।

(নির্জ্জনতা ১৮ ১৯৬৩)

কবিগী বাখল, থম্মোয় পুন্নমক অচিকপদা তিনথ্রবগুম তৌখি। অচিকপনা কবিগী নাকোংদা কবিগুম্বা ৱাহৈ খবা তৎতনা তাহল্লি। সমাজদা চৎনবিবা অচুম্ব-চুমদবা পুন্নমক খঙই, উই হায়না। সমাজ অমা হায়বসি অউবা, অখঙবা খবদংতনা মপুং ফাৱে হায়নবিবদু অদুদা নত্তে। কনাগী সাহিত্য, ইতিহাস ফাওবা থেংনহৌবা, খবদংদুদগী কল্পনানা শেমজিন-শাজিল্লগা ওইহল্লকখিবনি। ইতিহাসনা মনা পংলবা, বিজ্ঞাননা মমিৎ তাংলবসু অচিকপা মানদি উদ-তাদবা, খঙদবা লৈতে হায়বি। পুন্নমকসি ওইদুনসু মঙোন্দা অৱাৎপা অমদি লৈবে হায়না নীংঙমদ্রবা খোঙ্খাংনা প্রকৃতিনা ঃ-

ঐবু শেম্বীবম্বদা বিধাতানা,
পীবিবমদ্রবোই কাওদুনা,
পাম্বৈদি পুক্লিং ফোংদোক্লবা,
পুক্লিং পীবিবমই খন্ননবা।

(নির্জ্জনতা ২৩ ১৯৬৩)

প্রকৃতিনা কনাবুসু মীরাইবা লৈখিদে। মাদি থবায় পানবা পান্দবা পুন্নমক্কী চংজফমনি, পোৎথাফমনি। মুনি ঋষি, কয়াগী ধ্যান তৌফমনি, নুংশি-হৈত্রবা মীহাৎপা কয়াগী তাংজফমনি। শাহিং চাবা জীবশিংগীসু মশাইগোল ওইরি। অচিকপনা কনাদসু অচান মীরাই নাইদনা পুন্নমকপু ঙাকপি শেনবীবগা লোয়ননা চিককোন-নাওকোনবীরি। ব্রহ্মচারীগী শক্রোল লৌবিবা কবিনা প্রকৃতিবু অসুক্কী মতিক নুংশিজে। কনাগুম্বনা অবাবা লাইরেম্বী কৌগেবা, শান্তিগী লাইরেম্বী হায়গেবা কবিনদি মমা শক্কবী লাইরেম্বী অমা ওইনা খঙ্গবি। চায়োক নাওয়োক ফবী অচিকপা মাগী মশাইগোন্দা কবিগী পুন্সিসু লেপ্পগে হায়জরি। কবিনা প্রকৃতিবু মশামক্কী মথবাইদগীসু হেন্না নুংশিজে হায়বদু শৈবেংসিদা ময়েক শেংনা উৎনবা হোৎনবি। প্রকৃতিদি মীওইবা সমাজগী হবাও-কুম্মৈগী অবাংবা, অনিনবা মবক্তগী লাপ্না লৈনিংবগুম কবিসু অচিকপদা পুন্সিগী মহাও তংনিংবগুম তৌবি। মসিদি রোমান্টিক পোইট অমা ওইবগী হৌনশানি।

হ্যুমেনিজমগী মীৎয়েংদা

প্রকৃতিগী তম্পাক্তা থবায় পানবা অমদি পানদবা খুদিংমকপু অচান মীবাই নাইদবমখৈ চংজফম পীবি। মহাক্না কনাবুসু হঙ্গোই, তুক্কচবা লৈখিদে। মীওইবদগী হৌবগা কনাগী থবায় পানবা জীব পুন্নমকপুসু লুনা চান্না তৌবিবী। হুরান-চিঙ্থি, মীহাৎ-মীপুন তৌরুবা খুদিংমক ফাওবা চংজফম লৌহল্লি। তশেংনা হাযববদা অরা কোইঙ্গায় নংলক্রবী চানবী হৈববী মমা ওইনা কবিনা খল্লি। প্রকৃতিগী মওং মতৌসিবু কবিগী থম্মোয়নুংদা বিশ্বপ্রেমগী মঙলান অমগুম মঙজবম্বসু য়াই।

নুংশিবা হায়বসিদি তোঙানবা সংসাব অমগুম কবিনা উবকই। বিজ্ঞান হৈববা মীওই ওইদুনসু নুংশিবদদি মন্ত্রনা শুমহৎলবগুম মীৎ পাংনা পাংনা তাংগনি, না পংগনি তানা তানা কনাগী লৌশিং পাঙ্গল থৌনা পুন্নমক অবেম্বদা তাগনি। নুংশিবদা মৈ-ঈশিং চংদে, অদুবু কবিনা পাল্লিবদি অসিগুম্বা মখলগী নুংশিবদু নত্তে। তাইবঙ মীওইবগী অপাম্বা, মিহৌবা, কল্পকপা হায়বদু লৈত্রবা নুংশিবগী পান্দমদুনি। অসিগুম্বা মখলগী নুংশিবসিবু বিশ্বপ্রেমগী মশক ওইনা লৌবকই। কলক, মিহৌবা, অপাম্বদগী লাপথোক্রবা মুৎনাইদ্রবা মীনুংশিগী (হ্যুমেনিজমগী) মীৎয়েং য়ৌবকপা ঙন্নবদি অশেংবা নুংশিবগী মগুনদু উবা ফংবা ঙমগনি হায়রি ঃ-

শনবিক পবেং নুংশিবগী,
হক্তোতুনা নুংশিবগী ঙকশমদগী,

য়েক্লবদা শিবিবা গুল্লবা,
প্রেমিক কৌই নুপাদু তাশেংবা।

(বিশ্বপ্রেম ১৪ ১৯৬৩)

অশেংবা নুংশিবা হায়বসিদি বিশ্ব-জগৎসিবু অমত্তা ওইবা মীৎয়েংদা য়েংবদুনি হায়রি।

সংসারসিদা লৈবিবা থবায়পানবা জীব খুদিংমক্কী শেৎন-খায়নবগী মীৎকুপ অমমম লৈ। মসিদি প্রকৃতিগী কায়ফদ্রবা খোঙচৎনি। জাৎ-বিজাৎ তিন্নদবদগী কায়নবা, সমাজগী চৎনবী পলনা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবম্বা অনীগী মবক্তা কায়না মৈশা লাংহৌবসু কয়ানি। শবৎকী থাবল ফববা অহিং, মীচিক মীবাওখোল তাদ্রবা মতমদা সিম্বোলিক ওইনা নুজা অমনা নুংশি-চান্ননা অকলাদা য়োকচবম্বী তেনবা অমবু থাদোক্লগে হায়দুনা থৌবাংলুবি। জাৎ-তিন্নদ্রবা অনীগী অবোইবা শেৎন-খায়নবগী মীৎকুপ্তুদা নুজানা মীৎলু পিবাং শিষ্টুনা পাউমেনজবি অসুন্না ঃ-

খাইনবসিকো পাম্মুবী,
পাইখ্রোকো ইতাশকপী,
ঙসি অহিংদগী হৌদুনা,
অপাম্বা উমং য়েংদুনা,
থাদোক্লমলো নুংশি লমদম,
শারুবো নুংঙাইনা নন্থম,
পুক্লিং চাবা উশাথক্তা,
তোংলুবো চান্নবী ইতা।

(চিববিদায় ৪২-৪৩ ১৯৬৩)

তাইবঙ মীবোল থোকত্রিবা তেনবাগা মীওইবগা অনীগী মবক্তা লৈনবিবা নুংশিবগী মবীসি অঙকপনি। নুংশিবা হাযবসিদি তোপ তোপ্পা সংসাব অমনি। অনীসিগী মবীদি তোৎন-তিনরুবদগী পোক্লকপা থম্মোয়নুংগী ঈথিলদুনি। কমলসু তোৎন-তিন্নরুবদগী অবা-নুংঙাই পুন্সি কয়াগী মহাও তংলক্লবনি। পুন্সিগী অঙনবা শরুক্তগী নীংবা কায়বগী পোৎলুম পুদুনা লাক্লবা কমলনা হঙ্গৎনা য়েংলুবগী মহৈনি। কমলগী পুন্সি শৈহৌদা সমাজগী চৎনবীনা ময়োল চিকথৎপিখ্রবা পামেল অমা হায়বদু ওইখ্রবনি। শাগৈ-জাৎকী অনেম অরাংনা অহকপা চৈনা ফংলবগুম লেপ্লকখ্রবনি। কমলনা খল্লমগনি, ব্রহ্মমক্লা পোকঙমদ্রে হায়নবিবা মীওই মপোক অসিবু পেঙ্গদবা বাহৈনো ঃ-

মীওইবগী মপোক অসিমদি,
পোকহৈদ্রে অতোনবা জাতি,
সমাজদগী তাম্বোবক্কনি,
হাঙ্গদুনা অমাংবা জাৎনি।

(চিববিদায় ৪৩ ১৯৬৩)

কমলগী মতমগী মণিপুরী সমাজদা শাগে-জাৎকী অনেম-অৱাংগী চৎনবী কন্ননা লৈরি। জাতি অমগী মনুংদা ফাওবা হিদাকফু ফিদা তিন্নবা য়াই, য়াদে হায়বগী অচৌবা পল অমা লৈবম্বগুম তৌবম্মী। অসিগুম্বা তৌহৈদ্রবা চৎনবী অসিদগী কমলগী থম্মোয়নুংদগী পেন্দ্রবা ৱাহৈনা— "বিচাব লৈতবা জাতি" হায়না মীওইবগী মপোকপু হঙ্গোয়না লৌরুবি। অদুনা জাৎ-বিজাৎ খায়দ্রবা হৈবাং-লৈবাং ওইনা নৎত্রগা উচেক ৱায়াগুম্বগী মপোক্তা পোকনিংলুবগী অপাম্বা লৈখি। সমাজগী চৎনবীবু কমলনা থম্মোয শোক্লা পেঙ্খিদে।

তশেংনা শেৎন-খায়নবা হায়বসিমক্তি থম্মোয় ফিবাক খাইবগুম্বনি। অমনা অমবু অকাও পবৈনুংদা চনখিদবনা খুদম থন্নবা হোৎনবা তাবনি। কায়বমদাইগী মীৎকুপ্তুদা চেক্লাগী ফোটো লৌহৌবি নুজানা কাওদনবা। মুৎনাইদ্রবা থম্মোয় লকানুংগী ফোটোনি চেক্লাগী মখোংদগী য়োৎহিলং থাদোক্লদুনা পায়খ্রো হায়জবি। কলক মিহৌবা, অচান মীবাইবা, জাৎকী খেনবা লৈত্রবা মফমদুদা চাক্তারুবো হায়বি। চেক্লা পায়খিদ্রে, নুজাগী লেংবান্দা তোংলদুনা অৱাবা খোঞ্জেলনা খোঙলকই। চেক্লাগী খোঙলকপা খোঞ্জেলবু কবিনা অসুন্না ঃ-

কুটিল ওইববা সমাজদো,
লৈখা তাবনি উবিগুন্না,
পুকচেল চাউববা জাতিদো,
চাওখৎপনি উপালগুন্না।

(চিরবিদায় ৪৪-৪৫ ১৯৬৩)

কবিগী মীৎয়েং ৱাখলগী মণ্ডলান অঙকপনি। তাইবঙ মীবোল থোকত্রিবা চেক্লা অমনা ফাওবা জাৎ-বিজাৎ, অনেম-অৱাং খায়বা মীওইবা সমাজগী চৎনপথাপসিবু প্রতিবাদ তৌবি। মসিদি রোমান্টিক পোইট অমগী হৌনশানি। পুন্নমক কবিগী অৱাংবা থাক্কী মীৎয়েংনি।

তাইবঙ মীওইবগী ৱাখল, পুকচেল তৎতনা হোংবা নাই। মতমগী মতুং ইন্না অহোংবা, অওনবা কয়া ঙসিগী মালেমসিদা লাকলি। অহোংবা, অওনবা কয়া লাকখ্রবসু থম্মোয় লকানুংদা তাগ্রবা ফোটোগা মশক মওংদুদি বিজ্ঞান হৈববা মীওই ওইদুনসু শেমদোক-শাদোকপা, মুৎথৎহনবা হায়বা অসিমদি ওইথোক্লবোই। কবিনা হংনিংলি, থম্মোয়নুংদা লাৎতুনা থমন্নবা নুংশিগী মূর্তিবু পুংজা খুদিংগী হোংবা য়াবরনে হায়না। কবিগুম্বদা থম্মোয়নুংদা থমজরিবা মূর্তিদুবু হোংদোক হোংজিল তৌবা য়াববদি কনাগী নিংথৌ, প্রজা, চাকনিবা, ইনাকখুনবা পুন্নমক্তা চপ মান্নহনবা য়াদবরা? অদুনা মান্নবা সমাজ অমগী ঈখৌলাংবদু কবিগী শৈথাদা ঃ-

নত্রগা থাদোকপিয়ু অসিগুম্বা উমংদা,
চাদথক্তবগী অবাম খৌবাং লৈতবা,
কল্লকপা য়েংথীবা লৈনদবা,
অমাংবা অশেংবা চপ মান্নবা

(চিববিদায় ৪৬ ১৯৬৩)

কবি ওইবগী মীৎয়েংগা মীচমগগী মীৎয়েংগা খেনবা তাবনি। মীওইবা ওইনা পোক্লকপগী হৌনবা কবিদসু পুন্সিগী অবা-নুংঙাইগী ঈথিল শোয়দনা ফাওবমগনি। তৌবতবু হবাও-নুংঙাইবগী মীৎকুপ্তা ফাওরকখিবা থম্মোয়গী ঈহুলগা, নুংশুক-নুংজানবা মতমদা ফাওবকখিবা ৱাখলগী ঈহুলদুগদি খক মান্নফম থোক্তে। কমলগী পুন্সিদা থেংনবকখিবা মতমদুগী সমাজগী চৎনবীনা মাগী মথম্মোয়বু মচেৎ কয়া থোক্লা থুগাইবিখি। কমলনা কনাবুসু তথি তথিনা তৌরুবা লৈখিদে। হেন্নদুম থম্মোয় চেৎশিনবগা লোয়ননা থম্মোয় লকানুংদা লাৎলিবা মূর্তিদুবু মতমগী চৎনবীনা হুমদুনা পুখিবা ঙমহনখিদে। শেমদোক শাদোকপা, অহোংবা পুবকপা ঙমদ্রবা সমাজগী চৎনবীবু ৱারৌজবা ৱাহৈ-ৱাতাদাঃ-

অদু ঙমদ্রবদি মীওইবা।
হুন্দোকখ্রো নখুৎকী ফোটোদু,
কদৌঙেদসু পাইথোক্লরোই,
নংগী থম্মোই অকলাদগী।

(চিববিদায় ৪৬ ১৯৬৩)

কমলগী মণ্ডলান

মীওইবা খুদিংমক্না মাগী পুন্সিদা থেংনবকখিবা থৌদোক রাথোকশিংদু কবিগুম্বা মতমদা রারী রাতাই ওইনা ফোঙদোক্লবকই। লাইবিক লাইগুগী মণ্ডাল ফংলবা মীওইশিংনা শৈরেং, রারেং, ড্রামা অমদি রারীমচানচিংবা কয়ামরুম ইদুনা সাহিত্যগী মচাক ওইনা থমলম্মী। কমলসু মাগী মতমদুদা উরুবা, থেংনরুবা কয়ামরুমশিংদু মতমগা চুন-চানগদবা মওংদা "লৈপরেং" (১৯২৯), "মাধবী" উপন্যাস (১৯৩০), "ব্রজেন্দ্রগী লুহোংবা" রারীমচা (১৯৩৩), "দেবযানী" ড্রামা (১৯৮৪), মণিপুরী সাহিত্যগী লৈচল ওইনা খুদোল তল্লম্মী। কবিগী মখল মথেলগী লাইরিকশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা মণ্ডলানগী পান্দমশিং থেংনবি। চাওবাক্না মণ্ডলানসিবু মীৎয়েং, অহুমদা য়েংবা য়াই। মদুদি —

ক) হ্যুমেনিজমগী মণ্ডলান,

খ) সোসিএল রিফোরমেসনগী মণ্ডলান,

গ) সোসিএল ইন্টিগ্রেসনগী মণ্ডলান অসিনি।

ক) হ্যুমেনিজমগী মণ্ডলান

মীওইবনা মীওইবগীদমক কৎথোকপা অমদি মীনুংশিগী মীৎয়েংগা লোয়ননা সমাজগী সেবা তৌবসি খবদি তাংনা থোকই। মণিপুরী সাহিত্যদা কৎথোকপা অমদি মীনুংশিগী পান্দমদা মীৎয়েং থমদুনা ইরম্বা লাইরিকসি —"মাধবী" উপন্যাসনা অহানবনি। উপন্যাস অসিগী পন্দুপ অহুম লৈ। অহানবা পন্দুপ্তা তাঙ্কক তরুক, অনীশুবা পন্দুপ্তা তাঙ্কক তবামাথোই, অদুগা অহুমশুবা পন্দুপ্তা তাঙ্কক তবা য়াওবি। পন্দুপ

অহমসিগী অপুনবা তাঙ্কক কুনতরেৎনি। তাঙ্কক কুনতরেৎসিগী মনুংদা মাধবীগা মরী লৈননা ইবম্বা বাবীগী শরুক্তি গুপ্নতগী তরুকখক্তনি। অদুগা খাইদগী মরুওইরিবা শরুক্তা অনীশুবা পন্দুপকী "ধীবেন্দ্র সিংহগী অঙকপা" "মাধবী পুকচেল হোংবা" অমসুং অহুমশুবা পন্দুপকী "অবোইবা শরুক" অসিনি। তাঙ্কক অহুমসিদা মাধবীগী মতিক মথৌনা, স্বার্থত্যাগ অমদি বিশ্বপ্রেমগী থৌরাংশিং উবা ফংগনি।

অহানবা পন্দুপকী "চীংয়াগী লৈকোল"দা উবীবে অমদি মাধবী অনীনা লৈ থিমিন্নখি। মখোয় অনীনা লৈ থিবিবা মফমদুদা বীবেননা চংশিল্লুবগীদমক উবিরেনো লৈপরেং হুক্তুনা ফাবগা থমখি। বীরেননা নুংগী মূর্ত্তিগুম লেপ্তুনা লৈবদু উরুবদা মাধবীনা মতা উবিবেদা —"ইতা উবীবে। নংনা হয়েং বারুনী খুরুম্বদা পুবিনবা মী লৈতে হায়না ৱাবদি নংগী পুক্লিং খঙবিদুনা মহাদেবনা নুংগী মূর্ত্তি ওইনা ফাওবিবে, খুরুমজদুনা নংনা নিংবা নিজবো" (মাধবী ৭ ১৯৬৭) হায়বদুনা মশুং-মমান্নবী অমগী মফমদা অঙম্বা মতেং পাংবা হৌরকখি। উবীবেগা কায়নবমদাইগী মতমদা মাধবী কবম্বা মীওইনো হায়বদু খবদংদি ফোঙদোক্রুম্বগুম তৌবি। —মাধবীনা উবীবেদা হায়বম্বা ৱাহে খবসিনা তাকলি —"ইতা উবীবে ঐগী হকচাং অসিদি মী অমগী মফমদা কৎথোকখবে, মবম অসিনা ইনিং তৌনা চৎথোকপা ঙমদ্রে, ঙসিদগী হৌনা ঐগা উনবা ফংলবোই কবিগুম্বা অৱাবা তাববা মতমদা উনসি" (মাধবী ৮ ১৯৬৭) হায়বল্লগা চৎখি।

মতাংসিদগী মাধবীগী পুকচেলদা নুংশিবগী অবেপ্পা অমদি লৈখ্রে হায়বদু তাকলি। অসিদসু নত্তনা কনাগুম্বা মীওই অমগী মফমদা কৎথোকখবে হায়বদু খঙহল্লি। পুন্নমকসিনা নুপী ওইবী অমনা মনিং তৌনা চৎনিংবা মফমদা পঙচৎ-চৎপা য়াদ্রে হায়বদু তাকপগুম তৌবি। উবীরেনো অৱাবা তাববা মতমদতা উন্নসি হায়না কবিগীদমক্তা হায়বল্লিবা? মসিনা তাকপদি মাধবীগী লমচৎতা কৎথোকপা অমদি মীনুংশিগী পুকচেল অমা য়াওদুনা লৈ হায়বসি খঙহল্লি। মাধবী কনানো হায়বদু তাকত্রবসু মীওইবগী উপকাব তৌনিংবগী থৌনা লিংজেল অমদি য়াওবি হায়বসি উৎলি।

অনীশুবা পন্দুপ্তা "ধীবেন্দ্র সিংহগী অঙকপা" হায়বা তাঙ্ককসিদা মাধবীগা ধীবেনগা হৈবোক চীংগী নোংপোক থংবা চীংয়াদা লৈবা পাৎ অমদা হি তোংদুনা মহৌশাগী দৃশ্য অমদি পাৎকী ফজবা য়েংমিন্নখি। ধীরেননা মাধবীদা অবেপ্পা ৱা অমত্তংদি খঙহনবিবো হায়না তক্লজখি। মাধবীনা নুপা ওইবশিংগী লমচৎ-শাজৎপু হঙ্গোয়বদগী অশেংবদু হায়দোকখিদে। ধীরেননা হি হোনবা তোক্তুনা ফমদুনা লৈপ্রবদা

নুংশিৎকী মায়ওম্না পুবা মায়কৈদা চৎলকপদগী চীংযা ওইরম্না তাওশিন্নকখি। তাঙ্গাদুদা মাধবীনা খুদোংচাবা লৌরদুনা "অরেম্না বাদি হয়েংমুক্কী মপোক্তা খঙহজ্জরগে" (মাধবী.২৭·১৯৬৭) হায়রম্লগা ঈশিংদা চোংথখি।

ঈশিংদা চোংথব্রবী মাধবীবু থিবদা ফংলকত্রবদা ধীরেনগী মথবায় বানা কপ্পিং কপ্পিং তৌজখি। মাধবীনা উ-বা খবগী মরুমদা ফাওগৎলুরগা ধীরেনগী মওং মতৌদু উরুরগা লক্লনিংবা বাহৈনা চীংথক্তগী —"ফংলরোই, ফংলরোই হন্দক মপোক্কী থীবা ফংলরোই" (মাধবী ২৯ ১৯৬৭) হায়বম্লগা মমায় ওন্দুনা চেনখিবা পুম্নমকসি মাধবীনা ধীরেনদা নুংশিবগী অহানবা চাংয়েংনি। লৈবাংগীশিংদা চম্লবী নুপীজা ওইবীশিংনা মাগা নুংশিনজরিবা মীওইদুদা করিগুম্বা মতমদা ওয়নজবসু য়াওই। অশেংবদু হায়দোকপদা অকায়বা লৈত্রবসু মমল য়াম্বা পোৎশক অমগুম পাক হেক হায়দোক-খুমদোক্তে। মসিদি নুপীজা ওইবিশিংগী হৌনবীনি কমলগী বাহৈদা নুংশিবা হায়বসিদি —তোঙানবা সংসার অমনি। সংসারসিগী মনুংদা চৎখ্রবা মীওইদুদি মীৎ পাংনা-পাংনা তাংগনি, তানা-তানা না পঙগনি। নুংশিরুবিবা পোৎশক অদুগা মরী লৈনরিবা অদুতমক নুংশিগনি। অদুবু 'নুংশি নুংশিনা নুংশিদবা শাদুনা নুংশিববু মীনমলুবদা কবিগুম্বা মতমদা নুংশিবা কৌবা লাইদুনা লমন খুমদনা খক তোকখিদে।' মাধবীনা ধীবেনবু নুংশি নুংশিনা লৌনম তৌদুনা নুংশিদবা শাদুনা ঙাংলুবদুগী মহৈনা মাগী (মাধবীগী) পুন্সিদা অনৌবা শক্রোন স্বার্থত্যগকী মব্দ হুল্লকখিবরা হায়বসি খঙ্হনিংঙাই ওই।

লৌখৎপা হায়বা তাক্ককসিদা কাঞ্চীগী উমং মনুংদা মাধবীগা উবীবৈগা থেংলবা অহিং অমদা উনবমখি। বীবেননা মীবৈবাক্তা লাইবিক তম্বা চৎলমদাই নোংমগী নুমিদাংদা উবীবৈখোইদা লাক্লগা হায়বম্বা বাহে — "থেংখ্রবা অহিংদা পুখ্রি মপান্দা হৌবিবা লৈহাউ পাম্বী অসিদা তোংদুনা খোংবা কোকিল অদু ঐনি হায়না নিংবিয়ু" (মাধবী ৩১-৩২.১৯৬৭) হায়বা বাহে অদুতবু নীংশিংদুনা লৈখি। অহিং অথেংবদা থোক্লুনা কোকিল ফাননবগীদমক লৈহাউ কাখি। কোকিল ফাননবা হোৎনবদা পুখ্রিদা তাশিনখিবা। মাবু অমুক লৌখৎনবা হোৎনজবম্বা শশি য়াওনা পুখ্রিদা তাওদুনা লৈখিবা, তাঙ্গাদুদা ভুবনগী খুৎপুনা উরীরৈবু ফাগদবগী থিরকপদা থেংনরুখি। মখোয় অনীবু পুখ্রিদগী ভুবনগী খুৎপুনা লৌখৎলমখি। শশিবুনা অবাবা তারসনু হায়বগী থৌরাংদা ডাকুশিংগী ফিজোল শেৎচিনবীবম্লগা থম্নমখি। উরিবৈবুনা উমংলোমদা পুশিনখি। উরীরৈনা জ্ঞান তারক্লবা মতমদা ভুবননা থেমদুনা-নৌদুনা মাগী অপাম্বদু থুংনবা

হোৎনখি। উরীরৈ খোঙনা নেৎলবী লিলগুম মঙক থেক্কৎতুনা মৈ হৌবগুম শাওজখি। উবীরৈগী মওং মতৌদুদা ভুবননা ডাকুশিংদুদা মখোঙ-মখুৎ পুনশিল্লু হায়না য়াথং পীখি। উপায় লৈবকত্রবী উরীরৈনা লৈখিদ্রে হায়না খনগ্রবা মপা অমসুং লাইবক থিরবী মমাবু কৌদুনা খোঞ্জেল বাংনা কপচখি। অবাবদু কোক্লনবা ঈশ্বরগী মমিংবু হয়া হয়া শোঞ্জখি।

বারক্লবা মতমদুদা উরীরৈবু কল্লগে হায়বগীদমক ইখও-খওহৌদনা ভৈববীগী শক্রোন লৌরবী নুপী অমনা থাওশাং অমা মবেংবান্দা হায়গৎলদুনা "ওসিদি লৈবম্মু" হায়না মাইকৈ অদোমদা খোঙলৈ থুনা চংশিল্লকখি। মহৌশাদগী মফম অদুবাইদু হিয়াং অথৌবা থোকই হায়দুনা ভাংনবা লৈবদুগা খুৎপুদু কায়দুনা চেন্নখ্রে। উবীরৈগী মখোং মখুৎ পুনশিল্লমলিবদু লৌথোক্রমখি। অদুগা উরীরৈবু চয়োল অমা উমং অসিদা লাই নীংদুনা লৈয়্যু হায়বমখি। চয়োল অমগী মতুংদা অমুক উনসি হায়বল্লগা মফম খওদনা মাধবী উমংদুদা অমুক মাংখি।

কবি মবমগীদমক অহিং অথেংবদা উমংদুদগী উবীরৈবু ডাকুশিংগী মখুৎতগী মাধবীনা কল্লুবিবা? মদুনা মঙোন্দা কবি কান্নবা ফংলিবা? অদুঙৈ চীংয়াগী লৈকোন্দা মখোয় অনী লৈ থিমিন্নবদা উন্নবমখি। কাযনবমদাইগী মতমদা "অবাবা তাববা মতমদা উনসি" হায়বম্বা বাহৈশিংদু মাধবীদি নীংশিংদুনা লৈবগুম তৌবি। নুপীমক ওইজববসু মাধবী লেংদ্রবা পুকচেলগী কাওওমদ্রবা খোম্থাংগুম উবীরৈনা খুদোংথীববা মতমদুদা ডাকুশিংগী মখুৎতগী কল্লুবি। মসিদি কৎথোকপা অমদি মীনুংশিনা য়োমদুনা পোক্রুবী মাধবীগী তৌফম থোকপা মথৌনি। নুপীজা ওইনা পোক্রুবী অমনা অহিং অথেংবদা উমংদা চৎতুনা মীগী উপকাবগীদমক ডাকুশিংগা মাইয়োক্লবা হায়বসি অবাইবা অমদি নত্তে। থবায় পাম্মুবা লৈতনা কৎথোক্রবা মীওই নত্তনদি থবকসি পাংথোকপা হায়বদুমদি ওইথোকক্তে। মতাংসিদগী মাধবী স্বার্থত্যাগকী চাংয়েং তৌবা হৌবকলে হায়বা য়াই।

স্বার্থত্যাগগী মতাংদা "মাধবী পুকচেল হোংবা" হায়বসি য়ান্না মরু ওইবা শরুকনি। মাধবীনা সংসারগী অপাম-নুংশি পুন্নমক থাদোক্রল্লগা অনৌবা পুন্সি অমদা খোংদাবা হৌবকপদুনি। নুপী ওইবীগী থোৎপা-নৌবা, মখল মথেলগী শেৎনিং-চানিংবা কয়া থাদোক্তুনা ইন্দ্রি খুদুম চন্নবা ওইনা লৈঙাং শংবা ফিজেৎ শেৎপা, চাক্কা-থুমগতা চাদুনা লেনবা হৌবকখি। অখাঙ কনবী, মপুচেল চেৎপি অমা ওইনা থম্মোয়নুংদা লৈজরম্বা মতিক মথৌনশিংদু উৎননবা হোৎনবকই। মাধবীনা পাখঙ ওইবশিংগী অরেপ্পা নাইদবা পুকচেলবু থোইদোক্লা হঙোয়বগুম

তৌখি। মাগী বাহৈদা "পাখংশিংগী নুংশিবা হায়বা অসি থম্মোয় লকানুংদগী পোক্লক্তমাগ্রে, মিত্তগী পোক্লকমাগ্রে" হায়না খনখি। মসিমক্তা ধীরেন্দা কৎথোকত্ত্রবা থম্মোয় ওইজরবসু থোইদোক্লা মাধবীনা নুংশিবগী খুদম হকচিন্না উৎথোকখিদে। অশেংবা নুংশিবগী অরেপ্পদু খণ্ডহনখিদবদুনা ধীবেননা মীবৈবাক্তা চহী ৫/৬ মহৈতম্বা চৎথিগ্রিঙেদা মহাকপু কাওথোকপিগ্রগনি হায়না খনজখি। মরম অসিনা মাধবীনা অসুন্না "নুংশিবা হায়বসি পোৎশক অমত্তদা তুংদুনা লৈববদি মখুম খুমজিনবা উপুগী মনুংদা ফাজিনবগুম য়াম্না অবাবগী মশক্লি"। থম্মোয়নুংগী অবা-মৈচাকসি কোক্লনবগী উপায় থিরকখি। করিগুম্বদা নুংশিবা হায়বসি মীওই অমত্তদা লেপ্তুদুনা তাইবংপানবা পুন্নমক্তা চাইথোকপা ঙম্নবদি অবাবসি কোক্কনি হায়না খনজখি। মসিদগী মাধবীনা ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা হৈবোক চীংগী লোকনুং অমদা লাই নীংদুনা লৈরগা অবাবা তাববা লংফৈ চৎপশিংগী মতেং পাংলগে হায়বগী আশা তৌখি।

অসিদসু নত্তে, মীওইনা পোক্লগা পুক থন্না চাবগা, ফজবা ফিবোল খবা শেৎতুনা হিংবা মাধবীনা পান্নকত্রিবগী মবমনা কবিগী? মীওইবা খুনাইগীদমক কবিগুম্বা অঙম্বা খবদংদি তৌবমগে হায়বগী মঙলান অমা মঙজখি। মঙলানসি মঙফাওননবগীদমক মাধবী, অবাবা, ইকায়বা, খুদোংথীবা কয়া মাইয়োক্লবা তাবনি। পুন্নমকসি পাংথোকপা ঙম্নবা মাধবীনা তাইবং শেম্বা মপুদা অসুন্না —"হে দয়াময়? হকচাংগী পাঙ্গল শোল্লবী পুক্নিংগী পাঙ্গল শোল্লবী, অন্ধবিশ্বাসগী কুয়োম্না য়োমদুনা পোক্লক্লবী ঐঙোন্দা অন্ধবিশ্বাসনা কুপ্তুনা থন্নবা অমম্বা সমাজগী মনুংদা স্বার্থত্যাগকী মঙাল খজিক্তং উৎননবা পাঙ্গল পীবিয়ু" (মাধবী ৫১ ১৯৬৭) হায়না নীজবি।

মীওইনা পোকপা মপোক্তা ওইজবা থাদোকপা, কৎথোকপা, অমদি মীনুংশিগী মীৎয়েংনা য়েংবা ঙম্বা হায়বসি থোইদোক্লা তবাই তবাইবদি নত্তে। নুপীজা ওইনসু পোক্লবী, মপাঙ্গলসু শোল্লবী অন্ধবিশ্বাসকী কুয়োম্নুংদগী নাম্থোকপা ঙম্নবগীদমক মাধবীনা পুন্সিদা অনৌবা শক্তোন অমা লৌরক্লবা থৌরাং তৌবকখি। মদুমকসু ওইথোকখি। হৈবোক চীংগী লোকুংদা মতোমতা লাই নীংদুনা মপুক্লিং ফাজিনজখি। লংফৈ চৎপশিংগী অবাবা তাববা মতমদা অমসুং উবীবৈগী খুদোংথীববা তাঞ্জাদুদা ডাকুশিংগী মখুৎতগী কন্নবা ঙমজখি।

কমলনা নুপী ওইবিশিংগী অথোৎপা থম্মোয়নুংদা ব্রজগী মতৌগুম্না কন্নবা পুকচেন চেনবী কৎথোকপা ঙম্বগী থৌনা, মীনুংশিগী থৌজাল লৈবী মাধবী ওইহননিংই। মসিনা হ্যুমেনিজমবু মশক তাকপদা ময়েক শেংহন্নবগী মচাক অমসু

ওইরি। ভারত সাহিত্য লৈকোলদা হ্যুমেনিজমগী মপাল মউ কয়া হৌগ্রে। অদুবু চীংনা কোয়না পনশাবা লমদমসিদা কমলনা হ্যুমেনিজমগী মঙলান অমদা উপন্যাস অসি ইবকখিবনি হায়নিংই।

উপন্যাস অসিগী "উমংদা উবীরে" হায়বা তাঙ্ককতুদা রাসমণ্ডল পুখ্রিদগী ঈশিং খুজোক খুজোক উরীরেনা মশাদা চাইখৎতুনা চাক্রবা থম্মোয়গী মৈচাকপু ইংহন্নবা হোৎনজে। তাঙ্গাদুদা বার্ত্তণ পুদুনা চৎপা নুপামচা অমগা থেংনরুখি। নুপামচাদুগী মচিন্দগী বীরেন অমসুং ধীরেন অনীনা বাজেন কবিবাজগী মচানুপী অনীগা লুহোংলগনি হায়বগী পাউ খঙজখি। লুহোংবগী পাউদু তারুবদগী উবীবৈনা হিংলুবগী কান্নবা লৈত্রে খল্লদুনা বাসমণ্ডল পুখ্রিদা কুমথবগা শিজরগে হায়দুনা থৌবাং তৌখি। বীবেনসু মাগী নহা ওইবিঙৈগী পুল্লিবু নীংশিংলদুনা নুমিদাংবাইবমগী মতমদুনা কাঙ্খী চীংখোংগী দৃশ্য য়েংজবি। বাখলদা লুপ্লবা বীবেননা য়েংনা য়েংনা লাকপনা বাসমণ্ডল পুখ্রি মনাক য়ৌশিল্লকখি। নুমিদাংবাইবমগী মতমদুদা রাসমণ্ডল পুখ্রিদা হৌরিবা থম্বাল চামনিপালগী মবক্তুদা কনাগুম্বী নুজা অমনা মমিৎ উইশিন্দুনা লাইখুরুম্বদু বীরেননা উরুবি। বীবেনদি তাইবংপান অসি ওন্ন-তৈনববোইবে, ঈশিংগী থম্বালগা, লৈকংগী থম্বাল অনী পুন্না শাৎমিন্নববোইবে, হায়না খঞ্জখি। তাঙ্গাদুদা নুপী অমনা পুখ্রি মপালদা —"ইতা ইবেম্মা থম্বাল হেক্তুনা সূর্য্য পুজা তৌগে থৌবাংবদা ঈশিংদা তাউখ্রবোই। ইতা ইবারুবে, কনা কনা লৈবগে, ইতাগী মথৱাই কনবিয়ু, ইতা লৌখৎপিয়ু" হায়না ফ্রিং-ফ্রিং চোংবদু বীবেননা থেংনরুবনি।

বাসমণ্ডল পুখ্রিদা লুপ্তুনা শিজবগে হোৎনজবম্বী উবীবৈবু কন্নবা মাধবীনা থৌবাং তৌবম্মী। মাধবীনা ইতাবু লৌখৎপিয়ু, কনবিয়ু হায়না লাওবমদ্রবদি উবীবৈগী অরোইবা ওইবমগনি। বীবেননা উবীবৈবু ঈশিংদগী লৌখৎতুনা থবায় কনবগা লোয়ননা মাংলুববা নুংশিগী লংলা লংজিলবু মাধবীনা অমুক নৌনা চিংথোক্লকপগুম তৌহল্লি। অমনা অমবু ফংলবোই হায়না খঞ্জবম্বা অদুমক্তি ওইখিদ্রে। উবীবৈনা মাধবী নংগী থৌবাং নত্তনদি ওইথোকপা য়াবোই হায়না অসুন্না —"খুদোংথীববা মতমদা মাবু কনখিবা অদুগা বীবেনগা থুংনহল্লিবা অসি মাধবীগী থৌজাল্লনি হায়না খনখি অওইবমকসু মদুনি"। অসিদসু নত্তনা মাধবীগী স্বার্থত্যাগ অমসুং পুকচেল চাওবগী মওং মতৌসিদা মীওইবনি হায়না খনখিদ্রে, হৈবোক লাইবেম্বীমক ওইববোই নিংজখি।

উপন্যাস অসিগী অবোইবা শরুক্তা মাধবীনা লৈঙাং শংবা ফি শেৎলগা কাঙ্খী লৈকোন্দগী লৈবাং মাল্লিকাবু য়েন্দাই থন্না হেকচবগা লৈপরেং লেংখি। লৈপরেংদুদা

য়েংজরগা নীংবা কায়রবা ৱাহৈনা —"অরেম্বা লৈপরেংনিকো, ঐনা হুক্লিংবা মীগী মঙ্ডকশমদা হকপা ফংদ্রেকো" (মাধবী· ৮১:১৯৬৭) হায়বদুনা মীৎলু পিরাং শিন্থজখি। ধীরেননা কাপ্পী লৈকোল য়েংলুগে হায়না চংশিন্নবদা থেংনরুখি। লম্বোইবীগী ফিজোল শেৎলবী নুপীমচাদুনা অচিকপা মফমদুদা লৈরাং পবেংদু লেংনা-লেংনা মিৎলুদগী পিরাং শিন্থবম্বদু উরুবদা অঙকপা পোকচখি। নুপী মচাদুগী মওং মতৌদুদা নুংঙাইত্রদুনা ধীরেননা অসুন্না — "লৈপরেং লেংলিবী, নহাকপু কাপ্পী লাইরেম্বীরা? নত্রগা মপুরোইবা খাইনবগী মৈচাক্লা ঙাওরদুনা (মতৌ য়েংবদা ময়ুমপানবা নুপীনি হায়না খন্দুনা) নংগী অদুক নৌরবা হকচাংদা লৈঙাং শংবা ফি শেৎলববা? কনাগী মবমগীদমক নংগী মিৎতা পি শিন্থবগে" হায়না হংজখি। মাধবীগী থম্মোয়নুংদা লাৎচবিবা মীওইদুনা মমাঙমক্তদা লেপ্পরবদা হায়ফম তৌফম খঙদনা মুন্না য়েংদুনা লৈখি। ধীবেননা অমুক্সু —"লৈপবেং লেংলিবী। হায়য়ু ননিং থুংদবা করম্বা লৈবগে? ঐনা নতেং পাংবা য়াবা করিগুম্বা ওইববদি ইথবাইগা শিন্নদুনা নংগী ননিং থুংনবা হোৎনগে" হায়রুরি অচুম্বা অশেংবা হায়দোক্লুরবদি ধীরেনগা রাজেন কবিবাজগী মচানুপীগা লুহোংবদা য়ৈখাই থিনগাইবা ওইনা থোকপা ওইবগনি হায়না মাধবীনা মপুক্লিং ফাজিনজখি। মবাল লৈজদ্রবী মশুং মমান্নবী অমগী মফমদা লংজরুবা ওইনা থোক্রবগনি হায়না খল্লদুনা অশেংবদু ফোঙদোকখিদ্রে। মাগী ইন্দ্রি খুদুম চল্লবা ৱাহৈনা —"অথৌবা! ঐদি লম্বোইবীনি, অপাম্বা থাদোক্রবীনি, মবম অসিনা তাইবংপান অসিদা ইনিং-থুংদবা পোৎ কবিসু লৈতে। ঐগী হৌখিবা পুন্সিসু লৈঙাং শংবা ফি শেক্তুনা লোল্লক্রে, অরোইবা পুন্সিসু ফিজেৎ অসিনা লোইগনি" (মাধবী. ৮২ ১৯৬৭) হায়বকখি।

মীওইবগী পুন্সি খোংচৎতা অপাম্বা, মীহৌবা থাদোক্রকপা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্তা থোকপা থৌদোক নত্তে। কবিগুম্বা অনীংবা অমগী মখাদা পান্দম অমা লৈদুনা হোৎনবক্রবনি ওইবা য়াই, মীওইবগী পুন্সিদা মখল মথেলগী শক্রোল লৌবকপা। রামায়নগী বত্নাকরনা কবি ওইবম্বা, করি অমুক ওইখিবা, থোইদোক্লা পুন্নমক্লা খঙনরবা ৱাবীনি। কমলনা পুন্সিগী তাক্কক কয়াদা মীওইবনা ওইথোকপা য়াবা মীৎয়েংদা কৎথোকপা, মীনুংশিগী পুকচেলতনা য়োন্নবী নুপীগী শক্তম অমা শাগৎনবা হোৎনরম্মী। মাধবীনা কপ্পা কপ্পা লৈ পবেং লেংলিবগী মরম ধীবেননা খঙনিংনা হংজরবসু অশেংবা পাউখুম ফংবা ঙমখিদে। নীংবা কায়রবী মাধবীগী পাউখুমদগী —মতম অমদা মাগীসু অপাম্বা, নীংজবা মীওই অমা লৈরম্মী হায়বদুদমক উৎখি। মীওইদুদা লৈপরেংদু হুক্লিংলম্বনি অদুবু তাইবংপানবা অসিদদি লৈপরেং অসি হকপা ফংজদ্রে, তত্ন-থানবা লৈত্রবা মফম অদুদা পামজনা হক্কুরগে হায়রম্নিবগী মরম অমদি

লৈফম থোকই। তাইবংপানবা অসিদদি কল্লক মিহৌবা, য়েংথিনবা, অপাম্বনা লাকহৎতুনা চৎলি। মসিনা অশেংবা কৎথোকপগী নুংশিবা হায়বদু উবা ফংদে। মবম অসিনা লাইরমলেনদা নৎত্রগা অতোপ্পা মপোক অমদা ইংনা, কল্লক মিহৌবা লৈত্রবা মফমদুদা লৈপরেংদু হুকচরম্নগে হায়বিবনি। অরোইবা ওইনা মাধবীনা উজ্জনিংলিবা মীওইদুনা মমাংমক্তদা লেপ্পরবদা হৌথিবা পুন্সিগী তাক্কক অমগী, থম্মোয়নুংগী বাফম খরা ফোঙদোকচরমগে খনখিবদু মচেৎ মচেৎ ওইবা বাহৈনা —"অথৌবা। নংগা ঙসি উনবা য়াম্না ফরে, ঙসি ঐগী অরোইবা নুমিৎ, অরোইবা পুংজা, অরোইবা মিৎকুপনি, কনাগুম্বা অমতং উনববদি মতম কুইনগী বা অমতং নীংশিংলমগে হায়দুনা ঙাইরিবনি। হায়গে, হায়গে হায়না মতম অসুক কুইবা অসি হায়বা ঙম্লকত্রে, পুক্লিংগী বা অসি ফোঙদোকত্রবদি মতম কুইনা লমন তোন্দুনা লৈবা তারে"। কনাগুম্বা মী অমনা "অরেপ্পা বা তুংদা খঙহঞ্জগে" হায়দুনা বাশকখিবা কনাগুম্বী অমবু থিরক্রবদি অসুম হায়না তম্বীয় —"অবেপ্পা বা খঙহনগদবা মতম হন্দক্কী মপোক্তদি নত্তে, তৎন-থানবা লৈত্রবা মফম অদুদা পুক্লিং তপ্পা খঙহঞ্জগে" হায়বা বাহৈশিং খবা হায়বল্লগা লৈপরেংদু মথম্মোয়দা চেৎনা কোনশিঞ্জব গা ধীরেনবু চিংনা য়েংলম্নগা মাধবীনা অবাং পাংনা থুনা-য়াংনা চৎখিবগী মবমনা করিগী? কুইনগী মমাংদগী থম্মোয়নুংদা ফুমদুনা লৈবক্রবা বাহৈশিং অদুদি ফোঙদোক্রমলে। অদুবু ফোঙদোক্রুবিবা বাহৈশিংদুনা মহাক্কী পুন্সিদা কবি করম্বা অকায়বা লাক্কদগে হায়বদুগীদমক অবাবা ফাওবমগনি। মতাংসিদা কৎথোকপা অমদি নুংশিবা অনীগী মবক্তা অচৌবা শীংনবা অমা লৈবগুম তৌবকই। কৎথোকপদি অপাম্বা হায়বদু লৈরকত্রবনি, সংসারগী কলক মিহৌবদগী লাপ্পা লৈ। থম্মোয়বু খুদুম চন্দুনা নীংজবিবা লম্বী অদুদা চৎপদা থোইদোক্লা পম্বুং অমদি ফংবা ঙমগনি। মরুওইনা শাবী-শানৌশিংগী নুংশিবদি অপাম্বগা লোয়নদুনা চৎলি। অপাম্বা, মিহৌবা, কলকপা হায়বসিদি নুংশিবগী হৌবকফম ওইবগুম তৌবি। অপাম্বা, মিহৌবা, কল্লকপা হায়বা অহমসিবু লৈত্রবদি তাইবংপান অসিদা লৈরিবা মীওইবা পুন্নমকপু চপ মান্নবা মীৎয়েং অমদা য়েংবা ঙম্বগী পাঙ্গল, থৌনা লৈবা তাবনি। মসিমক্তি, মাধবীগী লাইনিংসু, স্বার্থত্যাগ অমসুং বিশ্বপ্রেমগী মীৎয়েংদা কবি কমলনা মাধবী উপন্যাস শাগৎচবম্বসু তাইবংপানবা অসিদা মীওইবগী মীনুংশিগী (হ্যুমেনিজম) মফম অমা কননবা হোৎনরম্লিবা।

মতাংসিদা কমলগী মীৎয়েংবু প্রো এন তোম্বীনা —"মৈতৈলোন অমসুং মজাতি নুংশিবগী বাখল লৈরবসু মঙোন্দা হ্যমেনিজমগী বাখল্লা হেন্না মপুং ওই"। (মণিপুরী সাহিত্যগী মমল লেপ্পা ৭৩·১৯৮৩) হায়নসু পল্লম্মী।

খ) সোসিএল রিফোরমেসনগী মশুলান ঃ

সমাজ অমা হায়বসি মীওইবা খুনাইনা পুনশিন্দুনা শেন্নকপনি। খুনাইদুদা হিংলিবা মীওইশিংদুনা অফ-ফত্ত, হৌনবা-হৌনদবা কয়া খন্দোক্লগা চৎনবী অমা শেমদুনা থম্মী। চৎনবীশিং অদুগী চৎনপথাপসু লৈগনি। অদুবু চৎনপথাপশিং অদুগী চুপলিনা ধর্ম্মগী লোয়শঙ ব্রহ্মসভানা পাইদুনা লাকই। চৎনবিবা চৎনপথাপ্তু শেমদোক শেমজিন তৌবগী খুদোংচাবা ব্রহ্মসভানা পায়বগুমসু তৌই। ইহোকপা, লৌখৎপা, মাংবা-শেংবা, তিন্নবা য়াবা-য়াদবগী চৈথলসু মখোয়গী মখুৎতা লৈবগুম তৌবগী থৌশিলসিদগী কমলনা "দেবযানী" ড্রামা ইবম্বনি হায়নিংই। তৌবতবু ড্রামাসি মহাভারতকী আদি পর্ব্বদা য়াওরিবা বাবীদা য়ুমফম ওইহল্লি। মরুওইরিবদি মহাভাবতকী বারীদুগী মহাওদু তংহনবদি নত্তে। মণিপুবী সমাজদা ব্রহ্মসভানা তৌবম্বা থবক থৌওংশিংদু লমদমসিগী মীপুম খুদিংদা খঙহন্নবা থৌবাং তৌবদুনি।

"দেবযানী" ড্রামাগী অঙ্ক (তাঙ্কক) মবি লৈ। অহানবা অঙ্কদা দৃশ্য অহুম, অনীশুবা অঙ্কদা দৃশ্য নিপাল, অহুমশুবা অঙ্কদা দৃশ্য তবেৎ, অদুগা অবোইবা মবিশুবা অঙ্কদা দৃশ্য মরি য়াওরি। পুম্না অঙ্ক মরিসিদা তোঙান তোঙানবা দৃশ্য কুননিথোইনা কোনশিল্লি।

ড্রামাসিদা সোসিএল রিফোবমেসনগী মরুওইবা শরুকশিং ওইনা নৈনবা য়াবিবসি অনীশুবা অঙ্কনি হায়না লৌবা য়াই। অনীশুবা অঙ্কগী অহুমশুবা দৃশ্যদা দেবযানীগা যযাতি নিংথৌগা চৈত্রবথ বন্দা উন্নবদা ঙাংন-শরুবিবা রাহে-রাতাশিংদগী খঙবা ঙম্মী। দেবযানীনা যযাতি নিংথৌবু মপুবোইবা ওইজগে হায়দুনা তকশিল্লরুবদা যযাতিনা অসুম্না —"সমাজগী চৎনবী, ধর্ম্ম, পবম্পবা ঙাক্লবা লৈবিবা নিংথৌ ইশামক্লা অসুপ কনখ্রবা সমাজগী অথিংবা পল অমবু থুগাইগদগেনে? ইবেম্মা, ব্রাহ্মনগা ক্ষেত্রিয়গা লৌনবা শাস্ত্রনা য়াদেদা" (দেবযানী ১৭৭)।

মহৌশাদগী চৎনবকপা ব্রাহ্মনগা ক্ষেত্রিয়গা লৌন-নৈনবা য়াবমদে হায়বসি খঙহল্লি। লৈবাক অমগী নিংথৌ ওইনা লৈববা মশামক্লা অসিগুম্বা সমাজগী চৎনবীসিবু করম্না থুগাইরুগদগে হায়বদু তাকলি। চৎনবী হায়বসি সমাজদুগী মীওইশিংনা শেন্নম্বনি। সমাজদুগী মনুংদা লৈবাক্তুগী মকোক নিংথৌনা চুন্নতগী ওইরুবনি। অদুবু চৎনবীগী চৎনপথাপশিং অদু চৎনবা, চৎনদবা, হায়বদু শেমদোক-শেমজিন তৌবগী চুপলিদি ব্রাহ্মনশিংনা পায়বগুম তৌরি।

দেবযানী ড্রামা মহাভারতকী আদিপর্ব্বদগী লৌথোক্লকপা ৱারী পবিংদগী শাগৎলকপা পৌবানিক ড্রামা ওইজববসু কমলনা উৎনিংলিবদি মণিপুরী সমাজদা ব্রহ্মসভানা করি কবম্বা মওংদা থৌশিল, থৌরাং তৌবম্বগে হায়বদু নীংশিংহনবনি। কমলগী মতমগী মণিপুরী সমাজদি থোইদোক্লা ব্রহ্মসভাগী খুবামনুংদগী নাম্লোকপা ইঙম ঙমজদ্রি।

অনীশুবা অঙ্ক অসিমক্কী মঙাশুবা দৃশ্যদা দেবযানীগী মপা ইবুংঙো শুক্র গুরুনা যযাতি নিংথৌগী মফমদা লাক্লগা মচানুপীবু সমাজগী হৌন-চৎনবী পুন্নমকপু নাথেবন্নগা মহাবাজদা কৎথোক্লগে হায়রুবি। শুক্র গুরুনা মাংলমচৎতগী চৎনরকপা ক্ষেত্রিয়গা ব্রাহ্মনগা অনীসি লৌন-লৈনবা য়াদে হায়বসি খঙনা খঙনা মচানুপীগী মনিংথুংহন্নবা হোৎনখি। শুক্র গুরুগী থৌওং-থৌদাসিদগী যযাতি নিংথৌনা ব্রাহ্মনীগা ক্ষেত্রিয়গা লৌন-লৈনবসিবু দোষ লৈত্রনে হায়না ফাওবা হংজরুবি। শুক্র গুরুনা সমাজগী চৎনবী চৎনপথাপশিং শেম্লিবসি বেদ-শাস্ত্র হৈবেবা মখোয়তনা শেম্বনি তাকপি। অদুনা শেমদোক শেমজিনসু মখোয়না তৌবা তাবনি হায়না শুক্র গুরুনা অসুন্না —"চুম্মী, মসি য়া-দে-দি হায়নৈ। অদুবু লৌন-লৈনবা যাবা-যাদবা, অমাং-অশেং, গোত্র-বর্ণ হায়দুনা নিয়ম শেম্লিবসি বামন ঐখোয়ননিনে। ঐনা য়াই হাযববদি হেক মলোয়ব্রেদনা" (দেবযানী ১৮১)। সমাজ অমগী মনুংদা চৎনবীবা চৎনপথাপশিংদু ওইথোকপা য়াবা নৎত্রগা য়াদবা কয়ামরুমসি বেদ শাস্ত্র হৈবেবা ধর্ম্মগী পুরোহিতশিংনা শেমদোক শেমজিন তৌদুনা চৎনহন্নবা য়াই হাযবসি তাকলি। শুক্র গুরুগী মরৌ লৈবা রাহৈশিংদু তারুবগা যযাতি নিংথৌনা অসুন্না অমুকসু —"বামননা তৌগে হায়ববদি যাদবা কবিমতা লৈখিদ্রবোইর্নে। সমাজগী চৎনবী তুরেলগী ঈচেল অসি মখোযনা থৈদোক্কে হাযববদি ইবাই-লাইদনা" (দেবযানী ১৮১)। পবম্পবাদগী চৎনদুনা লাক্লবা চৎনবী ওইরবসু বামননবু তৌগে হাযববদি য়াদবা লৈত্রে। সমাজ অমদা চৎনবিবা চৎনবীশিং অসি অঙম্বা মীওই খবতংগী স্বার্থদা য়েংদুনা শেম্নম্বা চৎনবীগুম উহন্নকই। শাগে-জাৎ, অনেম-অৱাং, শোক্ল-শন্নবা যাবা-য়াদবা জাতি বর্ণভেদ খায়দোক্লম্বগী চৎনবীসিসু মখোয়গী খুদোংচাবা য়েংদুনা মতম মতমগী ওইনা শেম্নম্বনি হায়বদু তাকলি। মসিনি কমলগী মতমগী মণিপুবী সমাজদা চৎনবম্বা চৎনবীগী ঈচেলসু।

দেবযানী ড্রামাদা মরুওইনা উৎনিংলিবদি মহাভাবতকী আদি পর্ব্বদা য়াওবীবা যযাতি নিংথৌগা দেবযানীগা অনীগী নুংশি-নুংওনগী ৱাবীদু নত্তে। ব্রাহ্মণশিংগী তৌবা ঙম্বা মতিক মথৌনাশিং অদুনা সমাজগী চৎনবীদা করি কবম্বা চৈথেং অমা পীখিবগে হায়বদু তাকপনি। বেদ শাস্ত্রগী মরমদা খঙ-হৈরবা ব্রাহ্মণশিংনা সমাজদুগী চৎনবীদা

য়াই নত্রবগা য়াদে হেক্তমক হায়জিনবগী থৌওংদু কমলনা শেমদোকনিংখি। মতাংসিদা প্রো এল. গোজেন্দ্র সিংহনসু অসুন্না —"মীগ-মীগগী মবক্তা খেন্নবা থম্বা পামদবা, বিশ্ব-প্রেমদা থাজবা, মসিগী পাউজেল য়েন্নিংবা কবিগী মফমদা মতমদুগী সমাজগী ফত্রবা চৎনবী, ধর্ম্মগী মিংদা অমাং-অশেং, জাৎ-বিজাৎ থায়দুনা মীয়াম্বু অৱাবা কয়া নংহন্দুনা সমাজগী সমস্যা ওইহল্লিবা অরানবা চৎনবী অদুবু চুমথোক্লিংবগী অকনবা ঈন্থল কমলদা লৈখি। (ঋতু চেফোং ১০১ শুবা মশীং ১৯৯৯)।

কমল মশামক্না পুন্সিগী নহা ওইবিগুেগী মতমদা মহাক্কী শাগৈ-জাৎপু অতোনবগুম লৌনখিবদু নীংশিংলমগনি। মরম অসিনা মতমদুগী মণিপুবদা ব্রহ্মসভানা লৌরম্বা থৌওং-থৌদাশিংদুনা মীওই কয়াগী থম্মোয়দা খাংঙমদবা চৈনা ফাওবমগদা মবমদু খন্নুবগা শেমদোকনিংবগী ৱাখল ফাওবমগনি। জাৎ-বিজাৎ খায়দবা, মান্নবা সমাজ অমগী মগুলান অমা মগুখি হায়নিংই।

গ) সোসিএল ইন্টিগ্রেসনগী মগুলান

মণিপুবী সমাজদা তবানিপালশুবা শতাব্দী চংলকপদগী কুনশুবা শতাব্দীগী অঙনবা শরুক ফাওবদি ধর্ম্মগী চৎনবী, অমাং-অশেং, জাৎ-বিজাৎ, শাগৈ-জাৎকী অনেম-অৱাং, শোরু-শন্নবা য়াবা য়াদবা কয়াদগী নাম্থোকচবা ঙমদনা লৈবি। অসিগুম্বা চৎনবীসিনা মণিপুবী সমাজদা হান্ননা মাংলমচৎতগী নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবক্নবা মীওইশিংগী মবক্তা চাওরাক্লা চহী ২০০ বোমদি সোসিএল ইন্টিগ্রেসনগী মমি শান্নুবে হায়বা য়াই। সাহিত্যদসু ইন্টিগ্রেসনগী মমি তাখিদ্রে।

খোংজোম লালগী মতুংদগী লমদমসিদা নোংচুপলোমগী শিক্ষাগী মহাও তংবা হৌনবকখি। মতমসিদগী নৌহৌননা অনৌবা পুন্সিরোল অমগী আশা থন্নমখি। মণিপুবী সাহিত্যসু ভাবত সাহিত্যগী ঈচৈলদা ঈতিনজবা ঙম্নবগী তাঞ্জা অমা ফংজখি। লময়ানবা কবি চাউবা, অঙাংহল অমসুং কমলনা মবৈবাক মজাতিগী লোল অমদি সাহিত্যবু নুংশিজবগী ঈহৌদা ৱাবেং, শৈবেং কয়া ইনবকখি। মতাংসিদগী অনৌবা মপোক অমগী ঈখৌলাংবা মীৎয়েংদা জাৎ-কুচু খাইদবা, ধর্ম্মগী খেৎনবা লৈত্রবা সমাজ অমগীদমক কমলদা গান্ধীজিগী ৱাখল্লোল মমি তাবল্লোই হায়নিংই লৈতে। করিনা কমলগী মতমদা নোংচুপলোমগী শিক্ষাগী ঈনোৎ-ঈথিল কয়া ফংলকপগা লোয়ননা মীবমদা চৎতুনা মহৈ-মশিং তম্নবক্নবা মতমনি। মণিপুবদসু খা অফ্রিকাদা থোকখিবা জাৎ-কুচুগী খেৎনবগী থৌদোক্তুমক নৎত্রবসু জাৎ-বিজাৎ, অমাং-অশেং

অমদি জাৎকী অনেম অবাংগী থাক থমদুনা সমাজসিদা হিংমিন্নবিবা মীওইশিংগী পুন্সিদা থোয়দোক্লা অকন্নবা চৈথেং অমদি পীখি। অসিদসু নত্তনা মাংবা, শেংবা, জাৎকী চৎনবীনা ভারতকী সংবিধান ইবম্বা ডা অম্বেদকর মশামক্তা শোরু-শন্নবা য়াদবগী অবাবা কয়া মাইয়োক্লখিবদু কমলনা নীংশিংলমগনি। পুন্নমকসি কমলনা খংউ-তারুকগা থোইদোক্লা থম্মোয়নুংদা ইন্টিগ্রেসনগী আশা তৌবম্বসু য়াই। কমলদি মতমদুগী সমাজনা পীবা চৈবাক ফংলবা মীওই অমা ওইখিবনা হুরাও-তয়ান্না লৈজবা ঙম্নমগনি হায়বসি থাজনিংঙাই ওইদে। চীংলোল মাপলনা কোইশিল্লবা লমদমসিদা মালেমগী হোংলকলিবা চৎনবীশিংদু মহাও তংজবা খুদক খুদক্কী ওইনা মমি তাবদা খরমখৈদি থেংথগনি। থেংলবসু থেংনা কমলগী শৈরেং "কনাগুম্বা স্বদেশ ভক্ত অমদা" অমসুং "লৈশক খণ্ডবা লৈপাল" অনীসিদা মহাত্মা গান্ধীজিগী রাখপ্রোল মমি ফজনা তাবি।

মহাত্মা গান্ধীজিনা মবৈবাকপু নুংশিজবগী ঈহৌদা থেংনখিবা অবাবা খুদোংথীবা কয়া মাইয়োক্লখিবা, জাৎ-কুচু খাইবগী চৈখল লৌথোক্লবা হোৎনবদা মীয়ামগী মীনোক-মৈশা, নিংথমগী অইংবা, কালেনগী অশাবা মৈশা খাংখিবদু তাকলি। অখাঙ কনবা, মীনোক মৈশা পুন্নমকসি লাম্ছোক্লগা অনৌবা পুন্সিবোল অমগী মঙলানদা গান্ধীজিগী মতিক মথৌনাবু "কনাগুম্বা স্বদেশ ভক্ত অমদা" হায়বা শৈবেংসিদা ময়েক শেংনা পল্লি।

কমলনা মণিপুরী সমাজবু মশক তাকনিংবগী ঈখৌ লাংবা রাহৈ-রাতাশিং মাগী শৈবেংশিংদা মবাং কায়না য়াওবি। অউবখক্তনা সমাজগী মশক তাকপদু কমলনা পামখিদে। মাদি কন্নানসু খণ্ডবি-উবিহৌদবদগী চিৎথ-নাম্ছেহৌববা কয়াগীদমক থম্মোয় শোক্লা পাউদমনিংই। নাকল অমরোমদা অবা-হুকশোক্লবা যাওদনা চেকপলনা খাজিল্লবা কানুংদগী থোঙ-থোঙনাওশিং খবা হাংদোক্লগা য়েংথোক্লকপদা উরিবা খবদুনা অবোইবনি হায়না লৌবদুসু য়ানিংখিদে। উবিবা খবদুদি চুম্নতগী অহোংবা অমদি অওনবা লৈত্রবা অবেপ্পা মীৎয়েংগী পনখৈদুনি। অদুনা পনখৈ লৈত্রবা, জাৎ-কুচুগী খেনবা লৈত্রবা সমাজ অমগী মীৎয়েংদা মীনুংশিগী লংলা-লংজিল অমা থীবদুনা লমদমসিদা কমলনা ইন্টিগ্রেসনগী মপাল মউ অমা থান্নবা হোৎনবমগনি। মতাংসিদা কমলনা মাগী শৈবেং "লৈশক খণ্ডবা লৈপাল" হায়বসি ইবম্বা য়াই।

ভাবতকী লৈকোননুংদা হৌবা বকুল কৌবা লৈবাং পাম্বী অমবু সিম্বোলিক ওইনা শৈবেংসিদা ইন্টিগ্রেসনগী মহুৎ শীহল্লি। লৈবাং বকুলনা লৈশাৎ তম্নকপা মতমদা নুংশিরবা লৈনম চেল্লি। লৈবাংগী লৈনমদদি জাৎ-বিজাৎ, লাইব-ইনাকখুনবা শাগৈ-

জাৎ অচৌ-পিশক্কী খেনবা লৈতে। লৈরাংগী নুংশিরবা লৈনমনা পুন্নমক্কী থম্মোয়বু শুহথেলি। চীংনো কোয়না পনশাবা লমদমসিদা ইন্টিগ্রেসন কবিনো হায়বদু খণ্ডহনবদা মতম থরদি চংলমগনি। কমলগী মতমদুদি জাৎ-কুচুগী বাখল, অমাং-অশেংগী অচৌবা চৈথলনা ইন্টিগ্রেসনবু কবিনো হায়বদু খণ্ডনখিদে। মীওইবগী নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা, জাৎ-বিজাৎ খায়দবগী মহাও খণ্ডদবশিংনদি লমলানবা উতাংবী ওইনা খন্নখি। অদুবু মতমগী মতুংইন্না নোংচুপলোমদগী শিংলকখিবা অহোংবা খুনাইগী মান্নবা পুন্সি মহিং, নুংশি চান্নবগী মীৎয়েংদা অনৌবা ময়োল চোংখৎলকপগুম ইন্টিগ্রেসনগী মহাও তংবা হৌনরকখি। কবিগুম্বদা অণ্ডনবা মতমদা ইন্টিগ্রেসনবু মশক তান্নবা হোৎনবন্নবদি জাৎ-কুচুগী মৈরিলকসিদা মীনোক মৈশা কয়া লাংলমগনি হায়বদু তাকলি। অদুনা মান্নবা খুনাইগী ঈহৌ, নুংশি চান্নবা পুন্সি মহিং অমগী মণ্ডালদুতবু ভাইদুনা লৈবন্নিববা হায়দুনা কবিনা হংজবি। লৈবাংগী লৈশক খণ্ডগনবশা, ইন্টিগ্রেসনগী নুংশিববা মীৎয়েংবু কবিগীদমক লাননা উরুবিবনো হায়না অসুম্না ঃ-

লৈবন্নবোই কালগী মণ্ডাম্ভবু ভাইদুনা।
হে লমলানবশা লৈশক খংগনবা।
উতাংবীনি খল্লিববনে হৌজিক ফাওবা?
(লৈশক খংদবা লৈপাল ৫ ১৯৬৩)

শৈবেংসি কমলগী পুন্সি খোঙচৎকা মবী লৈনবগুম তৌই। ডাক্তরগী শিনফমদদি জাৎ-বিজাৎ, অমাং-অশেং, লাইর-ইনাকখুনবা অচৌ-পিশক, শোরু-শন্নবা য়াবা-যাদবা হায়বদুগী তোঙানবা মফম অমা লৈতে। মীওইবা খুদিংগীদমক অণ্ডম্বা সেবাদা কৎথোকপা হায়বা শিক্ষাদুনি মাগীদি। কমলনা ডিব্রুগড়দগী সমাজনা ইথোকপিববী চনুরা অমবু লৌরুবগীদমক মাগী পুন্সিদা থেংনরকখিবা মীনোক মৈশাশিংদু নীংশিংলমগনি। পুন্নমকসিদগী নাম্থোরুবা আশাগী লশ্বী অমা থিবকপদা মহাত্মা গান্ধীজিগী বাখল্লোলগা ঈবোয়ননা তমেংলোংদা পোষ্টিং লৈবিঙেদা দাইলোং খুলদা অনৌবা পুন্সিগী মণ্ডলান অমা মণ্ডখিবদু শীংথাবদুনা ইবম্বা শৈবেংলা হায়বদু খঙ্গনিংঙাই ওইরি। মতমগী অহোংবলক্তা অতোনবা, শোরু-শন্নবা য়াদবা হায়বগী চৈখলদু লৈরক্তবগুমলে। অনৌবা সমাজ অমগী পুন্সিবোলদা মীগা মীগগী মরক্তা নুংশি-লংলানা পুনশিন্ননিংবগী ঈখৌলাংবদু কমলদা ফাওরম্বা তাই।

— লোইরবা —

একনোলেজমেন্ট

১) এ কামসোন— রিটায়ারদ, নিউজ রিদব, এ আই.আর ইম্ফাল, কখুলোং খুল।

২) হাওবোংবম হেমন্তকুমাব শিংহ — রিটায়ারদ, একাউন্টেন্ট, দিষ্ট্রিক কোর্ট ড্রিব্রুগড আসাম।

৩) কোন্থৌজম জিতেন সিংহ — জোবহাৎ, আসাম।

৪) কেন্সুংবৌ নিউমাই — হেদ মাষ্টব, হাঁমে ইংলিস হায়স্কুল, তামৈ, তমেংলোং দি ষ্ট্রিক।

৫) অবাংবৌ নিউমাই — এক্স এম· এল এ তামৈ কনষ্টিয়েনসি তমেংলোং দিষ্ট্রিক।

৬) মুতুম সনাহল সিংহা — খানাপাবা, গুবাহাটি, আসাম।

৭) নাওবোইবম ইন্দ্রমনি সিংহ — মণিপুর ষ্টেৎ আরকাইবস ডিপার্টমেন্ট।

৮) পোৎশংবম নীলচন্দ্র সিংহ — মণিপুব ষ্টেৎ আবকাইবস ডিপার্টমেন্ট।

৯) উশম ধনঞ্জয় সিংহ — বিটায়াবদ, এ দি·সি উখ্রুল, থাংমৈবল।

১০) ফুরাইলাৎপম নীলচন্দ্র শর্ম্মা — এসিস্টেন্ট পব্লিসিতি ওফিসাব, এস এস বি·, উরিপোক।

১১) ডা আব কে বঞ্জন সিংহ — বিটায়াবদ, ডাইবেক্তব, সি দি সি মণিপুব য়ুনিভবসিটি।

১২) য়েংখোম নিংঙোল বাহেংবম ওংবী জুগেশ্ববী দেবী — বিটায়াবদ এ আই আব এনাউন্সব (এস জি) ইম্ফাল।

১৩) ডা শগোলশেম ইবুংঙোচৌবা সিংহ — এম ও· তমেংলোং হোসপিটাল (১৯৯৯৬-১৯৯৯), লাইরিকয়েংবম লৈকায়, ইম্ফাল।

১৪) বাহেংবম রাজেস সিংহ — বাহেংবম লৈকায়, ইম্ফাল।

১৫) শগোলশেম প্রেমানন্দ সিংহ — লেকচবব, নম্বোল এল সানোই কলেজ, ব্রহ্মাপুর নহাবম, ইম্ফাল।।

বিব্লিওগ্রাফি

(ক) চেফোঙ :

১) সাহিত্য — ১৯৭৬ : শুবা মশীং

২) ঋতু — ১৯৯৯ : ১০১শুবা মশীং

৩) সনথোঙ —১৯৯৯ : জুন

৪) সঙাই এক্সপ্রেস : ইম্ফাল, ২০০০ এপ্রিল ১৯

৫) অনীশুবা লাঙ্গাও মমাঙগী মণিপুরী থীয়েটব— ১৯৯৯ (পাম্বোইবী নাট্য মন্দিব, ইম্ফাল)

৬) Diamond Jubilee Souvenir, Assam Medical College, Dibrugarh (1947-2007)

৭) Golden Jubilee Souvenir, Assam Medical College, Dibrugarh (1947-1997)

৮) Centenary Celebration Souvenir Shillong Govt High School- (1880-1980)

৯) Souvenir, Atulchandra Memorial Association, Canchipur (1984)

(খ) লাইরিক :

১) অশাংবম মীনকেতন সিংহ — "মৈতৈ উপন্যাস", ১৯৫০

২) এলাংবম নীলকান্ত সিংহ — "অচাইবা লৈ", ১৯৯৪

৩) এলাংবম দীনমনি সিংহ — "খাইবাকপম চাউবা", ১৯৭২

৪) বনবীব সারুংবম — "ফিবান", ২০০৬

৫) এল· দামুদোর সিংহ— "সাহিত্য অমসুং থীয়েটর", ২০১০

৬) পি নবচন্দ্র সিংহ — "অবিবা মণিপুবী সাহিত্যগী শক্রোল", ২০০৬

৭) এম·কে· গান্ধী— "শেমগৎ শাগৎপগী থৌবাং পবেং", ২০০৪

৮) নহাবোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি— "মণিপুরী সাহিত্যগী মমল লেপ্পা", ১৯৮৩

৯) সি ঐচ হেমচন্দ্র সিংহ অমসুং বি কুলচন্দ্র শর্মা— "থাংমৈলোন", ১৯৮৯

১০) থোকচোম মাঙ্গোলজাও সিংহ— "মণিপুরদা নোংচুপলোমগী শিক্ষা", (ভোল্যুম ১-২) ১৯৮৯

১১) এল ইবুংঙোহল অমসুং এন খেলচন্দ্র — "চৈথারোল কুম্বাবা", ১৯৮৯

১২) মণিপুর য়ুনিভরসিটি — "অপুনবা বাবেং", ১৯৮৬

১৩) নহাবোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি — "ডা কমল নৈনবা বাবেং", ১৯৮২

১৪) সেবাম ইন্দ্রজিৎ — "ডা কমল মীৎয়েং অমা", ১৯৯২

১৫) এলাংবম দীনমনি সিংহ— "ডা কমল পুন্সি অমসুং সাহিত্য" (অহানবা শরুক), ১৯৭৬

১৬) খাইদেম প্রমোদিণী দেবী— "ইচে থোইবী অমসুং অতৈ বাবীশিং", ১৯৯৭

১৭) Binapani Thokchom– "And he-opened the Window", 2011

১৮) M K Gandhi– "India of my dream", 2001

১৯) Vaman Shivram Apte- "The Student Sanskrit English Dictionary", 1988

২০) Prof Gaugumei Kamei– "Tamanglong", 2000 AD

২১) Sir, James Johnstone- "My Experience in Manipur and the Naga Hills " (Reprint 1987)

২২) Dr Kamal Singh – মাধবী ১৯৬৭, লৈপরেং ১৯৬৩, দেবযানী ১৯৮৪।

২৩) Prof P L Bhola – 'Twenty Great Indians, 1992, Prashant Publication

২৪) Nirmal Chandra Lahiri– "Condensed Ephemeris of Planets", Positions 1953

(গ) হকথেংননা বারী শানজহৌবা ঃ-

1 Medam L M Langngap, Vice Principal, Shillong Govt Hr Secondary School, Meghalaya

2 Prof H C Kalita, M D D M Cardiology, Vice Principal, Assam Medical College, Dibrugarh

3 Prof Nripen Gogoi, M D Radio Diagnosis. Superintendent A M C Dibrugarh.

4 Lungkiang Pamei– Model Village, Tamenglong, Word No III

5 Ditanang Pamei– Retd. S D O in-charge Tousem, Tamenglong Dist. Model Village

6 Khoijin Golmei– Dailong Village, Tamenglong District

7 Phenda Pamei– Dailong Village, Tamenglong District

8 Ksh Janma Singh– Retd S D P O Tamenglong Dist , Porompat Kshetri Leikai, Imphal

9 Late, Konthoujam Ningol, Yengkhom Ongbi Hemabati Devi Yaiskul Police Lane Imphal

10 Late, Soram Ningol Maibam Ongbi Bidhu Devi Lilong Chajing Mamang Leikai Imphal

11 Sagolsem Irabot Singh, Retd Head Pandit, Langthabal Kunja

12 Late Ningthoujam Birachandra Singh Retd Asst Teacher, Lilong High School Lilong Bazar

13 Haorongbam Hemanta Kumar Singh Maijan Village, Dibrugarh, Assam

14 Waikhom Tomchou Singh, Retd Controller of Exam Board of Sec Education, Manipur, Singjamei Chinga Makha

15 Dr Sagolsem Ibungochouba Singh, Formerly Medical officer, Tamenglong Hospital, Lairikyengbam Leikai, Imphal East

16 Late, Chongtham Kala Singh, Langthabal Kunja Mayai Leikai

17 H Kanhailal Singh, Director, Kala Kshetra, Langol Meitei Leikai, Imphal

18 Chongtham Chandramani Singh, Retd Asstt Teacher, Canchipur High School, Langthabal Kunja

19 N Kunjamohon Singh, Retd Secy COHSEM, Manipur, Uripok Yambem Leikai, Imphal

20 Lamabam Brojendro Singh, Nagamapal Singjubung Leirak, Imphal

****